"নোংমৈশিং খেন্থোক্লবগীদমক ঐ অম লৈরে" মকা ওইরিবা রাকশ্বা অমনা য়াম চেনকে: অমদি ট্রুককোতপু শোগংলদুনা হাররক্লমই।

"য়াম্না ফরে. রাকমসিবা লেপ্লরে." বুলগাকোতনা অয়াবা কোংদোক্লমই। "অদুনা হোজিক," মহাক্না চৌকিদগী হৌগং-লদুনা মখা তারকলমই। "ঐখোয় অয়ুক য়ৌদ্রিবা ফাওবা পোথাবসি। হোরেল জুগ্রাই লাকলবা মতমদা ইনাক্ত ল্যাকহল, ঐ মহাক্না রা থর ঙাংনবা পামই। য়াম চেনকো, নহাক্না শক্লোগী থবক য়েংশিনবা ফগনি।" মী ওম্বমক্না চৎখ্রবা ভুদো বুলগাকোত পাল রগা হেক থংননা: লৈরিবা ভুমকম কাদা চংলমই,: মহাক্না অচৌবা কোট মোনপাক মথক্ত শন্দোক্লমই অদুদগী মহাক ফিপথরমই।

মথংগী অয়ুক, পাভেল ইলেক্ট্রিক পরার ষ্টেসনদগী হল্লক-লমই। মকম অদুদা মহাক স্টোকর অমগী ভেংবাংবা ওইনা থবক ভোরকপা চহি অম ফারে। মহাক্ত লাকপদা নাহল মথৈগা মান্নদবা মওং অমা উবমই মদুদি টাউনগী মী অপুম্বা নোংমৈ অম চক্রগা অনি, করিগুম্বদা অহুম পুবা থেংনরমই। করি থোক্লবনো, টাউনগী মীশিংনা নোংমৈ পুরিবদু করিগীনো হায়বা মহাক করি অমত্ত খংলমদে। মরম অদুনা মহাক্না হেক ভুমজিবঃথৈ য়াংনা ময়ুম য়োনবা চেল্লকলমই। লেজক-ফিজিকি ঊংখোলগী মপান্দা মহাকা ভুরাং বারী শামথিবা মীশিং অহু মখোইগী শগোলশিং তোংখংলদুনা লৈবা উবমই। পাভেল ময়ুমদা চেনশিন্দুনা ভহাননা ইরুজরমই। মহাক্না মমাগী মফমদগী মম্বা আটেম হৌজিক কাওবা হল্লকত্রি হায়বা খংলদুনা অমুক হন্না মযুমদগী চেন্থোরক্লুনা, টাউনগী অতোপ্পা লাকল অমদা লৈবা মাগী মরূপ সাগৈ ক্রুজাক ঊনলবা চংলমই।

সাৰ্গেইনি মপা অসি ইঞ্জিন থৌবা অমগী থেংবাংবনি, মখোয়গী পীক্লবা য়ুম অদু অমসুং লম মচেং খঙজিনবনি লৈরম্মিবা। পাভেলনা চৎপা মফমদুদা সার্গেইনি লৈরমদে। মহাক্কী মমা মপা লোইবী, কুহু ভোবীহনা পাভেলদ হুৎশিন্দনা য়েংলক্লমই।

"করানা থংগদগে, মহাক কদাইদা চৎখ্রিবনো হায়বা! অহুক অঙনবদগী অঙাওবদোনা খোকখিবনি। মীনা হায়বদা কদাইদনোমা নোংমৈ য়েল্লিয়েনে, ঐনা থমবদা মহাক মফমদুদা লৈরমগনি। নখোয়গুম্বা পাংদবা লাম্ম.শিংগীদি লোৎকদবনি— অদুবু নখোয়দি নাম্বোকহৌরেদনা। নক্কি কাওবা নীংখি হুংঙাইনা শেৎপা হৈখ্রিবা নখোয়না খুৎলায় পায়গদবগী তামবা শাদ্রি। মহা ওকখহু নঙনা থর হায়য়ু করিগুম্বা নোংমৈ মরু অম কাওবা ইমুংদা পুশিল্লক্লবদি মতৌন থোকনি হায়না। কমাই ভোদনা মানা মফমদুদা চংঙ্খ্রিবনো। থংগনি মা লাক্ক লাকসনু। নংস্তু মফমদুদা চৎতোরিবা নত্রবে?"

সার্গেগী মমানা চৈবা লোইত্রিদৈঙদা পাভেলদি সরক্ক চেনখ্রবনি। হাইরেদা মহাক্ক মুপা অমনা মরেংবান্দা নোংমৈ অমমম হাপ্তুনা লাকপা থেংনরমই। পাভেল মুপাদুদা চেনশি-ন্নমই।

"খুরু, অদুবু কদাইদগী কংখৌরকপনো?"

"ভারখোভিনাদগী।"

পাভেল মহাক্কী খোঙনা মাবু পুবা হেক চমলিবমখৈ মফমদু তানবা মাংনা চেন্নমই। লম্বী অনি চেন্থরবা মতুংদা অঙাং অমগন শাজীন য়াওবা লুম্নবা ইংকিশ্ত্রী রাইফল অমা পুরকপা থেংনরমই। পাভেলনা মাবু থামলমই।

"নংনা মদু কদাইদগী ফংই?"

"পাচ্চিসানশিংনা স্কুলগী মায়োক্কথা মফমদুদা থেম্বোকইবনি, অদুবু হৌজিক্কী অমকাওবা লৈহৌরে। তোইনবা থেম্বোকরে।

থাদিংং চুপ্পা য়েলকপানি, হৌজিক্কী অহাংবা উপুদদা চাইহৌরে। মশিংদি থ্রেৱী "অমিগুবা কংখেনি।" অদুগা অদুনা চাওখোকচনা হায়রমই। পাভেল, পাউ অমু তাবদা তংখেক্নমক জিংবা কায়রমই।

"সুডাইতেন", মকমদুদা চুমজিং চংলম্লবদি;" সুডাইজনা থনজরমই। "হৌজিক্কী থেমনজ্রেকো!"

খুদক্কুদা মঙোন্দা রাখল অম কাওরকলমই। কোয়বে লৈল্লুনা য়েংলগা, অঙাংহুদা খোঙথাং অনি অচুম থাংজিল্লমই অদুগা অঙাংগী মখুৎতগী নোংমৈজু থংমুন মুল্লমই। "নংগীদি অমচুনা অচুম য়াবে, মসিমদি ঐ লৌবগে," পাভেল অঙাংচুনা কৌগদবা খোঙ্গেল্দা হায়রমই। সুংখিল পোবোগ্গা মখুৎমক্কী পোৎ হবানবদুদা শাউরদুনা অঙাংদু পাভেল তগ্না চোংশিল্লক্লমই। তৌইগুমন্তং পাভেলনা খোঙথাং থৱ হন্দোক্লগা শক্তীন মঙোল্লোমদা মুরদুনা মুক্লমই।

"হন্দোকউ, নত্রবদি নং শোকচনি" পাভেলনা লাওরমই। উপাই লৈজ্রদুনা অঙাংদু কপলক্লমই অদুগা পাভেলবু চৈরদুনা চেনখিরমই। পাভেল হায়কম থংদবমথৈ হরাউজনা মথুম তানা চেল্লকলমই। শম্বল কাদুনা লাম্হো'কলগা শং মথুংদা চেনশিল্লমই অদুগা য়ুমথক্কা হেক তাইনবদা লৈরিবা থাম্ভেল অনি কা'য়ন কক্কুরিবগী মথক্কা নোংমৈ থনমলগা হরাউনা চুই খোংলদুনা মমুমদা চংলকলমই।

কাংলেহ্‌পী সুংখিলদা উক্রেনগী দৃশ্য য়েংবা য়াজা মচৈ, মক্ক এইনা অপিকপা উক্রেনিয়ান টাউনশিংগী মথুংদা লেপে-তৌতকাপী মহাই. এইরম মকমদি খুদংগী দৃশ্যগা য়াজা মাটৈ। অসিগুম্বা দৃশ্য অসি অশেংনমক য়াম্বা মচৈ অমদি পুক্লিং হুনিঙ্ক ইনি। অম্বম অসিনা, অসিগুম্বা মতমদ, সুমিদাংগী মতমদা টাউনদা লৈরিবা মীশিংনা মপাম খোক্কুনা লৈনৈ। মশোমশিং-অমো মরাক্তা কাংবু, কাংবু মরুপ হুমা অইনা

লৈহৌকাদগী অমাংদা নত্রবা নকোগী "মাকাম্মদ টৈরিবা ঊতি-মথক্কা অমত্তুনা লৈবদ্রু ঊগনি। মখোয়গী হয়াঙ স্নুংদ্রাইবগী, ফেলেদগী মমঙং ঊটৈ শকপগী মুংশিরবা খোজেল দুমিদাংগী অচিকপগা অমত্ত ওইনা তিনখিরমই। লিরি হুমলিবা 'মাদাংবা মুংশিরবা লৈরাংশিংগী লৈনম পুরক্রি। কুকেং-কাকেং, লংতিক-লংনা পাক্রবা অতিয়াদা থৌরানমিচাকশিংনা ঙাল্লি। অসি-গুম্বা মীয়ামগী হয়াঙ স্নুংদ্রাইবগী খে নজেলনা দুমিদাংগী অমম্বদা তাম্ন: শন্দোকল্লি...।

পাভেল এক্কোর্ডিওন খোংবা য়াম্না পামজৈ। মহাক্কু থুকঙ মথক্ক অতুগুম্বা মমদ্র থমলগা তবা তবারবা খুংশানা কি পরেং অনিদা ছুম্না ছুম্না নমদুনা শাম্নরমই। মচু নম্মুবদা কবিগুম্বা মুংশিরবা খোজেল অম থোরকই। অদুগুম্বা, মুংশি-রবা. পুক্নীং চিংশিনবা ঙম্বা খোনজেন্দ্ খোয়কপা মতমদা নহাক্না মম্ভৌ করম্না তুমিন্না লৈথোকপা ঙসগনি! নহাক ইশানা খংজত্রবদ্ ঈশাগী খোংঙনা মকম অদুদা তম্জনমক চংখিগনি। অশুম্বা মুঙাইন হিংবা পুন্সি অসি কয়াদা মুংঙাইগ্রবা।

তশেংনমক অসিগুম্বা দুমিদাং অসি কয়াদা মুংশিগ্রবনো।, হয়াঙ দুংঙ্গাইবগী মায়থোং 'পুয়ব' টাউনগী মীশিংনা পাভেলগী য়ুমগী মপান্দা পৈরিবা উককশিংগী মথক্কা লোইনবা লাক্লরমই। পুম্নমক অচৌগী মম্নুংদা থ্বাইদগী তেন্না দুংঙাইতরিবদি পাভেলপা য়ুমলোম্নবা স্টোনমাসংগী মচান্নুপী গালোচকানি। মহক দুপা-মচাশিংগ ঊটৈ শক্কনা ঙপোই শামিম্নবা য়াম্না পামজৈ। অসিদসু নচম্না মঙোন্দা কলাবু পামকবা য়াম্না ইং-তম্না থযোই চেন্নি। পাভেলদি পীকচংলিনা মকাকপু কীতৈ। গালোচকাদি হায়জন তোঙবা অমম্ব লৈ। মহাক্না পাভেলগী মাকন্দা কম থয়মই, 'ঝোম্মোম নোক্রদুবা পাভেলবু কোনখীম্নমই

"নহাক্না এক্কোর্ডিওন খোংবসি কয়াদা মুংশিগ্রবা!" মহাক্না, হায়জমই : "নহাক্না মহা ওইখম্নবা অসি ঐঙোন্দদি য়াজিঙাই

মশকনি। ঐদি একোডিঅন খোংবা মীসি য়ান্না নুংনা ভৌই, মতুংগী খোজেল অমদি য়াবু উবদা ঐগী থম্মোইদে হেক্ক পেৎথোকই। পাভোচকানা ভাং-শকপা ভারগা পাভেলদি ইকায়বনা খোঙদগী ভোম কাওবা কং শাগংলমই, লাইবক কবদি মশানা কনা অমত্তনা উবা ঙমদবত্নি। পাভেলনা মভোন্দগী নাম্বোক্কুবা হন্দোকলমই ভৌইশুম্মস্তং মহাক্না নপশিল্লকমই।

"হৌজিক্কী নহাক্না ঐভোন্দগী নাম্বোক্কুনা চেনবা ঙম্মরোই, ঙমগত্রনে? নহাক অসি ঐগী থম্মোইগী মুংশিরবা চায়থোই-বনি।" মহাক নোক্লমই। মহাক্কী চাওরবা থাইমা পাভেলগী লেংজুমদা তল্লমই। পাভেল ইকায়বনা মশা লেংলমই; মতমত্তুদা মীয়াম্না য়া নোক্লমই, নোকপগী খোনজেলমা মকমত্তুগী অচিকপা থুগাইরমই।

"হৌগংলো, ঐগী খোংকম লৈত্রে," পাভেলনা মহাক্কী লেংবান্দ থাজহৎলিবা থুং ভগ্না ইম্বোক্রদুনা হায়জরমই।

মতুংমুকস্থ কাগী অমস্থং করেম্নবগী, নোকপগী খোনজেল খোকহল্লমই। মতমত্তুদা মাক্নজ্যা পাভেলবু ঙাকপা চংলকলমই।

"খোংউ পাভেল, থর অরাবা শুয়দা, মতুনা নংগী থম্মোইদা পালে হায়না খনজবা মওংদা।"

ভগ্না, ভগ্না পাভেলগী খুৎশানা কিশিংনা নমলমই অতুদগী মুংশিরবা খোজেল খোরকলমই অমস্থং মুংশিরবা খোনজেলত্তুনা মালংদা ভিনখিরমই। গাভোচকানা ঈচৈশ শকপদা ইহান হায়না য়াওশিল্লমই অত্তুদগী মারুজ্যা, অদুদগী মী ময়াম....।

'হিয়োইশিংনা মখোয়গী থাংপোক্ক
হরেং পুনগনি,'
অহ,ঃমশি কয়াদা হুঙাইগ্রবা,
অহ, মলি কয়াদা মুংশিগ্রবা
মকম অসিদা ঐখোয়গী অরাবা ঈচৈশ শক্কুনা লেনবনি।'"

শিংলিবা মুমিদাংগী ইংলরা মুংশিনরা অদুকুম নখাক্তোন লশিংগী থমোইদু য়াওরবা ঈশৈগী খোনজেলদা থাপ্লবা উম্মং ফ্লানা পুখিরমই।

"পাভকা!" আর্টেমনা কৌরক্লমই

পাভেল একোড়ি ওনগী মেলো চপশিল্লমই অদুগা স্ট্রেপ কাক্তিলমই।

"ঐবু কৌরে, ঐ চংলগে।"

"নত্তে, ড্রাইহাক্তংগা খোংখো। কদিগীনো নংনা অদুক ভহারিববু?" মাকজ্যানা মহাক ড্রাইহাক্তংগা লৈনবা থেম লপ্পী। পাভেলদি য়াম্না চংনিংলমই মরম ওফুনামহাক্ত হায়খিবা বা খোংলমদে।

"ডম্পরোই, ঐখোয় কয়েং অমুক খোংলসি হৌজিক্কী ঐ চংলগে, আর্টেমনা কৌরি।" অসি হায়রদুনা মহাক্না সডক ল্যাম্পোক্তুনা মাপ্লোক্তুনা লৈরিবা অপিকপা য়ুমদা চেনশিল্লমই। মহাকনা ইমুং চংবা মতমদা মী অনিথক আর্টেমগী নাকল্দা টেবল মনাক্ত ফমদুনা লৈরমই। অমদি আর্টেমগী মরুপ ম্রোমাম্নী, অভোল্পা অমত্তুদি মীতোপ্পী।

"নহাক্ত ঐবু কৌত্র?" পাভেলনা হংলমই। আর্টেম মহুক নোয়্রকই অদুগা মীতোপ্তুদা ওনশিল্লমই; "ঐখোয়না ভ্রাংনরম্না ঐগী ইনাও মুপা হায়বদো মহাক্নী।" মীতোপ অদুনা পাভেলবু চংলকলো হায়বগী মওংদা মহাক্কী খুং ভিংখোকলমই।

"উরেদনা. পাভকা, আর্টেমনা মনাও মুপাদা হায়রমই।

"মংম্না ঐখোয়দা পরার প্লান্টকী ইলেক্ট্রিকসিয়ান অম ভমজে হায়খিবদাই। অদুনা হৌজিক ঐনা নংবু ভৌহনবা পাম্বদি মখোয়না মাগী মহুংতা অপবা মী অম লৌগনি হায়বগী অশেংবা মরোল অম মখোয়দগী 'খংলকপা।' কয়িগুম্বা মদুনা অচুম্বা ওইরবদি নহাক্ত ঐখোয়দা 'খর খংহল্লু!'"

মীতোপ্পীতুম্না মহাক-খংতুনা হন্থিরক্লমই।

"অন্দ্রেইনা তৌবগী দরকার লৈতে। ঐ মহাক্কা লোইননা চৎলগে অদুগা ইশাকক্তা থৌলতা হায়রগে।"

"চুম্লগী ষ্টেনকোভিচ নাবনা মরম ওইদুনা শাবায়রগাই অদু ওমি থবক লেপলবনি। থোক অনিদ্দক লাক্রমলবনি, মহাক্কা কনাগুম্বা অমবু কবা কম্বা থংদে মাগী মচং শিকপদু য়ামলবদি হায়দুনা য়েংলম্বনি, অদুবু কনা অমত্ত কংখিজবনি। শাবায়রগাই অমবু থৌকম অমথক্কনা লেপনং কাবনি মহাক কাইদে। ইন্দোষ্ট্রিকনিসমসা নাশিপতু চাইচননিয়ে।"

"মদু লেপলসি," মীতোপ্তুসা হায়রমই। "অদুগা ঐ মখু থৌরকে অদুগা ইবানি পুক্কা নকমদুনা চৎনি।"

"য়াম্না ফাইন।"

পাভেল মাগী অপোয়-অক্তামবু চেকশিনা য়েংলিবা মুগাগী য়োংখান মচুগী মীৎকা মহাক্কা মীৎক্কা চানকখই। মহাক্কী হাক্কা কুপ্পা য়েংবা, পরিক্কা লোবগী মওং অদুনা পাড়েলগী কায়ত খক্তিকং কাইবগুম তৌরমই।

অনৌবা লাকপা, মীতোপ অদু উংমান মচুগী জেকেট অম লৈৎলি। থবাক্কী কুদাম লোইন পানশিনলি। মহাক্কা থবাক্কী কুদাম লোইনা পানশিন্দুনা চিংশদুনা ফুরিত অদু অস্তক্কী মতিক চিন্না উরমই মদুদি মহাক্কী পাক্রবা নমগনবী ফুরিতকী লাংদাই তংকদনগুম শং তিংলমই। মহাক্কী কোক অমশুং চক অনিগী তাইনকম মন লাবগী মরেংগুম য়াম্না নোই চাওই মথুগা কিজম মুত্তি চিরবা চক পাগীগুম য়াম্না কন্না উই।

"অকবা লাইবক অমগী দমক কায়নরসি জুগ্রাই," আর্টেমনা মাবু থোক্তিনদ কাওবা থিন্দোক্লদুনা হায়রমই। "অদুগা মহাক্কা ঐগী ইনাওপা খন্না চংমিমদুনা মাবু থবক অদুদা খন্না য়াওহনবীয়ু।"

ভিটেলকেফীশিংনা টাউন থাদোকপা মুখিং হুমনিগী মুংদা জর্নলিশিং টাউদা চংলকলই। মখোয় লাকলে হায়বদি ইনজিনগী ফাইটুসন অম থৌকদা থোংদুনা থংলরমই।

"জর্মনশিং লাকলে," পাউ অসি থংহৌদনা টাউন শিনবা থুংনা শন্নোকখিরমই।

টাউন মনুংদা জর্মন লাকখিদনি হায়বা টাউনগী মীশিংনা মতম থম্ব, মতুংবু মখোয়না করিগুম্বা মওং অমদা চপ চানা থাজরমদে। হৌজিক্তী অতুগুম্বা ভমথীরবা জর্মনশিংদো লাক-পক্ত নত্রেমা ভশেংনমক টাউন মনুংদা লৈরমনি। মরম অসিদগী টাউন অসি থিনগাইরুরবা করচেং মহমগুম ইদ্রাং লাংলমই। টাউনগী মীশিংনা মখোয়গী মমাং ঈংখোলগী শম্বলশিং চৈগী কোক্ষোংশিং শেমজিললমই। মী অপুম্বা লমী সম্বক্তা খোঙদবা কৌনরমই। জর্মনশিংনা ওলিভ ক্রেবকী ইউনিফোর্মগা সড়কী মাক-মরেংতা পম্বেং শানা চংলমই। মখোইনা পাইরিবা নোং-মৈশিংগী চিদোঙনা পাকভকপা হুরিগুম্বা থৌরবা শঙ্গীনগা লোয়ননা কাপকদবগী ভম্বারিদা পুরমই। মখোই অথাবা মোংকী টুপী উম্মী অহুগা মমগক্তা নোংমৈ মরু পেকেট, পেকেট পুরমই। মখোয়না রেল ষ্টেসনদগী মাম্বা চেকশিন্না, লোইবা নাইদমখৈ থেক খোইরবা ভূরেলগুম মরি, মরি লাল-কৌবশিংবু ভাঙ্গোক্লগে মভাগুম, কনা অমত্তনা মখোয়বু শীংলুপ্রবস্ত নীংথিজনা শেম শাতুনা লাকলমই। চংলিবা মীয়ামগী মমাং থাডুনা চংলিবা অফিসার অনিগী মথুক্তা মাউজর রাইফল অমমম পাই, ময়ায়দনা অবাংবা অথাবা টুপী সোরারেন মচুগী উক্রেনিয়ান কোট লিংপা হেটমেন সরভিসকী সার্জেন্ট-মেজর ইন্টরপ্রিটর চংলি।

জর্মনশিংনা টাউন ময়ায়গী স্কোয়ারদা পম্বেং লেপলমই অহুগা খোল থিললমই। পাউ ভাগনবা টাউনগী মী ময়াম অম পুললমই। উক্রেনিয়ান কোট লিংপা ইনটরপ্রিটর অমুনা কেমিষ্ট হুকান অমগী মাঙ্গোলদা কাপ্থংলমই অহুগা কমানডেন্ট মেজর কোর্ননা থোকপা ওয়ডর অম লাওনা পাখোকললমই।

বাড় দি ট্রুন বাঙ্ক টেম্পরত —১৯৫

১

টাউনগী অসিগী মী খুদিংমক্তা য়াথং অসি ভৌরি, মচুদি নোংমৈ মত্রগ অতৈ লানগী খুংলায় লৈবা খুদীংমক্তা পুং ২৪গী মতুংদা পুরকউ। য়াথং অসিবু ইত্ত্রবদি নোংমৈনা কাপ্পুনা শিবগী দণ্ডী ফংগনি।

২

টাউন অসিদা মার্সিয়েল লো চলাইরে, মরম অদুনা টাউনগী মী খুদীংমক্তা তুমিদাংগী পুং ৮ দগী লম্বী সড়ক্তা চৎপা য়াদে।

মেজর কোক, টাউন কমানদেন্ট

জর্মন কমানদেন্ট অদু টাউন এডমিনিষ্ট্রেসন্দা শীজিন্নরম্বা, রিভোলুসন মতুংদনা সোভিয়েট বার্কর্স ডিপুটিশিংনা লৈরিবা ব্যুলডিংদা লৈরমই। হায়রিবা ব্যুলডিং অসিগী চংফম থোঙ্গালদা ইম্পরিয়েল ঈগলগী অচৌবা বেজ থেৎপা লাম্নীগী টুপী উপ্পা সন্না অমা লৈ। ব্যুলডিং অসিমক্তী মনিং থংবা স্থুমায়দনা লমদমচুগী মীশিংনা হল্লকপা খুংলায়গী পৈকম ওই।

কাপ্পুনা হাংকনি হায়বগী অকিবনা মরম ওইদুনা তুমিংচুপ্প টাউনগী মীশিংনা খুংলাই পুনরকলমই। অহল কনা অমত্তনা মশানা খুংলাই থিল্লমদে, পাথংশিং অমস্নুং তুপামচাশিংবু থীলহল্লমই। খুংলাই থিনবা লাকপা, থিল্লকপা মী কনা অমত্তবু জর্মনশিংনা কাচুনা থগ্লবদে। মশা মশানা লাক্কুনা পীরবা পামদবশিংনা তুমিদাংগী মতমদা লম্বী সডক্তা পুথোক্কুনা থমলমই। অমুকী মতমদ জর্মন পেট্রোলিং চৎপা কাংবুনা থুমগংতুনা গাড়ী অমদা হাপচিল্লুনা কমান্ডরগী লৈকমদা থমলমই। তুমিংখুংবা মতুং মুংথিল পুং অম ভাবদ', পীথিবা মতম লোইরবদা জর্মন লানমীশিংনা পৈশিল্লিবা খুংলাইশিং মশীং থীত্তনা য়েংবদা থংলমই মচুদি খুংলাই লৌশিং ভরামরিভনি হায়না। মসিনা ভাকপদি খুংলাই লৌশিং ভরাভরুক্রোমদি কয়ক্লুক। কোম, ঐশিংথোক-অচিংবদা হুমদুনা কপ্পা থীবদা পোং থরদি ফংলমই। নোংঙ্মকী

অয়ুক্তা য়েলরেদা থবক তৌবা মী অনিথক মখোইগী য়ুমদা নোংমৈ লোংলম্বীদমক টাউনগী মপান্দা লৈবা লীরবা জিউইস সৈমিত্রিদা কাপ্লুনা কাংলমই।

কমানদেন্টকী য়াথং তাবগা য়াম্না থুনমক আর্টেম য়ুমদা লক্লকলমই। মখোয়গী য়ুমগী স্থমায়দা পাভেলগা উমরমই। মহাক্না পাভেলবু মরেংজুমদা পান্দুনা তুম্মা মমুংতানা হংলমই:

"নং করি, করি খুংলাইদি য়ুমদা পুরকই?"

পাভেল নোংমৈমচুগী মরমদা হায়দোক্কে কায়না শক্তবনি অতবু মহাক্কী মথাক্কী মফমদা মীনম্না তাংবা ওমদবদগী মহাক্ন নোংমৈ পুরকপগী মরাল য়াজরমই অমসুং শেংনা হায়দোক্লমই। মখোয় অনি শন্দা চংমিন্নরমই, আর্টেমনা থাঙেল মথক্তা লোংলিবা নোংমৈ লৌথরমই অদুগা বোলট অমসুং শক্তীন লৌখোক্লমই। বেরেলদা পাইদুনা শক্তলগী অহনবা ইচুক ফমদা মহাক্কী মপাক্তল পুক্লপ ক্লুদোক্লুনা থৈখায়রমই। শক্ত কম থৈথিবনা বটট অদু মচেৎ মচেৎ কায়র ই। অরেম্বা কাইহৌদবা শম্বুক অজনা উংখোংলগী য়াখলদা লৈরিবা অজেক, অকায় কাংদ্রবা থোং-চৈ পৈকমদা লংথোকখিরমই। শক্তন অমসুং বোলট থতুনা মীনা থংলোইদবা চকুম কোমদা থাথরমই। পুম্নমক অসি লোইরবা মতুংদা মহাক্না মনাওমুপা পাভেলদা ওনশিল্লমই।

"পাভকা নং য়াম্না পিক্লবা অঙাংমক্কী মতম্রদনা, নংনা নোংমৈ পায়রবা ওমলোই কায়রবসিন্দু খংজিবনি। অমমুনা নংনা অসিগুম্ব খুংলাইসে য়ুমদা থৈদোক্তবদগী পুরকলোইদোক্লনি। মসি শিবা য়াবা পোংনিকো, শিবা য়াফনিকো। হৌজিকী অতমলিনগীদিনে মতুংনা নাগী নপুংসি য়াংবা য়াম্রিবনি। অদুগুম্বা থবিন্দু কায়দবা থোক থাক খক তৌগনু, মরমদি মলো মতু য়ুমদা পুরকপগী মখোয়না ফংগ্রবদি ইনি হায়না শিনদৌরিবসি, মখোয়গুম্বা অঙাংদি অখোয়মনা থক পোকহনি। মতম্না কংলককেপ্নিদা অদুগুম্বা থথতু তৌরুকো, থংচবরা!"

পাজেলকা ক্লাবগী অফবা চোজ্ঞনবোইদা হাকনা খুমজকই।

ফচিন-ময়াও অনিশা গুবাজনগী ফুখদা চংবা মতমদা লেমকন-
জিনকিনী থোজাজবা উকিল মশাবকক্লে, মালী মুগীনে, মচা
অনি, লেমী অমগুং ভিক্তর গাডী অমদগী কুপথরক্লমই।

"মা ' " কজক্কা উচেকশিং অনি মখোইগী মকোনদা অঙ্কুক
পাইক্লেক্রেনদা," আর্টেমা শাওনা মতোমতা শোনজরমই।

"হৌজিক্কী নখোয়বু মাংকনবা কুইম্ম হৌরগনি।" মহাক
ইমুংদা চংখিরমই।

তুমিৎ চুপ্পা পাজেলদি নোংমৈ অতুগীমমক্ত তুক্কাইডনা
থল্লমই। অতমদুমক্তদা মাগী মরুপ সার্গেদি কিক্কবা মল্লদা
শং অমগী ফক্লাংগা ডাইনবদা কোম কমা ভোন্নি। কোম
অচু কজনা ভোংবা মতুংদা নোংমৈ অহুমথক চেকশিমা কিক্কা
য়োনশিল্লগা থাথরমই। হায়রিবা নোংমৈশিং অনি ভিক্তৈচয়ে-
ক্টশিংনা মীয়ামদা য়েঙ্খোকখিবদুনি। মহাক্কা গুরুনাইশিং অ
জর্জদা পীথোকখিগে হায়না থাজমকে। অমম অতুনা মীমকপদা
থমলমদা হায়নুনা অনিং চুপ্পা লোৎলবা হোৎমর্জি। মহাক্লা
কোম অচু তৈগনা য়াগা চপ য়ামনা কুনশিল্লমই অতুগা অযোং
অকায় থরনা মথক্ত কুপশিল্লমই। মহাক্ত ভোজবিবা থক্ত
য়াম্না য়ুম্না য়েংজরমই অমত্থং কমা অমত্তনা থংলক্লোই হায়বগী
অশাদা মহাক মতোমত পেনজরমই। মকোজগী টুপী লোথো-
ক্লনা কোম অচু ভোবদা পিদুরকপা মরাইবকী হুমাং তৈথো-
ক্লমই।

"হৌজিক্কী মখোয়না থীনিংবা মখৈ থিজরসন্থ, করিগুম্বা
মখোয়না শংবা ভারবস্থ য়ুম অসি কনাগীম্থ নজ্জরিনা, কলাযা
লোৎপনে হায়না থংলক্লোই।"

ইলেকট্রিক টেস্চা থা মপুন্ন অম থমক ভোম্মক্লবা, য়ামা
কমজীবা ইলেকট্রিকশিয়ালগা পাজেলগী অরুপ ওইবগী মরি
অনি য়ামা চেকশিল্লকক্লমই। মুক্লাইনা জৌজবগী চেকশোংবকা

মতৌ করম্না ভাইনেমো শাবনো অমদি মতৌ করম্না চলাইবনো হায়বা' উংলমই। সেনখসিনা মহা ওইরিবসিবু মায় খুংশি-ন্নমই। মহাক্ন ইভং ভরুনা অহাংবা মতমদা আর্টেমগী মুখদা চংলমই। আর্টেমগী মমানা ইমুং মনুংগী অরা-অনাগী, মরু-ওইনা মহা ওইরিবা মচাশিংগী পুক্নিগী মরমদা লীবা বারীশিং তুমিন্না তায়মই। ইমুং মনুংগী অরাঅনাগী বারী করাবু নীংশিংবনা বাহল্লিবা মেথিয়া ম্নাকোভলেঙনাবু, পুরুম কাও-থোক্নুনা মুংঙাইনা লৈনবা জুগ্রাইনা হায়রমই।

নোংমদি জুগ্রাইনা পরায় স্টেসনগী গুমায়দা লৈরিবা শীংশিংগী মরক্তা পাভেলনা লাকপা মতমদা মাবু থামলমই।

"নথোই ইমানা মংসে মুলবা য়াম্না পামই "হায়নে, জুগ্রাইনা! নোকখিরক্লুনা হায়রমই। "নহাক অসে কাওগনবা মেথাঙম্না ফজে, নথোই ইমানা হায়রিবা।" জুগ্রাই মচিন খুমজিন্নুনাতুমিন্না নোকলমই।

"কমাবু করিগীদমক মুনগদৌরিবনো হায়বসি নহাক্না কজনা থংলবদি, কাইটর অম ওইবা হায়বসে অশেংবদি অম্নাংবদি মজে।" পাভেল জুগ্রাইনা হায়রিবদো ভশেংনা হায়রিবরা নত্রগা কাগীরা হায়বা থংলমদে।

"করিম্নু নত্তবদি ঐ কৈদৌঙৈদম্নু মুলদে," মহাক্ন খুম-লকলমই।

"ঐনা অয়াম্না মতমদা থংনরিবদি অচুবা অমগুং অকনবী-দমকনি।"

"ঐ নহাকপু নিয়ম চুম্না মুনবা তম্বীয়ুরা? জুগ্রাইনা ইংনা থাজদনা হংলক্লমই।

"নহাক্ন নিয়ম চুম্না হায়বীখিক্লুবু মথুগী অর্থ করিনো?" পাভেলনা অমহুদা ভক্না য়েংলকলমই।

"য়েংঙু," হায়রুনা পাভেলদা কোক্সিংগী মরমদা বাথাং থামখা ওইনা কাক্সবা রা কয়া মরিক চুম্না হায়রমই। পুরুমক অদু

পাভেলগী 'মফমাদি' অরায়বা ওইরমদে। মহাক্কী মখোঙ জগ্রাইশী খুদুমনা খোমথবদগী কয়াম্বক কয়া লৈমায়দ তারমই। অদু ওইদুনসু, পাভেল হোৎনবা কনবা, থাংবা বনবা, নিং-হয়দবা ছাত্র অম ওইদনা মমৈদদি মহাক কাল অদুবু পুরা লৈদি।

নোংমা মুংশা শাবা মুমিং অমদা ক্রিমকাণীদা কোযক্তরবা মতুংদা, মুমিং অদ খর নংস্ত্রাইনা লেপ্তোক্লে তাগদা ীমক মহাক্কু ইজং কংজনা কাদুনা শান্নবা মখোয়গী ঈংখোলগী কাংচিন অমদা লৈবা শঙ অমগী মথক্ত কাখংকে কায়না লেপ্পামই। মনম অদনা মহাক মলিংগী মমায় লাম্থোক্লুনা টেপাক্কী খাংপোক অদুগী য়ুমথক কাখংলমই। মনাক্ত তৌরিদা চেরি উগী উশাশিংনা মনথক্ত জম, জম তাশিল্লবা ইম্থোক্লুনা য়ুমখাংদা চৎলমই অদুগা য়ুমথক্কী ময়ায়দা নংশা য়াইবা ওইনা তুপরমই। তায়রিবা শংদুগী শরুক খর লেজকভিন্সকি ঈংখোংলোমদা ইম্থোংলমই ইম্থোক্লীবা শরুক্কী মতাই থংবা য়ুমথক্কুগী লেজকফিন্সকীগী ঈংখোল অমদি য়ুমগী শরুক খর উবা ঙমই। য়ুমগাকসিগী মপান্দা কোক ইম্থোক্লুনা য়েংবদা পাভেলনা নুমায়গী শরুক খর ঙিই জাসং মতুংদা গাড়ী অদ থাদুনা লৈবা উরমই। লেজকফিন্সকীগীদা লৈবা জর্মন লেফটনেন্টকী চম্প্রাসিনা মদুংগ্লোগী ফি নাম্লে ক্লমই।

পাভেল ইতং জম্ভনা লেফটেনেন্টনা থোঙালদা লেপ্লুনা লৈবা উরমই। মহাক্কী মমায় ঙৌরগা ঙাংই, চিনবাল মথক্কী কোই অপিকপা মরি অমা থাকই। মাগী অনোক অদু নাঙোনগী মঙোন ফাওবা নাইম্হে অদুগা লাইবক মথক্কী ইম্থোকলিবা টুপীগী শক্লক অদু ইরং লংই। পাভেলনা মসিমসু খংই মতুদি-লেফ-টনেন্ট অদু মতাই থংবা কাদা লৈ হায়না। ঈংখোগ্রোমদা ফাংলিবা খোংনাউ অদু পাভেলনা কাল্লিবা শঙগী মথক্কুগী উবা ঙমই।

মতমতুদা লেফটনেন্ট টেবল মনাক্ত ফমদুনা করিগুম্বা চে অম ইরমই। খুদক্কুদা মহাক্না ইল্লিবা চে লৌখংতুনা কাদগী মপান্দা থোকখিল্লমই। মহাক্না চে অদু মাগী চমপ্রাসিদা-

শীন্নরমই অদুগা কোম্বোংলোমদা থোকখিরমই। সমর হাউস মন্নুংদা লৈবা কনাগুম্বাঅমদা বা ঙাংলমই। ঙাইহাক্তং লৈরগা ৱুম মন্নুংদগী নেলি লেজকজিনসকী থোক্লমই। লেফটনেন্টনা মহাককী থুৎ পাইরদুনা কোম্বোংদগী মপান থোক্নুনা লম্বীদা চংখিরমই। পাভেলনা ভৌরিবা মমাম অদু ৱুমথক অদুদগী মুংঙাইনা য়েংলমই। পুম্নমক য়েংবদা মহাক মশাদা ভম্বা অম কাওরকলমই, তুমনিংলকপগুম ভৌরমই। মহাক মমিৎ উহশিনগে ভৌরমই। মতমদুদা চমপ্রাসি লেফটনেন্টকা ফাদা চংলক্রমই, থোংনাউ হাংদোক্লমই অদুগা ইউনিফোর্ম অম মানথংলমই। ইউনিফোর্ম মানথংলবা মতুংদা কা শেংদোকলমই। অদুদগী মহাক কাগী থোং থিংজিল্লগা মপান থোকখিরমই। অথংগী মীকুপ্তা পাভেলনা মাবু শগোলশিংনা লেপ্নবা শগোলশংদা লৈবা উরমহ। হাংদোকালবা থোংনাউদগী পাভেলনা কা মন্নুং শেংনা উবা ঙমলমহ। টেবল মথক্তু বেল্ট অম অমম্বং কবিগুম্বা অরংবা পোৎ খর লৈবা উরমই। থাংঙমদবা য়েংনিংবা অমনা পাভেলগী থম্মোইদা কম্না ইনশিল্লকলমই। মহাকী পুক্নীংগী আনিংবা, অপাম্বা অদুবু থাম্বা ঙমদবদগী পাভেল চেন্না পাম্বীদগী লেজকজিনসকি মংথোলম্মুংদা কুমথরকলমই। কোম্বদুনা ইংখোল অদুদা চেল্লগা থোংনাউদগী কা মন্নুংদা য়েংলমই। টেবল মথক্ত লেংবানগী বিলাই অমম্বং বেলট অদুগা ভরানিথোইরক কাপ্পা মাবা মনলিচর মাওবা হোলস্টর অম লৈবা উরমই। পাভেল খর কাদুনা হোল্লমই, মিকুপ খরদি মহাক চিংনরমই, ভৌইঙমম্বং খুনমক থোনা লাক্লমই। থোংনাউদা চেকশিন্না ভপ্পা মশা খর চিংথংলগা মখুৎ নাম্ম লামশিন্দুনা হোলস্টর পাইরমই অদুগা অনৌবা শংবাম্বা পিস্তৌল লৌথোকলত্নুনা লৈমায়দা চোংথরমই। রামনা থুনা কোইরো, কোইরো য়েংদুনা মহাক্না পিসতোলদু মাগী কুরিত থাউদা হাপচিল্লদুনা চেন্না উপাগী ভানা চেল্লমই॥

যোংঙম্না যাম্না থুন উ কাথংহুনা য়ুমথক্ক অয়ুক কারমই। য়ুমথক য়োরবদা হম্না য়েংলমই। চপ্রাসি অদো যাম্না মুংঙাইনা শগোলদা ঈশৈ শংলহনা লৈরমই। ঈংখোল অদো কনাম্ব লৈরমদে, ইচিক চিকলমই। পান্ডেল অতোপ্পা নাকন অমদা নাহ্নরমই অতুপা মযুমদা চেনশিন্নমই। মতমহুদা মমাদি চাকথোংবগী থবক চিনবা মরমন' মাবু করিস্ব খৌশারমদে, অমস্তং মঙোন্দা য়েংবীরক্কে। মহাক্ক ট্রংক মনুংদগী কী মচা অম লৌথোক্লগা ক্লুরিস্ত থ উদা হাপচিল্লমই, অতুপা মমাবু খংহন্দনা মপান্দা খোরক্লনা শম্বল চোংথোকলগ জঙ্গল তাবা লম্বীদা চেনখিরমই। নোংমৈ অহু লুম্বন মহাক্ক চেনবদা মফৈগন্দা বোপ, বোপ য়ৈহহু তৌদনবা মথুং নাম্মনা নোংমৈ কারক্তুনা মহাক্ক ঙমবমথৈ জঙ্গলদা লৈরিবা ভেক কায়রবা মল্লবা চেক য়ৈকম মৈকম তানবা চেল্লমই। মহাক্ক কন্নামুক য়াম্ন: য়াংনা চেনবগে কায়ববু মখোঙনা লৈবাক শোকপঙুম শোক্তবঙুম তৌরমই, মুংশিংনা মনাকোং মম্নাদা হুইস, হুইস লাওনা পাইরমই।

জঙ্গল মনুংদা লৈরিবা মল্লবা চেক ইকপগী মৈকম অহু ইচিক চিক্লমই। মফম অদো নৌংথীজনা ভেক কাইরবগী দৃশ্য অমনি। ভেকথরব' উপাকী য়ুমথক্লা মচেং মচেং তাহুনা লৈরিবা মভেক-মভেক ভেকলবা চেকভেকশিং, কিম্বরবা লৈরংনা লৈরি ইচিক চিক্লা, নাইতোম তানা। অসিগুম্বা ভেকথ কায়থরবা, মহ্বরবা, মথক্ত নাপী শিংবী হৌজিল্লবা মফমসি, করিগুম্বা মতমদা হেক হেক শামবা লাকপা পান্ডেল অমস্তং মাপী মরুপ অনি নত্তনা কনানস্থ ঙসি কাওবদা হম্না য়েংবীত্রবনি। পান্ডেলনা থংলমই মহুপি, হুরাল্লকপ পোৎ পুম্নমক মফম অসিদা কজনা, মী খংহন্দনা লোৎপা য়াই হায়বা। মহাক লৈরংগী কারক অমদগী থর বাংবা অপর, কাথংলমই অহুগা কোয়রৈ লৈত্তনা চেকশিন্না য়েংলমই, তৌইঙুমস্তং কনাস্ব উরমদে। উরিবা হায়ববু উচান পাম্বীশিংনা লিরি শিংলিব' মুংশিংকী

ঈপোমদা ভপ্পা ভপ্পা লেংলিবা অমদি সড়ক্কী উ'চুলশিংবু মুশিংনা হুমদুনা পুরিবা। মালংগী ঈপোমলক্ক উশিংদগী থোক্লকপা গ্রম্বী কল্লবা, মনম অমস্ত্র য়াওরমই। পাভেলনা রিভোল্বর অদু মহাক্কী পুরকপা শি মচানা রোমশিংগা লৈরংগী কাচিন অমদা অমনবা অভেকপা চেক মচেকশিংনা কুপশিন্দুনা থম্লমই। চংলমদাইদা মহাক্কী অচোবা কিক্কবা লৈরংদ চেকচেক থরনা মকম থংনবা মেক্কশিংলম্লগা থোরকলমই। মতমতদা মহাক মকপলাক নীকলক্লমই। মচোন্দা অকিবগী ৱাখল্ ফাওরকলমই।

"করি থোকলগদগে?" মহাক্কী থম্মোইদা ভংদা করি থোঅগদগে হায়না খনবদা অৱাবা অম শাওরকলমই। মরম অদুনা মমুমদা চংকদবা ভোকথোক্লুনা নাহনমৈদা চুম্না পবার্ ষ্টেসন্দা চংলমই। চৌকিদারদগী শো লৌদুনা পবার ক্তাউসকী চংফম অপাকপা থোং ভাংদোক্লমই। অদুগা মহাক্কী এসপিক্ শোদোক্লবা মতমদা বোইলবদা ঈশিং চংলমই অদুগা মৈ চংপা ভৌরকলমই। লেক্তকভিন্সকিগীদা করি থোক্লবগে হায়না মহাক চুক্লমই।

অয়ুক্কী পুং ১১ দনি জুগ্রাই লাক্লুনা পাভেলবু মপান্দা কৌথোক্লকবসি

"নথোই য়ুমদা চুসি শিকৌরিবক্ত করিগীনো?"

মহাক্ক অতপ্পা থোনজেন্দা পাভেলদা হংলমই

পাভেল ইহুক চুক্লমই। "থোয় য়ুমদথিবৌবা?"

"অসুম হায়না থিবসি এঁদি পাযদে." জুগ্রাইনা ফিভম শেম্লহনা মখা ভারকলমই।" "মথোয়না করি থীরিবনো হায়বসি নংদি খংগুমলোই?"

পাভেলদি মথোয়না থিরিবক্ত করিনো হায়বা কক্লনা খংলমই, তৌইগুমম্বং মহাকনা জুগ্রাইদ নোংমৈ হুন্নারকপগী ৱা হায়দোকনবগী থৌনা মাগী লৈঙ্করমদে। মশা পুম্বা থৱাই ৱাক্তবনা

মরিক্কী চেক মন্‌ডু লৈবা পুখ্রি তাম চংলমই। খোঙ লাহে তুনা লাকখেন্ড উ পরেং পরেং হৌরিবা লম্বীদা চঙলুমই। মহাক্কী খেৎথেবা শরুক, মপান্না ব্রিলো পাম্বী অমদি এলডর পাম্বীনা লৌথীকনা হৌরবা পুখ্রি লৈরমই, এইথংবা শক্তকুনা তঙল লৈরে।

মহাক্না অন্দ্রম্ন পুখ্রিদা চংপা মতমদা, লিরবা মুঙ মুকফম খোরকলমই মফমদুদা ঈশিংলোমদা খোইচোম্নগী খোইজৈ অম থিংলোকখুনা লৈবা উবদা মহাক ঙাইহক্তং লেপলমই। চঙেৎ-নহুনা হৌরিবা ব্রিলো পাম্বীগী মরক্ত মচুক শিংখোক্লহুনা ব্রিলোগী মপাশিং তাখদোরমই। মেংথিবমক্তদা খেংদ্রাও অচোংবা থুকাউ ফাওবা তাখংপ, খোংচঙ্‌গ তোংদবা মূপা মচা অম মূপাগী মঙান্দা মঙাল শাকুনদুনা লৈবা উরমই। মূপামচাডুগী চেক মনাক্ত কোজ্জিং কারবা তিংখ্রাক কাপ্পা কৌটা অম লৈ। তোনম্বানা মূপা মচা অত্রবু উবদা খংলমই মতুদি মহাক মথৌদা পুক্নাং লুপশিন্দুনা লৈরমই, মরম অদুনা মহাক লাকই হায়বা খংলমদে।

“ঙা কাবনু ঙমজগত্রনে?”

মূপী অদুগী বা তাবদা পাস্তেল শাওনিংনা মচুক পৈরপ্প লেংজুম মথক্ত খেংলকলমই। মূপীমচা অদো শংবান্নবা মচুনা মুংলাং লাংবা কোলর পানবা অশ্লোবা মচুগী মেলর ব্রাউন্ড লিংলি। উং মাম মচুগী স্কার্ট শেংলি মহাক্ত ব্রিলো পাম্বী পাইরদুনা ঈশিংলোমদা নোম্নুনা লেপলমই। অকৌবা খোঙ খোজাগী মচু নাইবা মপান্না মূপীমচা অদুগী মুংশা মঙান্দা চৌরোক চৌরবা তবাব্রবা খোম্নদা তপ নপশিল্লি। খাম্নবা, তাংলৈনম্নবা, মচা তারবা শঘলাং মথকলোমদা হাংকুথলি।

মশা মজিক্তং লেংবদা খোইজৈ পাইখ্রিবা থুং লেংখিরমই, অদুনা মরম ওইদুনা ঈশিংদা তাঙজিবা খোইগং লেংলমই,

মতুংদগী কোয়রক কোয়থ: ঐশিং ঈপোম মচা' মচানা খোংনা উপরা ঈথায়দা মথাং মথাং শম্বোকখিরমই।

"য়েংঙু, য়েংঙু, চিংলে!" পাভেলগী মাকমগী কত্রম্মা খোমজেল অমনা লাওরকলমই। খংনখেল অমুনা মহাক্কী তুমিন লৈজবা অমু কায়খিরমই অমসুং মহাক্না খোইদ্রি অমু অমুক্কী মতিক কয়া মোয়লমই অদু দ ভেস্ত্রাক লেংবা খোই অমু ঈশিং মথক্ত তাওথংলকলমই।

"ভনদ্রেন্কা, ঙা কানবা থুদোং চাব মতম অমত্ত লৈজে। সিদা' কৈকৌ লাকইদো থংদে।" পাভেল খ্রুং ইতরপ শাউনিংনা থম্লমই। অদুগু মহাক্কী ঙা কাদবগী তঙ্বা অমু কোকন্নবগী-দমক মহাক্ন খোই অমু ভসাট মখেদগী য়োত্রিবা মকম, উরোং অনিগী মরক্তদা, খোইব্রিকুনা থুংবকাওবা থাম্না লংখোকলমই। মহাক্কী খোই চিংগদোবগুব তৌরমই, অদুদগী মহাক্না মহাক্কী মথক্ত তোর্বান্দা লৈরিবা পুশীমচাদুদ তুমিন্ন লৈনবা ঈঙ্গিং তৌরমই "মহাকপু তুমিন লৈবশিবু ভমত্রবয়নে? নংনা লাংবদুদা ঙা পুন্নমক লোইনবা চেনগ্রনি।" পাভেলনা অসি হায়ভরবসু মথক্তগী নোক্রুবগী, কাগীগী রাহৈ তারকলমই:

"মহাক্কী অশাওবগী মীংয়েংভুনা ভাদি কিব্রহবা ভসাইনা চেনগ্রবনি। মশাবু থাজবা খোইচোম্না মীনা হুংখিলদা খোইচোম্নসি ঙা কায়োই!" পাভেল ভমলিবমখৈ তুদিন লৈমবা খোংনভরমই। মদো মভোম্নদি, থাংমলবনি হৈমত্রবনি। মরম-ভুনা মহাক হোৎপংলমই অমুগা মহোশা তৌবভুম্না টুপী মখিং মথক্কা চিংথরমই।

"মভোম্না ওইরমলবদি মিস মহাক্ন কজনা তৌবীরমগদবনি," পাভেল মামা হুংভাইজদনা মায়ক্ত ভংলহুনা হায়রক্লমই। মতুংদা ভোমহাগী নিংথীরবা মিংসনা অনি তপ্ন তপ্ন হংখিরমই, তৌইভুম মীংসনাশিং অদুদ: মোমোন লোকপগী ঈথক্তদি মগোইনরমই।

"ঐহাক্কু: মভোম্দ মামা ভেংলমক্তা?"

লীতুহনা হংজরমই:

"মখোয়না আর্টেমবু কাপ্রজ্রা ?"

"কনাগুম কাখিদে. অদুবু ইমুংদা লৈবা পোৎ খুদীংমক্তী মথক মথা তুহোকখ্রে।"

পাভেল শাউত্তুনা থজিনদ্রংদি শঙ চাদিং তারমই, অদুবু ম.মী পুক্নীংগী লাংতক্ষবা অমদি অদুম্বক লৈরমই। মিকুপ খরদি জুগ্রাই অমসুং মচাক্নী রাখন্দা ষেংনবা অমমমগা লোইননা তুমিন তুমিন লেপ্লু.না লৈনরমই। মখোয় অনিমী মমুংদা অমদি থিরিবত্থু কল্লিনীনো চাবা থংলমই, থৌদোকতু-গীদমক হাজরমই; অমদি কব্রি অমগু থংলমদে, ওয়-তৈনবা রাখন্দা চিংনজহনা য়াম্না চেকশিন্না লৈরমই।

"কখেদা মখোয়সে. মখোইনা ঐগী মমমদা শাখিন থব থংলবা তাংলা. জুগ্রাইনা থলমই। "আর্টেম্না ঐগী মমমদা কব্রিগু থংদবনি, অদুগা কল্লিগীনো মখোয়না মাগী দুমদা মীরিবত্থ য়াম্না চেকশিনবা তাবনি।"

লেজকজিন্সকিগী ইমুং মচী লাংলমই।

লেফটেনেন্টনা রিভোলভর মাংগ্রে হায়বা থংলমই। মহাক্ন রিভোলভর অদু কনাগুমনা হুরানখিনা ওইরমগনি হায়রিবা মাগী শগোল পানবা তুপ যু কৌরমই। অফিসার য়াম্না শাউরমই, মহাক্ন মাগী চপ্রাসিগী মমায়দা থুত্নগা খিনজিনরমই. চপ্রাসি অদো মমায়দা খিনকপগী শাকুনা মচক পৈথরমই. মশা কেং কেং হায়রমই, মাখবা চৈনাখোলপা অমিং উইকম্ন-না মোল্লকপদা লোয়নদা চুম্না লেপ্লবা হোৎনরমই। উকিলবু রা হংলবগীদমক কৌইরমই, মাগী দুমদা অদুগুম্বা শুরাংবা অম খোকহনখিবগীদমক লেফটেনেন্টনা য়াম্না শাউনা অত্তোন্দা হায়জো হায়রমই। ভিক্টর লেজকজিন্সকিনা মোংহৈ ; অদু দুমদোলবা মীনা হুরানবা ওইরমগনি, অদুগা অংগোংবদি মচা ওইরিবা থজবা পাভেল কোর্চাগিন ওইরমগনি হায়বা হায়রকখমই।

মরম অসিদগী উকিলগী মচাগী ভাপ্পা শাজিকথা তাংকনু, ইমুঙনা লেকটরেক্টনা থুদক্ত ফিনঁনবা মাখং সীখিরনি ।, অদুবু খিবা অঙুদি মাখ পাকখিত্রে পোং কুখিত্রে । খোঁদেক্ত, অসিদগী পাঙ্ভলনা খংখিরদি, ব'ম্বা থুদোং থীবা থবকতু থৌনা মনা তৌরবদি কবিঙৌভা মতম্ম মাং পাকই ভারবসিনি ।

অঙমগুবা মতাং

ভোলবা হাংদোক্লিনা থোংনাউদা মাথল ফুংঙাইনা সুং- শিন্নবা চৈংখোলগু কোয়শিন্নব, অরাংবা অচৌবা উশিংনা লিরি তুম্বা মালংগী শাক্তমদা তপ্প তপ্পা লেংলিবত্ত য়েংলমই । মহাক্ক অঙাং পুইরিপ্ত মতমদা মকমসিদা লেনখিবা অমদি চহি মপুম ঙম হৌগ্রবনি হায়বসে থাজবদা বারমই । মঙোন্দদি ভরাংত মুন থাদোক্লমগা ভনি অমুকী য়েলদা অমুক লাকপগুম থল্লমই । মহাক্কী মীংয়েংনা উরিবা অপুম্বা করিঅমত্ত ওল্লমদে । রাস- পবরি পান্নীগী চবুন চবুনদিং, মহৌশাগুম ফজনা অঙ্গম লৈরমদি । চৈংখোলগী লম্বীদা পরেং পরেং হৌরিবা, মমানা পামজবা পেনসি লৈখাংশিংগু ফজনা অঙুমক লৈরমলি । চৈংখোল অঙ্গগী মথংদা লৈরিবা প্রকৃতিগী মুপিথোক্ত মীওইনগী থুংলেম য়াওরবা দৃশ্য পুম্নমক অদে', উগী মরমদা নিংথীজনা লৈরবা থুং লৈবা অমগী ভক্ত ভরুবা, লৈজ শিংজুবা, কজ্জলবা ভমগী গুম লৈতেংলবা শক্তি চৈংখোলগী থুবম প্রাক্কনি । অঙুগুবা, ফজনা শিং নাম্নবা, নিংথীবরু চৈংখোলগী লম্বী, মাগী অকোয়বদা লৈরিবা দৃশ্য পুম্নমক অঙুবু য়েংলুবদা ভোলবা তম্বা পোকলমই । অঙ্গগী মহাক্ক পান্নমলিবা উপন্যাস লৌথংলমই, থোঙ হাংদোকুনা ইমুঙগী মাঙোলজা থোকলমই, মাঙোলগী কুমথকন মিড়ী থাক্ত কুমথবুনা চৈংখোলদা চংলমই মচু শংলবা উগী জোজোং ইমুঙনা হাংদোকলগা পদুক ত্রৈমন

অমিঙুবা পাক্তেলগী মকমদ থম্মোই শোকনিঙাই ওইনা খোমজেল মচোলগী খোঙরকই, অমসুং মতুনা যাম্না চানবা মরমগ ওইনবগী নহৈ পীখিরমই। অদুগা তুমিন্না লৈজবা পাক্তেল "লুপীমচা" চুগী মকমদা মতম্বা অয়ানবা তাহনখিরমই। পাক্তেল মতমমতুদা ক্রুক তৌশংলমই অদুবু কন্নিদি লায়রকনি লুপীমচাদুনা মহাক্কী উপাই অমত্তা লৈরমদে।

"মহাক্ক পামুবদি অদুম লৈদুনা য়েংবা য়াই, এরোম্বদি য়েংবা য়েংলবা ইমান থাদৈ।" অম্মা অর্থ লৈনা হায়রদুনা কমথখিরমই অদুগা তাওরিবা লাক্তোমদা য়েংলমই। মখোই অদু উরদা পনখিরমই। পাক্তেল খোইরিহ চিংবা কীরমই মরমদি মহাক্ক মদু চিংলুরগা হেন্না চেংশিনখিবা নত্তুনা কোমখোকহনবা তমলোই। মহাক্ক চিংলুরগা নাম্বোকপা তন্থক্রুমদি মদুবু য়েংলিরা লুপীমচাদুনা হৌনা নোকসকনি। মরম অদুনা পাক্তেল লুপীমচা অঠ চংখিবা লাইথুক্রুমলমই। অদুম ওইনমক, তোনয়াদি রিলো মথক্তা হেমদুনা লুঙাইনা, থুকউ মথক্ক লাইরিক থমলগা, মহাকপু তরাম্না ওকপিদুবা, শাউরবা, ইমোং মোৎপা, লুংশা মঙান্দা লৈরিবা মমিৎ যুবা পাক্তেলবু য়েংদুনা লৈরমই। পাক্তেলদি লুপীমচা অদুদা য়েংথংলক্লবদু, মহাক্ক মথক্ক কয়া মরমনা মীংশেলগুম লংলবা ঊমাঙথক্ক লুজাহুগী মমি তরু তরুনা তাবদু উরমই। লুপী মচা অদুনা মহাক্কী লাইরিক্ক পুক্রিং থজিক্কুং লুপশিনবা উরদা পাক্তেলনা পল্লিবা খোইরি অদু য়াম্না চেকশিন্না কয়া চিংলমই। মহাক্ক অম্মা চিংলুবা মতমদা খোইগং অদু ঊশিং মনুংদা লুপখিরমই অমসুং হেন্না চেং-শিন্না পনখিরমই।

"হেনগৎলে চেকশিনখ্রে, তনগ্রেবা!" অদুম্না মপুরোইগী শোনজরমই। মতমশিমক্তা লুজাহুনা মদু য়েংদুনা নোকপহ ঊশিংদা উরমই।

অমবগাদুনা মিমশানিরবগী লেকেট্ট থ্রেত্তা তম্না চাউ মিংকক-শরুক হাক্তমকী খোংদ লাক্তুনা লাক্লই। খোইগী মনিম

মহুৎসম্পী অমদি রেলগী চিক ওইরিবা, সুখারকোগী মচা চহি ১৭ শুরবা, মশম শাংবা, মমাই চাবা, থংনেপনবা, মাগী মমা-মবশিংবা মাংজাংবা শুমকা হায়না খংনবা সুরকানি। মহাক্না মচিনবান্দ চুরুট অম চপ্লদুনা ফজরবা থোইদৈ অম থোইরিগা লোয়নবা পুরকদমই। মহাক্না লোয়নরকলিবা সুপাদুনা মরেপ য়াংবা, সুপী মানবা ভিক্তর লেজকজিন্সকীনি।

"হৌজিক্তী সুপীমচা অসি য়াম্না ফজরে, য়ামদদি মাণ্ডম্না অমত্তু লৈতে," সুখারকোনা য়াম্ম থরাই য়াওনা মমিৎ থংলদুনা মমায়বদুদা মোন্দুয়দুনা হায়রমই। "ঐনা হায়রিবসে থাজো, মদুদি মহাক র-র রোমাঙ্গনা পিক থমবনি। মহাক কাউকনী স্কুলদা তকুকশুবা গ্রেড্ডা তম্লিবনি। হৌজিক মহাক মচাকী মপাগা কাল্লেন্ধা লেম্নবগীদমক লাকলিবনি। মহাক্কী মপা মফম সিপী চিক কোয়েস্ট বার্ডেননি। ঐগী ইচন লিজাগা মহাক্না থংনৈ। ঐনা মঙোন্দা য়াম্না থম্মোই শোকলব চিঠি অম ইথিবনি। 'মহাক্না পুম্নমক থংলিবনি- ঐনা মংবু থম্মোই পোক্কুংশি হায়বা—মহাকী মীসুংশিগী পাওথুমবু থরাইসে ভনিক ভনিক্কু ওাইজরিবনি।' অসিমক্ত মত্তুনা 'নাডসন'দগী চানবা শৈরেংশু লৌখোক্কুনা কাপথিবনি।"

"করে, মদুনা কন কবি লাক্কনম্রে?" ভিক্টরনা থংলিংনা হংলমই।

"অহ, মহুনা মহাক শাথীনা পামগ্রবনি, মদুগী মরমদা মহাক ভাওরিবনি," সুখারকোনা ইকায়দপন হায়রমই।

"ঐড্ডোন্দা চে মাংনেবা ইবা চিঠীগী মরমদা ভাংলকহু। অহুবু অহানবা হৌবদদি অদুমা লোইনা তৌগৈ। 'অদুগুম্না থবক্কুদদি ঐদি য়াম্না হৈরবনি।' অশোংবনি—ঐদি অদুগুম্না কবিন্ত কাম্নদবা রোমাঙ্গন্ত চহি কয়া ভাওদুনা লৈবা ওইদোই; মহুগী মহুৎতা হুমিদাং অর্থ কিপীয়ার্মেনশিংগী মুখো" চংলগা কুবল অহুম পীদুনা কচাকী অম, মদুনা মংবু পেশহনব ভমগনি।

অতৈদি কয়িস্ত কায়ক্রে। ঐহাক তাদকা চিখোনোভকা চংথিরৈ—মহাক মাবু থংত্রা? রেলরে কোয়থেনজু।"

ভিকটরনা ভুক্কচনা চৈরকলমই।

"ঐহোন্দা অহৃঙবা নংনা কংতবা, অমোংপা, লুদবা থবক চংলুবগী পাও তমইবা, সুরা?"

সুরা চুরুট অত্ত মচিন্দা ক্রোক ক্রোক ওংলমই অত্তুগা মত্তিন শিংলহুনা করেম্না খুমলকলমই:

"য়াম্না ধর্ম্ম চেনবকাক শাশিন্নগদ্র। মহাক্না মকমদ্দা কয়িগীদমক চংলিবনো তায়বা ঐ থংই।"

পুন্নমক তোকথোক্কুনা ভিকটরনা মরক থংলকলমই। "নংনা ঐবু নংগী কজবীত্তদা শক তাকপীগদ্রা?"

"কয়িগী তাক্কনি। ঐখোয় থুনা চংসি নত্রবদি নাম্হোক-হৌগনি। ওরাংসু মহাক মতোমতা খোইচোপ্পা চংলি।"

মরুপ অহুনিদ্দুনা তোনয়াগী মনাক্ত য়োবগা সুধারকোনা মহাক্কী মচিন্দগী চুরুট লৌথোকলমই অহুগা ইচং থৌনা, ব্যবহারগা লোইননা মোস্থরজুনা তোনয়াদা হংলমই।

"করম তোবীরীবগে, মাডেমোইজেলি তুমানোভ। খোই চোপ্পা লাকপীত্রা?"

"নত্তে, ঐহাক চুপ্পা য়েংলিবনি," তোনয়ানা খুমলক্লমই।

"নখোয় অনি অমুক্ত উমরমথিরোই, উনরবরনে?" সুধা-কোনা; ভিকটরগী পাখোম পাইদুনা চিংশিনগা তোনয়াদা শকতাক্লমই। "মহাক ঐগী মরুপ ভিকটর লেজকজিন্সকিনি।" ভিকটর ইকায়বা খুৎ শোক্লমবগীদমক তোনয়াদা মখুং তিংখো-কলমই। "তৌসি দি খোই চোপত্রবদি করি তৌরে?" সুধাকোনা য়ামী মথা চংথবা য়ানবা হংলমই।

"ঐগী খোইদৈ শুরকপা কাওরমলে।" তোনয়ানা খুমল-কমই।

"ঐ মচোমা অকরা বম লৌরগে," সুখাকৈনা হায়রমই। "মরকসিদা ঐখোয়সি মহাক্ক শিংজিনবীবা য়াগনি। য়িনিট মখাই মমুংদা হল্লকনি।"

মহাক্না ভিকটরবু তোময়াগী মকমদ: শকতাকনি হায়খিবগীদ পাংথোকখ্রে অদুগা মবানিভমক অহাংবা মকমদুদা থমলমগদবদি য়ায়া লাংতক্লরমই।

"ঐ তৌজখোই, ঐহাক সুম লৈরগে। কনাগুম্বা অম মকমসিদা খোই চোপলি।" তোনয়ানা থুমলকলমই।

"কদোমদা ?" সুখাকৈনা হংলমই। "অো, নহাক্না হায়রিবদু মহাক্না ?" মোংশোং অমগী মথাদা কমলিব: পাজেলবু মহাক্ক অহানবা ওইনা শকখংখি। "মাগী ওইরে, মাবুদি ঐনা থুপাক্ক অনিরক থাবদা মথনগী চংচখিদ্রি।" অসি হায়রমলগা সুখাক্কৈ তোনয়ানা থাম্বা নংহৌদনা খোই চোয়াদা পুক্নীং লুপচরিবা পাজেলগী মনাক্ত কুমথখিরমই।

"নংগী খোইদু চিংখংলো অদুগা চংখ্রো," সুখাকৈনা পাজেলবু য়াম্না উশিংজবগী মওংদা হায়রকলমই। মহাক্না অদুমা হায়জরবমু পাজেলনা ইইং ইংনা খোই অদুম চোপ্তুনা লৈবদুবা মথা তারকলমই। "প্রপ প্রপ ... ...তো।"

পাজেল সুখাকৈদা মচক লৈথংলহনা অকনা পুরক্লোইদবা মীংথ্রেং অমনা থ্রেংলকলমই।

"চুমিন লৈয়ু। নংবু কনানেনা খদৌনরিবা।"

"কু......রি !" সুখাকৈনা শাফনা খুমকলমই। "মী [illegible], নথজাইক্লবা থুবাক অদুগী পাংথুম ওইনা থীবনি। চংখোং-কখো চংখো ......মদোকখ্রো।" অসি হায়রদুনা [illegible] য়াম্না [illegible] পাজেলগী [illegible] হায়া,কৌটা অদু [illegible] [illegible] কাওখিরমই। কৌটা অদু [illegible] [illegible] [illegible] চুপ লাকপা [illegible] অদুগা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] বা লাউনা চোংথংদকলমই।

"নখো অদুম্বা তৌরিবদুনু মহাক মতোমতবু ইকায়খত্রা, সুখার্কো।" তোনয়ানা লাওরকলমই।

পাভেল কুক হৌগৎলমই। মহাক্না মসিমদু খংলকই, অদুদি সুখার্কো আর্টেমনা থবক তৌরিবা রেলৱে চিককী মচানি হায়বা। করিগুম্বা মহাক্না, থরেক-থরেক্কুবা, উচি মানবা মমায়-দুবা থিনজিল্লুবা ভাবদি, মহাক্ন মহাকী মপাদা শোইদনা ভমলুগনি; অদুদগী, মদুদা থবক তৌরিব' মম্বাম্বা আর্টেমদা খুদোংথীবা থোক্লকলি। অসিমক্তনা মরম ওইদুনা সুখার্কোনা অহক থীনা, য়াম্না উশিত্তুনা হায়রবা কাওবদা তুমিন্না থাংদুনা লৈথোকপা ঙম্মলি, লৈথোকপনি। অদুবু, করিগুম্বা মহাক্ন হেনজিল্লকলবদি থিনগে হায়না খল্লিরৈঙদা সুখার্কো মমাংদা চং-শিল্লকলমই অদুগা মখুৎ অনিনা পাভেলগী থবাক্তা পাইরদুনা ইল্লমই। পাভেল ঈশিং মপানমক্তদা কৈরেং-তুরেংনা মখুৎ অনি হাইদুনা ঈশিংদা তাগে তৌনা নোমদুনা লেপলমই। হাইরিবা মখুৎ অনিদুনা মশাগী কৈরেংনবগী শাফু ফাবা মরম্না ঈশিংদ' তাগদনদগীদি মশাবু কনজরমই। সুখার্কো পাভেলদগী চহি অনি হল্লি অদুগা মীয়াম্না মাং, য়াম্না খংনবা পাম্বা মী ওইনা খংনরিবনি। ঙসাই মথৈ ময়াম্বগী থন্দুনা অশাউবা কয়াবু কাংবরসু, মখবাক পাইদুনা ইল্লুবা মতমদদি পাভেল অশাওবগী মথক্তা অশ'ওবা অমা হাপকৎলক্লমই।

"নংনা পামলিবদি সি ওইরে, সে লৌরো।" মপাম্বোম খজিক্তং থাজংলদুনা পাভেলনা সুখার্কোগী মমাংদা দক লাওনা খিনজিল্লমই। সুখার্কোনা মহুগী লম্মন খুমলকত্রিরৈঙদা, পাভেল মাগী খী পাইদুনা চিংশিল্লগা ঈশিংদো মমশিল্লমই। ঈশিং মনুংদা খুকত্তু খুদক কুন্দুনা কুরিং-খোজ্জাও অমদি লংনা কাপ থারকলবা খোঙ্কুপ পুম্নমক পুমচোৎ চোংলা পাভেলন' চেংনা পাইশিন্দুনা নমশিল্লিবদুদগী নাহোক্কুবা কয়া হোংনরমই। পাভেল, মাগী খুদোং চাগদবা মতাং হেংদুনা তোর্বান্দা

চোক্লেংলমই। শাউরবা স্থুখার্কো পাভেলবু মচেং মচেং শৈগা-রবা ওয়েগদবগুম হোৎচিনকলমই। পাভেলনা মাগী লম্বা অহুগা মাহোক্লকহনবা মতম অহুবা মাগী ওঝানা তাকখিবা পরা নীং-শিংলক্লমই।

"তারি অপুস্ব ওইথংবা খোঙদা পীয়ু, লোইননা হেংথংবা খোঙহু চপ তিংনা খুকউ কোহো নশাগী তারি অপুবা নখুত্তা পীয়ু, অহুগা মদাংদা থিনগংল্লু।"

দক! লাওনা পাভেলনা থিনগংলমই। অকানবা খুথিন্দা স্থুখার্কোগী ময়া কক্ লাওনা চিকশিন্নরমই। মদাংদা থিনজি-ল্লকপা অমদি ময়া অনিগী কারক্তা গবৈ লৈরম্বা, মতুদা য়াথক য়াখানা চিকশিনখিবতুদা য়াম্বা নারক্তুনা ইঙাও ঙাওনা মথুং মশা কন্দোক্লহুনা লোংনা ঊশিং মথক্তা জম লাউবা অহোবা খোনজেলগা লোয়ননা তাখিরমই।

তোর্ব্বান্দদি তোনয়া হেয়া কয়া নোকথংলক্লমই।

"অঙকপনি, অঙকপনি।" মহাক্তা খুবাক খুরহুনা লাউরক-লমই।

"কজৈ, কজৈ!"

পাভেল খুনমক মহাক্তী পল্লিবা খোইরি অহু অম্বক্তী মতিক কন্না চিংলমই মতুদি খোইরি তংখিরমই। অতুদগী মহাক্ত তোর্ব্বান্দা কাথংহুনা লম্বী তাখিরমই।

রেল ষ্টেসন্দা খুদোং থীবা থোরক্লবগী মওং লৈরমই। মতুদি ষ্টেসন্দুদা থবক তৌবা মীশিংনা রেলগাড়ীদা খুংলাই পুই হায়বগী তোঙঙা অম শন্দোরকলমই। থংনবা অচৌবা রেলবে য়ার্ডকী থবক ওবশিংনা হায়রিবা থবক অসি চাওনা তৌরকলমই। অদুগুম্বা তোকঙা অমদি থবকশিং অতুদগী, পোক্রেমেসন পুরমই হায়না চিংনবা ইনজিন ড্রাইভর অলিথক অম'নশিংনা কারমই। অসিদগী নত্তনা থবকওবশিংগী ময়ক্তা লম তানবা অমসুং জমিদারশিংনা মখোইগী রমদা হনজিন-কপগী অয়োবী মথাং-মরাংলীবা থুজংগী লমগা, য়েংনবা অম

লৈরমই। মসিগী স্টেটরগী গার্ডশিংনা লৌমীশিংগী মনমদা হম্মীনা চুপীরমই। অসিগুম্বা ইথকসিদা ইরোইনবা ওবনি যাদা পার্টিশানগী. কমান্দান কনথহনলক্লমই, বোলসেভিকশিংনা পার্টি-সান ডিটেচমেন্ট কাংবু, কাংবু শেমগৎলকলমই।

মতমসিদা মুখ্রাইদি মীকুপ অম ফাওবা পোথাবা ফংলমদে, টাউনদা মখ'ক্ক লৈরিবৈদা থবক কয়ামুক তৌরমই। মহাক্ক রেলবে বার্করশিং ওনরম্বই, নহারোল মরাম খে.মজিন্দুনা মীটিং তৌরমই অদুগা রেলবে মেকানিকশিং অমসুং সো মিলগী থবক ওবশিংগী মলুংদগী শক্তী লৈবা অকনবা ক ংবু অম শেমগৎলমই। পুম্নমক অসিগ' মরি লৈননা মহাক্ক আর্টেম করম্বা মামকৈদা লেপলিবগে হায়বা থংনিংলমই। মরম অদুনা নোংম মহাক্না আর্টেমদা বোলসেভিক পার্টি অমসুং মসিগী মরমদা করি খনবগে হায়না হংলমই।

"প টিশিং অসিগী মরমদা ঐ করি অমত্ত খংজদে, কিওদোর" কয়বা মেকানিক অদুনা খুমলকলমই। "তৌইওবসুং নহাক্ক ঐখোন্দগী তেংবাং দরকার ওইরকলবদি, মতুংদনক ঐবু মশীং থাবা য়াগনি।"

আর্টেমগী পাওখুমদা কিওদোর পেনজরমই, মরমদি মহাক্না খংই মহাক্দি আর্টেম অচুম্বা মামকৈদা লৈ, অদুগা কৈদৌউবসু মহাক্না হায়রিবা বা জাক্কবা তৌরোই। পার্টিগী মামকৈরোমদা লেংলুবরমি মহাক করিসু খোশাদে। "করি'মত্ত' থম্মগনু," মহাক্ক খকলরমই। "অহুওম্না মতম লাক্লবদা মশা মতোমত্ত খংতরকনি।"

কিওদোরনা পয়ার স্টেসনগী থবক থাদোক্লমই, অদুগা রেলবে মার্ডতা থবক তৌরমই। মরমদি পয়ার স্টেসন্দা লৈরবদি মহাক্ক শিনমুনিংলিবা থবকশিংদা খুদোং চাবা থম্ব বাংদি। মতমসিদা জর্মনশিংবা লুট তৌহনা পুম্বকপা, মাই, গেহু অমসুং মা-মনশিং ট্রেনগী অর্মা তানা পুবদা রেলবে যাম্না মখৌ চিনম্নরক্লই।

মোংবদি হৈংবেন গার্ডশিংকী হেন্দন টেংগ্রাকিন, পোনেং মোৱেনকো কাখিরমই অদুগা মহাকপু গার্ড হাউস মখুংদা পুশিন্দুনা হমথীনা হুন্দশীনমই। আর্টেমগা থবক তৌমিনবা ৱোমান সিডোরেন্কোবু পীথোকখিবা মীপান্ড ভলেংলাক মহাক ওইরমই। জর্মন অনি, হেটমেন গর্ড অম, অমসুং ষ্টেশন কমা-ন্ডেন্টকী এসিষ্টেন্টিনে মথোই মরি ৱোমানা থবক শুজখিবৈগী মশকদা লাক্লমই। মা জম ক'ওবা হং-খোংপা তৌদনা এসিষ্টেন্ট কমান্ডেন্ট অদুনা ৱোমান্‌ কমলিবা কালোমদা চংশিল্লমই অদুগা মমংমদা মহাকী শগোল শাজৈনা কল্লমই।

"লাউ, হে ভুত ! নঙোন্দা কখিগুম্বা থব হংগদবা লৈরে," এসিষ্টেন্ট কমান্ডেন্টনা হায়রকলমই। অসি হায়রদুনা মহাক্না মেকানিক অদুগী মপানগোম য়াম্না নানা লৈহৎলমই। "হৈ, ঐখোয়না নঙোন্দা এজিটেসন করম্না তৌবনো হায়বা তম্বীগনি।"

আর্টেম থাইসতা থবক শুরখদগী রেতি থাংবহনা মাগী কল্লবা মুর্ত্তি অদু মুৱদুনা এসিষ্টেন্ট কমানডেন্ট হুম্না চংশিল্ল-লমই।

"মঙোন্দা ফুগম্মু, হে, মথোং মরম থংদবা !"

আর্টেম অশাউবগা লোয়ননা হংলহনা হায়রকলমই।

মপাঙ্গল কল্লবা, আর্টেমনা অহম্না মুকলকপদা এসিষ্টেন্ট কমান্ডেন্ট অদু মহাকী পিস্তৌল মথুম হাংদোকলহনা ছুংদা খোঙকাপ থম হল্লমই। মথক নেম্না জর্মন অমম মাগী মরেংবন্দগী পাক্লবা, ময়া খৌরবা শজীন য়াওবা যাইকল দৌথরমই অদুগা য়াম্না অয়াকপা খোমজেনগা লোয়ননা বোল্ট পাম্শিল্লমই।

"লেম্ম্ !" করিগুম্বা লেংলবদি থংনবা মীকুপ অমদা কাপথাইরগদৌবগুম কয়া লাওরকলমই। কল্লবা, রাং-চাওরবা, থৌনা করবা আর্টেম শীক্লবা সিকাই অদুগী মমাংদা থৌদা পুম্নমক থাংগ্রবগুম, ছুখিম্না লেম্না তারমই। অদুপদি ৱোমান

[illegible] [illegible] মখোয় অনিমক কাহুনা পুখিরকই। আর্ট্রৈম্বদি পুং অমত্তোম লৈরগা থাদোক্লমই; তৌইগুম্বস্নুং রোঞ্চরদি কা অমদা পুশিন্দুনা থমখিরমই।

কাখিবা মতুং মিনিট ভরামুক লৈরগদি মী অমত্ত থবক শুক্রে, থবক্ শুবা থাদোক্লে। রেলবে বার্করশিং, স্টইচমেন-শিং অদুগা রায়ার হাউসতা থবক তৌরিবা মীশিংনা চাওনা ষ্টেসন পার্কতা পুল্লমই। মখোয় কনা মক্তনা [illegible] খোদো অদুবু পেন্নরমদে। পেন্সবগী মম্মাই কাবুবা [illegible] লোইনা রোমান অমস্তং পোনোমারেঙ্কোবু থাদোক্লবা হৈচে হৈরমই, লোইননা মখোয়গী থম্মোইদা অশাউবগী মৌরি অম চাকথং-লমই। মতমতুদা এসিস্টেন্ট কমান্দেণ্টনা লাম্মী কাংবু অমগা লোয়ননা চংলকলমই, অদুদা রিভোলবর অম থাজংতুনা হাইরগা লাওরকলমই:

"থবক্তু হন্জিল্লো, থবক শুরো, নত্রবদি ঐনা হেক শুদবা মী পুম্নমক মফমতুমক্তগী কাপনি। লমহেনবশিংদি শক্লাদো হৈথায়গদবনি।"

অস্তম্বা কমান্দেন্টনা তৌথোরকপা অদুনমুকস্তু মীয়ামগী থম্মোইদা থাংগুমদবা অশাওবগী মৈরি হেন্নমুক হেনগংলমই।

শাউরবা বার্করশিং লাউ-খোংবা হৌরকলমই। অদুগুম্বা লাউ-খোংবগী খোনজেলনা, থাংগুমদবগী ঈথক্লা নিল্লবা ষ্টেসন অদুবু কুপশিল্লমই। শাক্ত ষ্বাওরবা নিল্লবা খোনজেন্দুনা কমান্দেন্ট অদুগী রাঙাংগী পাওখুম ওইরকলমই। অদুওইদুনস্তু, বার্করশিংনা লাউ খোংজদুনস্তু, মহাক্লা অর্মন ক্রুপশিংবু লাক্লবা থংহনখিরমই। অদুদগী ত্রক মপোং, মপোং, ষ্টেসন পার্ক তদা লাকলমই। বার্করশিং পুম্নমক থওহৌদনা মাংনখিরমই অমন্থং ময়ুম ময়ুমদা হন্নখিরমই। ভাইহাক্কী মতুংদদি ষ্টেসন অদো ষ্টেসন মাষ্টর নত্তনা থবক তৌবানবা কনাস্থ লৈহৌদ্রে। ক্রুপ্রাইগীদি মসিনা মহাক্কী থবক হৌবা হায়বত্থ ওইরমই।

অতুগা থবক তৌদুনা চাঙবা মীশিং পুমা হৌরবা, মতুমশিংগী মথক্তা হৌবা ঊকৌপ্পু অহানবা ওইরমই।

মতুগী ঊহৌ অতুবু নমথনবগীদমক্তা, জর্মনশিংনা ঙাউরবা মেচিনগন অমা ষ্টেসন প্লেটফোর্মদা থিল্লমই। মতুনা পুংজাগী মশিংবু মু মুতুনা থিল্লিবা মরীগী কাটাগুম, নত্রগা করিগুম্বা পোৎ অমবু মুবগী মতৌগুম য়েক্লবা মী থিরিবা হুনাগুম্বা অমগুম লেপ্লমই। মতাকী হেক মনাক্তা জর্মন কোর্পোরেল অম নিঙগোংনেনা কমতুনা, মহাকী খুৎ শানা ভিংখ্রদা পাইদুনা কাপকদবগী অমৌবী কীবমদা শাংদুনা লৈরমই।

ষ্টেসন অদো মী ভাত্রবা মরুভূমি অমগী মতৌগুম পুমচিক চিকলমই। নুমিদাংগী মতম য়ৌরকলবদা জর্মনশিংনা ব্যারকশিং কাবগী থবক হৌরকলমই। কাম্বিবশিংগী মফুংদা আর্টিলরী য়াওরমই। কাম্বিবা ব্যারকর পুম্নমক অদো রায়াব হাউসকী পোৎ চৈ থমকনা, চাওরবা কা অমদা পুম্নপ থমলমই, অতুগা মখোয়বু থবক্তা হনজিলহনবদা নত্রগা কোর্টমার্সিয়েল তৌবগী খোদা পীরমই।

রেলরে লাইন পুম্নমক ষ্টাইক তৌরকলমই। মতুনা মরম ওইদুনা মুংথিল অমা অমস্তুং নুমিদাং অমদি রেল অমা কাওবা চেল্লমদে। মকম অহুদগী কিলোমিটর চামগা কুনলোয় লপ্পা মফমদা রিভোলুসনরী ডিটেচমেনটশিংনা রেলরে লাইন অমস্তুং খোঙ কাপথাইরমই। মরম অদুনা মফমদুদা জর্মনশিংনা ডিটেচমেনটশিংগা অকনবা লানফম অমা থেংনরমই।

নুমিদাংদা জর্মন ত্রুপ য়াওবা রেল অমা ষ্টেসনদা চংলকলমই অহুগা লেপ্লমই, মরমদি ঈঞ্জিন ড্রাইভর অমস্তুং মাগী ভেংবাংবন ঈঞ্জিন থাদোক্লমই। মকম অদুদা রেল অনি অমগা চংকদবগীদমক-ইদুনা লৈরমই। মতমদুদা ব্যারকর ময়াম কাজিন্দুনা থমলিবা কাগী চাওরবা খোঙ হাংদোক্লকমই অহুগা ষ্টেসন কমাণ্ডেন্টনে, জর্মন

লেফটরেন্ট অমসুং মাগী ভেংবাংবশিংগা লোইননা, জর্মন কাংবু অম চংলকলমই।

কোর্চাগিন, পোলেনতোভস্কি অমসুং ক্রুজাক কমান্দেন্টকী এসিষ্টেন্টনা কৌথোকলক্লমই। মথোয় মখেনা রেল খোবা কাংবু অম শাউ অতুগা রেল অম হৌজিক হৌজিমক খোদোকখো। করিগুম্বা, নখোয়না য়াথং অস্সিবু ইন্দুনা য়াদবা থোক্লবদি, খুদকসিদা, মফমসিমক্তা কাপথুম্বান। করি হায়রিংবগে।"

ব্রুর্কর অহুমত্তু য়ানিংদনা য়াবা ভারমই, মরমদি নোংমৈ গুলি অম হায়বসিনা মীওইবা অমগী পুন্সিবু য়াম্না লায়না মাং-তাকহনবা ঙম্বই। অতোপ্পা রেল অম খোননবগীদমক এসিষ্টেন্ট কমান্দেন্টনা রেল ড্রাইভর, হেল্পর অমসুং ফাইয়ারমেন কোবা চংখ্রিষ্টৈদা মখোয় অহুমবু গার্ডনা চপলত্তুনা রেল ভানা পুরমই।

শাউরব', শাফিং চাবা কৈগী মতোগুম, মৈথু অমসুং মৈরিক ময়াম অম কামথোকলত্তুনা চঙ্গিন অদু খোনজেল হোনা ঙংলকলমই। অস্তুম্না য়াম্না কম্না ঙংলদুনা রেল অদু সুমিদাং অমম্বদ, লোইনাইদবা অমম্বগী মরক কাওদত্তুনা য়াংনা চেল্লমই। কে য়লা কোত্তুনা ফাইমারবোকসতা হাপচিললিবা অচৌমনা মথোঙনা থোঙ কাওত্তুনা থিংজিল্লমই অদুগা খুৎলায় উপু মথক্ত লৈরিবা চা হাপ্পবা পাত্রদগী ঈশিং য়াউম অম থকলমই। ঈশিং য়াউম অদু য়োৎশিল্লদুনা অহল ওইরবা পোলেনতোভসকিদা ওনশিল্লকলমই।

"পাবুং, ঐখোয়বু সুম খোবা তারিত্রা?"

অহল ওইরবগী পীশুম তুমথোকলকলবা পোলেনতোভসকি সুংঙাইতনা মমিৎ ভখপ ভখপ খপলত্তুনা হায়রকলমই।

"নতুংদা শঙ্গিম্না মুত্তুনা লৈবনা নহাক অহুম খোবা তাবনি।" টেন্দরদা কমক্তুনা লৈরিবা জর্মনবু য়েংলগা ক্রুজাক্না অমুক

হায়রকই।

"ঐখোয়না পুম্নমক অসি থুগাইবা ঙমগনিনা,"
"ঐখোয়গী ভুংদা মখোয়না লৈরমত্রবদি. ঐশু অদুম্না বনি।"
আর্টেমনা মায়ক ওংলহুনা ক্রুজাকী পাওখুম পীখুম হায়-
রকুলমই।

"মদু অচুম্বনি।" ত্রুজাক্না অমদা মশু পীবা তৌদনা-
খোংনাউদা মশুক পীখোক্না হায়রক্লমই। মশুমহুদা অহল ওইরবা
পোলেনতোজসকী আর্টেমগী নাক্তা চংশিল্লকলমই।

"রেলসে, ঐখোয়না অা ক্রাওবা সুম থৌরোই, তাপ
তারবরা?" মহাক্না আর্টেমদা লোম্না হায়রমই। "ঐখোয়গী
রিভোলুনরি বোলসেভিক কাংবুগা অমনশিংগা রেল লম্বী কাপ-
খাইখিবা মকমহুদা লালথেংনরিবনি। ঐখোয়না লাম্নাশিং
অসিবু মকমতুদা রেলসিনা পুরবদি লালহৌবশিং অত্তবু শোয়দনা
কাপখায়বীবা তাবনি। খংলেদনা ইচাম্নুপা ঐদি তারকী মশুম
ফাওবদা অন্দলোন তৌরিতৈ মশুমদদি রেল সুকথৌ থৌদে.
মরম অদুনা ঐনা হৌজিকসু থবক অসি তৌরোই। মরমদ
ঐখোয়না থবক শুবা কাংবুবু মাং-তাকহনবা তারবদি ঐখোয়
পুন্সি চুপ্পা ইকায়বগী মায়থোং পুবা তাবনি, খুবাংমায়খোং-
নরবনি। মংনসু খংইবহুনি, অতোপ্পা ইঞ্জিন থৌবা কাংবুসু
থবক অসি খাদোক্লুনা চেনথ্রবহুদি, চেনখিত্ররনে মখোয়বু ?
মখোয় মশাদা খুদোংথীবা ঙাইহুনা লৈরে হায়বা খংনা খংনা
মখোয়না থবক অদু তৌখ্রিবহুনি (খাদোকখিবা)। মরম অদুনা
ঐখোয়না রেল অসি মকম অদু ফাওবা থৌদোইদবনি। নহাক
করি খনবগে?"

"হায়বীরিবদু অচুম্বনি পাবুং, অদুম ওইমমক পাবুংনা
মহাকী মমাংদা করি তৌবা ঙমগনি?" আর্টেমনা টেন্দর মথক্তা
কমলিবা সিফাই অম ভাকলহুনা হায়রমই।

ড্রাইভর অহল অদু পীশুম শুকথরক্লমই। হুমাংনা চোংলবা
মায়থোং ভৈথোকলমই অদগা ঈ কারবা মমিংনা প্রেসরগেজদা

মুনা য়েংলমই। মঙোন্দা শিংবা কাবনগী লৈথেং শীরবিবা'রা-ংবদুগী পাওখুম খুমকনু থংজেবা, মরাই কাবব থমোইনা চীরমই। অদুদগী মহাক-য়াম্না শাউনা অমদি মীংওমদনা চুমিন লৈশিল্লমই।

আর্টেম অমুক্তা হন্না ঐশিং থকলমই। মখোয় অনিমক্তা মায়বা রাখল অমত্তমক থম্মই, অদুবু কনাঅমত্তনদি, নিংবা কারবগা লোয়মনা, ঐজিনগী হৌরবা মখোয়মক, অচিকপগী মীকুপ অম ওইরকলিবদুদি থুগাইবা ঙমলমদে। অসিগুম্বা পুক্কিগী রাহং কয়ানা লাঙ্গোয় চল্লকলবা লুববা তাংকম অদুদা আর্টেম জুগ্রাইনা মঙোন্দা হংখিবা রাহং মীংশিংলকলমই।

"করে ইনাও, বোলসেভিক পার্টি অমসুং কম্যুনিষ্টকী রাখলগী ফিভমগী মরমদা নহাক্না করি খনবগে?" অদুগা মহাক মশামক্তা পাওখুমম্মু "ঐহাক মতম পুম্বদা তেংবাংনব থৌরাং লৈ, নহাক্না ঐবু মশীং থাবা য়াগনি ....।"

"য় ম্না নমচুনা লান্দাবগী মতাং অসে তেংবাংনবগীদমক্তদি ফজরবা ত নজানি।" মহাক্ন খনজরমই।

পোলেনতোংভসকি খুংলায় উপু মথক্ত কাথংলমই অদুগা নোক্লবতুনা আর্টেমদা বা অম হায়রক্লমই। "ঐখোয়না থবক ভৌগদৌরিসে সিগী মুপা'সনি, তাপ তারেকো?"

আর্টেমনা চুপা অদুদা য়েংলমই। খুদকতা পোলেন-তোভসকিনা হন্না চিকলদুনা মথা তা'রকলমই:

"মুপাসিগী মকোক্তা থোম্বা, অদুগা থেপ্রটটল থুগাইবা, লেথরশিং লৈল্লুংদা লংশিল্লম্বা; স্টিমলাইন ককথংলমলগা চেন-খিবা নত্তনা অতৈ উপাই অমত্তম্ব লৈতে।

অহল অদুগী রাহৈদু তাংবদা আর্টেম মহাক্তী মথক্তা লুম্না পোংলুম অমনা ননশিল্লকপত্তম তোয়মই। অদু ওইদুনসু "কৈ!" হায়না খুমলমই। ত্তজাকলোমদা নোক্লমদুনা আর্টেম মখোইনা তৌগদৌরিবা থবক অদুগী মরমদা হায়রমই। অদুবু ত্তজাক পাওখুম কোক্লা পীবা ঙমলমদে। মরমদি মখোয়

পুন্সিমগী ইমুংগী অমরমিবেকা মখোয়গী পূরিবনি। মখোয়গা মরূপ থোকপা অমগী নৎতে কৈদৌনুংদা অমত্তা শাকোক্লবগী থমোয় উইবা থৌরকপা তামবনি মৈবোলগী থৌদ্রবগী তাকপা লোয়নবগীদমক থৌরম খোমবা তাবনি। পুন্সিদা অমসুং অরিবনি মীশিং মাংখিবনি অমত্তা পোলেমতোম্বকিনি। থাবীনি মীতম থাপনি। অদু মদুগী ইমুং-মচুংগী পুনোংথোক্লবা করামা খোকদম্‌লবা থৌরম অচুবা মতুং ইমুংসিংগী হায়রা থংলবনি মশাজ্জরা খেনা অমা মতমদু ওয়াংলা পুমক চংলোইদৌবগী ঋথোই মখোয়গা মানবি।

"হৈক, ঐদি ময়োগনি," ক্রকাক্কু হায়রকলমই। "অদুগা মাদি? করামা ' ' ।" মহাক্না কাটেন পাক্কী অমুদু লোই শিলমরে, অদুবু আর্টেম মচুগী অর্থ মুখা থংলমই। পোটিটম শেঙবদা মথৌ চিনজরিবা পোলেমতোম্বকিদা আর্টেমবু ক্রকাকস্ত মারে হায়রবগী ঈঙ্গিত তৌরমই। মখোইশী বাখল পঙ্কিং চপ মাক্কা লেপ্পবস্ত, মখোইগী থমোইদু অরাবশী চৈথে অম শীরিবা বাহং অহুমদি পাওখুম কংলমদে। আর্টেম অদলহুত্না মনাক্কী চংশিল্লমই, "করম তৌরৌরিনো?" হায়না হংলমই।

পোলেমতোম্বকি আর্টেমদা মুখা লেংলকলমই। "মংন খাইদগী করবা মীনি, নহাক্কু হৌ। ঐখোয়না তেম্বাক্কপ মুংগে, অতুদগীদি থবক পাংথোকলগনি।" অহল মাদুনা মাম তমথীবা মওংদা হায়রকলমই। আর্টেম মানিংখরা শুকখলমই

"মত্তে, মত্ত তৌবা তমলোই, নহাক্কু অনুবা খল্লিবদে মহাক্কি মরাল নৈজরবদি। মহাক্না মকমসিদা নৈবীকরগ্‌ হুব লবা শক্তিনগী মতোমদা নমমুনা নৈকমবদি।"

পোলেমতোম্বকি আর্টেমদ থাবা হয়রেপকলমই।

"হরি, অংনা নীবহিবদু, মরাল নৈসে হায়বা? ঐখোয় থর্বক অদি চৌবা পাম্মবেক, তোইখবসুং নহাক্ক কাওদ্রোই খবনি ঐখোয়সে লমচনু পুন্সিবনি। অসিগুম্বা মরাল নৈদে হায়না নহাক্কু থংলিবা মীওইশিং অসিনা পাট্টিমাথিংগী কীপ খুমদৌরিবনি। পাটিসানশিং অমুক্কী মরাল নৈজ্রা? অদো

ইমুংঙো অংদি অকনবনি, মরমচনা পুক্নক অদিনী মরমদা মহাক খন্নদি খল্লবীয় -"

" হয়ে. হয়ে "," আর্টেমগী খোমজেল মিকনাকলমই। মহাক্না ক্রোবার লৌথংলমই. ভৌইগুবস্থং পোলেনভোভসকিনা লোয়া হায়রক্রমই : "অঙুদি ঐনা ভৌবনা ফরগনি। মহাক্না বেরচান পাইহুনা কাথংলু অহুগা ভেন্দরদগী কোয়না ইদ্দরকপা শাউ। করিগুম্না জানজা চারবদি লেয়চাম্বুনা থৈংরুবর্গ য়াই। ঐনা সিদা কোয়লা খোংভোকপা শাগে।"

ক্রুজাক মখোয়না ঙাংনরিবত্ত্ব মুয়া ভারমই অহুগা মঙক মোমলমই।

" অমলনা হায়বীরিবদু অচুম্বনি," মহাক্ন হায়রকলমই অহুগা থৌটটল শেম্মরমই।

টুপীদা অঙ্গাংবা কি অম কোইনা য়েংপা জর্মন সিফাই অমু ভেন্দর মপান্দা, মখোঙ অনিগী কারক্ক মোংথৈ পাইরদুনা চুকটি অম থক্নুনা ফমলমই। মতম পুম্বদা মহাক্ন কেপ মঙুংদা ঈগ্লিন থৌরিবশিং অমু থবক তৌরিত্র তৌদত্রা হায়না য়েংলম। আর্টেম্না ভেন্দর মথক্ত কাথংপা মতমদা শক্তি অহুনা হাইকেন্নং য়েংলকলমই, অহুগা পোলেনভোভসকিন। কোয়না য়াম্ন কোংশিনবা শাহুনা লৈবা উবদা, মহাক্না হন্দোক্নব; ঈগ্লিভ তৌরহুনা কেপকী থেংলোমদ আম্বরকলমই। মতমহুম্বা পোলেনভোভসকিনা ক্রে'বারনা জর্মন অহুগী মকোক্তা থংহৌদনা থৈরমই। আর্টেম অমস্থং ক্রুজাক্কী মোংথৈ অহুনা জর্মনগী কোক্তা খোম্বগী খোজেল তাবদা,অশাবা য়োংনা থংশোক-শোক্কক চুম থংত্রেক্রনা থংচো' চোংথংলমই। শোক্রবা সিফাইগী লেকথরবা হকচাং শোলাং অমু কেপকী কুমথকমদা তপ্র তপ্না ওম্বরকলমই। অশোকপা মকোক্কী শিন্দরকপা ঈনা কাউথাংনবা টুপী অমু কাওরকলমই অহুগা মহাক্ন পাইরম্বা মোংথৈ অমুনা চৈন্দরনী য়োংকী বান্দা অমাকপা খোমজেলপা "লোইরুনা থেংগাইরমই।

"কৌৰিজকী থবক পাংথোকজেদনা," পোলেনতোত্তসকিনা ক্রোধায় থাবদুনা লোয়া পোলমই। "অদুনা কৌৰিজকী ঐগীদায় ফুং নমজোইত্রবনি," মখায়থদু নিকপদুনা মহাক্না মথা ফারক্রমই। মখোয় অদুথকী ওনবা, নিকপবা থোকজেদনা, লাংলবা ইঙ্গিলশী থোকজেরক্ত, অরোনবা থবক অম পাংথোক্লবগীদমক চিকহনবা মকম অদুগী শাস্ত্রীবু থুগাইরমই।

য়েংলিবা প্রজা মীয়ামগী মীৎয়েং অপুম্বা পেরেড তৌবগী লাও খোংবা অমাদ থোয়াং তৌবা অদোমদা লোইন লুপাখ্রমই। মতমসিদা গোলবক, ভীবম তপৎদনা বলশেভসটাইনগী মনাক্ত চৎলমই অদুগা লোনা অকনবা খোনজেন্দা হায়রমই:

"অপৎপা মুক্তি লাংপশিং, য়াম্না থুনা চখোকখে', নত্রবদি ত্রনা নখোয়সে মতুপ মতুপ ককতুনা শেমগদবনি!"

বেন্দ খোংলকপগা অহানবা ইউনিট স্কায়ারদা চৎলমই। মখোয়না পেটল্যুবাগী মনাক য়ৌব মতমদা "স্লাভ" হায়না লাওরমই অদুগা নাকনগী লম্নীদা চৎনবগীদমক কাইখেদা চৎখিরমই। কাংবু অহুগী লুচিংবা অফিসারশিং অহনবা থাকিগী কিজেংতা থৌশাদনা, ইচম চম্না চুমনা কোয়চংচৎপগুব মথুৎতা পাইরিবা চৈশিং হাইরদুনা চৎলমই। অদুগুম্বা মশা লাপ্নবা চৈ অদো সিকাইশিংগীদমক্তদি লমচৎ চুমখোক্লবা চৈনি হায়বসি ডিভিজন অদুদা থংহল্লমই।

অমৌবা লৌবা মীশিং অদো মথং মনাও কায়না, অমগা অমগা খোঙথাং চানদনা, পংথেং থেংগাইনদুনা মতুংদা লাকলমই। অসুম্না খোঙডুপ তোংত্রব' খোঙনা চৎপগী তুপ, তুপ লাউবা খোনজেলগা লোয়নন্না মথং মনাও কাইনা, খোঙথাং মায়দনা চংলিবা ময়ামবু অফিসারশিংনা মায়না চৎনবা কন্না হোৎনয়মই অদুবু অয়েম্বদা তারমই। মথংগী কাংলুপ অমা লাকপা মতমদা লাইনেকীগী ফুরিত লৌংপা লৌমী ম্বুপা মচা অমা মুয়াম্না য়েংলিবা মকমতুগী য়াম্না নকপা মফম য়ৌরকপদা "চিফ আটয়ন্স'দা ওক্লা মুখিং লাওখোকতুনা য়েংলমই অদুনা মুয়ম

ওইদুনা উহৌদবদগী কে'মফুং অমদা পুংথরমই। মহাক লৈমায়দা উপ্রাক্লনা ইপাক পাক্লা তুরমই। মহাকী মোংমৈ মুংমচাশিংগী মথক্ত অতৌবা ক্রেক লাওবা খে'নজেলগা লোইনন তাখিরমই। মহাক্ত কৌগংনবা হোংনজরমই অদুবু মতুংদা লাকপা মীনা মাবু অমুক কাংজেমবীরমই। কুম্মৈবু য়েংলিব মীয়াম মা লাওন' নোকলকলমই। কাংলুপ অদুমদি কায়রদুন ভাগ য়েন তাদনা চংলমই। মরাইনক থীরব' জুপা মচা অদো মাগী নোংমৈ থুনগংলদুনা মীয়ামগী মতুংদা চেনখিরমই।

পেটলুয়ারাদি অদুগুম্না শোইরবা দৃশ্য য়েংলম্নদগী লৈথো-রক্লুনা, পেরেড লোইব শাওবা য়েংলমদনা কার মখুংদা চংখিরমই। মাগী তুং ইমরিব ইন্সপেক্তর তৌরিবা থৌদোদা ইকায়রজন অমদি মশাবু চিংনজবগা লোইননা হায়রমই:

"পান আটমন, চাকলেন ফংবীররোইদ্র?"

"চাররোই," পেটলুয়ানা শম্না খুম্নকলমই।

সাগৈ' ক্রুজজাক, ভলয়া অমস্নুং ক্লিমকাস্থ কুম্মৈ য়েংলিব মীয়ামগী মরক্ত, চর্চপু কোয়শিল্লীবা অবাংবা শম্বলদা ছাথরদুন য়েংলমই। সাগৈ'না শম্বলগী কৈরিবা কৈরাদা পাইদুনা মীশি অদুদা থানা য়েংলমই।

"চংলসি লাকলো ভলয়া, মখোয়না থবক শুকমম্ম থিংগ্রে মহাক্লা অশিংনবা উশিত্তবা খোনজেলগা লোইননা হায়রমই অদুগা শম্বলদগী লৈথোরকলমই। মীয়ামন মঙোম্দা ভুম য়েংলক্রমই। পুম্নমকপু থৌশাদনা কোংহোং লোমদা থোকখিরমই মতুংদা মচল দুপী অমস্নুং ক্লিমকা ইনখিরমই।

কর্নেল চের্য়াক অমস্নুং কেপটেন, কমান্দেন্টকী অফিং হাওবা চংলমই অদুগা শগোলদগী কুমথরমই পাওপুবা মী শগোল শিমরমদুনা থুনা গার্ড হাউস মজুং চংলমই। "কমান্দে কদাইদা চংগে?" চের্য়াক্লা খোনজেল য়াক্লা হংলমই।

"ঐহাক খরেদে," মুপাঙ্গনা লং-শং কাউনা খুমলকলমই। "কর্নাইবলোবা চৎলমগনি।"

চেরন্যাক্ক মোংলবা, শিংথোক নাম্বোকপীদ্রবা কা অমদি শেমজিনদ্রবা মোংলবা কবুংদা কম্প্লেন্টকী গার্ডশিংনা ওকিসার-শিং চৎলকপদ থৌশাদনা ফিগুনা নৈরিবদু য়েংলমই।

"ওক মচাদৌনা শুক মোংনা লেরিবা করিগীনো?" চেরন্যাক্ক হংলচনা লাওরমই। "নৈ য়ুম্না মোংনা নৈয়ু কনানা হায়রগে?" অসি হায়রগা ফিগুনা লৈরবা গার্ডশিংগী মনমদা চৈনা হায়থরমই। মহুদা কোসেক অম হৌগংলদুনা য়ানিংদনা খুমলকলমই:

"নহাক্ক মকমসিদা লাউররিয়া করিগীনো? ঐখোয়গীসু লাওবীমবা মী লৈতে।"

"করি!" চেরন্যাক হুপাক্নু ডম্ব চোংশিল্লমই।" নহাক্ক ডাংলিবা মীসি কনানো হায়বা মহাক করিস্থ খঙ্গা, বুদু? ঐ কর্নেল চেরন্যাকনি হায়বা তাক্রে; হে ওক মানবা! হৌগংলু, নত্রবদি ঐনা নংবু ফুথবা তারে!" শাউরবা কর্নেল মোংলবা কাগী মন্নুংদা হল্লংহন্দা চৎলমই। "ঐনা নঙোন্দ অয়েংপা মখৈসি শেংদোকনবা মিনিট অমগী মতম পীরে; মসিগী মনুংদা কবুং নিংথৌজনা শেমজিল্লু, মগাশিং মীনা ডুকচ-দনবা শেংদোক্কদবনি। নহাক অসে কোসেক অম মারে, ওন্দা লুট্রবাল্ল মারে!" অসি হায়রগুনা লম্বাদ লৈরম্বা খুচুমগী পাম্ব অম কর্নেলনা শাও কাওখিরমই। কেপটেন অচুম্ব শাওদবা নত্তে, মহাক্কুম্ব মনেংগী মতেং পাংশিল্লদুনা মহাকী কাক্কোং অজ্ঞম লোংবা শেল শাকনা হিপলিবা গার্ডশিংবু হুহনা তানখৎলমই।

"চকা আটমল' কৌজিক পেরেড মেংলিবনি।" মহাক্ক মকম অফিসারগী অতম মমরা খংলে অমদা শোইদনা লাকপা য়াই, মরম অদুনা হৌগৎলো লম তু শেংদোকলো" পোৎ খুদীংমক

যাম্না মরক [illegible] খোইরম্বা [illegible] লৈরে [illegible] থংলে [illegible] [illegible] চৈ চারবঃ য়াই হাবনা থংবত মতুনথ [illegible] [illegible] লমক্কংপুরু নীংথৈনা, থংবনা কোনসেকশিং [illegible] [illegible] [illegible] থবক [illegible]। [illegible] অমসাংওঙ মাংখলনা [illegible] [illegible] [illegible]।

"ঐখোয় কমীমচৈ অমুত্তাং য়েংলুবি," কেপটেনা [illegible] অম তৌরকলমই।" "কনা কনাগী কান্নবা থমশিনরে [illegible] থংরে। করিগুম্বা চিক লাক্লুনা য়েংলক্লবদি [illegible] [illegible] তাগনি।"

"শো কনানা পাইরি ? চেরন্যাকনা সম্ভিন্দা হংলমই।

"থুদক্ত থোং কাংদোকউ।"

সাজেণ্ট অম চংলক্লুনা শো কাংদোকলমই।

"কমান্দেন্ট কদাইদা চৎত্রবগে ? ঐনা মাবু কয়া কুইনা ঙাইগনিয়েগে ? থুদক্ত মাবু থীরু অদুগা মকম অসিদা মাবু থারকউ, চেরন্যাকনা অশুম্বা য়াথংলমই। "সুমাংদা গার্ডশিং লেপ্পা, করিগীনো নোংমৈশিংদা শঙ্কিন হাপত্রিবা ?"

"ঐখোয়দি ঙরাংতদগী থবক অসি লৌজবনি" সজেণ্টনা শম্পোক্ত হায়নবা হোংলক্তরমই, অদুদগী মহাক কমান্দেন্ট থীবা থুনা থোকখিরমই।

চেরনাক লাকখিরবা কেপটেননা থোঙ মথোঙনা কাওতুনা হাংদক্কলমই। মখোঙনা মনুংদা চংলকপদা মী অমাম্বা হৌগৎলমই অদগা অত্তোপ্পা থরদা লেংদনা লৈরমই।

"থোঙচু লাওনা হাংদোকউ" চেরন্যাক্না য়াথংলমই। "মকমসি মমই।" মহাক্ত লৈরিবা হকীশিংগী মায়থোংশিং কুপ্পা মীংথেং য়াখিরম্মই।

"মহাক্ত মকমসিদ লৈরিবা করিগীনো ?" কাংকী মপাম কমলিবা অহলদা য়েংলদুনা চেরন্যারা হংলমই।

"[illegible] থজিক্তং হৌগৎলগা, কর্নেলগী অমাংবা থোঙ্গ পাথংলদুনা অসী থোজাওদা মথুংদা পাইশিন্দুনা [illegible] বোঙ্গাদা [illegible] থুমলক্লমই।

"ঐখাকপুং শাক্লগা থবক্তিমক্ত করিগীদো, থারগা, থংনাবা, মখোয়দনা ঐবু চেক্না কাইখিনবীদুনা থম্লি। মরক্কী অনুংদা ঐ মকমসিদা তৌরিবনি। মসিগী মরম অসিবু ঐনী মমাংলগী শগোল অম মাংখি, চেকগুংন মঙ্ক ঐখাকচি নত্তে।"

"কনাগী শগোলবনো?" কেপ্টেনগা মরুক থংদুনা হংলমই।

"সিকলৈনী শগোলনি। ঐনী শগোল শম্বনা মাবু যেংহো-কঞ্জে অপিংপগা তৌলা অদু, চাখোক থঙকাক্লরবনি, অদুগা মখোয়না ঐবু ইরাল শীবিরিরনি।"

চেরন্যাকনা অহলগী ওইবা তাবদা থাংমমদনা শাউনা মবেং শুপগংলগা লাওরকলমই: "নপোং মঙ্গে পাইশিল্লো, থুনা মকমসিদগী চংখোকখো।" অহলগী চেরন্যাক্না সাখোগোন শুপীদা ওনশিন্নক্ল মই। অকণ্ডুমি কনেকগী রাইফল থাজবা চেক্রহনা অথাপ্পা শেংন উবা চুমত্রবা মিং খপ খপ থগ্লহন্না কেপ্টেন্দা ওনশিন্নকলমই: "ঐখাক চংগা ঙমরগদ্বো?" কোমেক অদুনা নংকু মাগা থুনা চংখিবনা কণনি অয়বগী মখাক্তম মরক নোমলকলমই। অথংনা অমম্বনা কাংথক্কী মপান্দা মাংশিন্না মাগী পোংযোম পাইদুনা মপান্দা থোকখিরমই।

"অদুগা নংদি মকমসিদা করিগী লৈরিবনো?" চেরন্যাক সাখোগোন শুপীদা হংলমই।

থাবুম থম্না শারগ.বা হরাই মচৎ যোংশিনহনা শেম শাগনা লৈকল্লা রাইংগী পাওথুম পীরকলমই:

"ঐবু মকম অসিদা থম্বীবগে মাখা চুমদবনি পাম চিক। থবক্কীদু সাখোগোন যোনবী লাইরবী কুপ্পাবী অমগী সখোগোন লোইনা থত্তোকপীবগা কাখিন্দুনা থম্বীরিবনিগী মরম্না।"

"নংবু সাখোগোন লোনবগী থবক তৌগদবাইদনে, তৌরনে নংবু?" চেরন্যাক হংলমই।

"লোনবা? মদুগী বা নত্তে," সুপীদুনা লাংজকপা যোক্লনা থুংলকলমই। "কম্যান্ডেন্ট লাকলগা সাখোগোনশিংগী মতিক

লৌখিরমই মাহুৎশিংমক কোপেক অমত্তু পীবীরমদে। মসিননি ঐনা মকম অসিদা লৈরিবা: মখোইনা নহাক্কী সংবাগোল লোইনা থকতোকলে অহুগা পৈশাদি কৈদৌউনেন্তু পীজে মহুবু নহাক্ক ললোনবা কৌবা, কৌগত্রনে ?"

"করে, করে, চৎলো মহোন্দা পৈশা থোরবো!"

কর্নেলগী রাহে' তাবগা, মখা তাবা মাথং অমুক হাইব, তোদনা মুপীহুনা মহাক্কা থুমুক লৌথৎলগা ইকাই' থুম্রবা উৎতুনা কোম্বরগা মতুং হন্দুনা থোত্তদা থোকখিরমই। "ইকাই থুম্রজরিবা নহাকপু ঈশ্বরনা মতম চুপ্পদা হকচাং কব, পীবীসনু।"

ডোলজিকভি কুপ্ষে অহুবু মুংঙাইবা অমদি অণ্ডকপগা লোয়ননা য়েংলমই। অহুগা বন্দীশিং অহুনা তৌরিবা পুক্নমক অহুগী মরমদা কারণ্ড থংলমদে। অহুগা মাসমদি তশেং তশেংলে মহুদি লাকলিবশিং অদো, অম অম ওইরবন্তু মখোয়না থাদোকপা মাই মাদে হায়বা য়েংলবা মতুংদা থাদোকপা ওম্বগী নত্রগা কাজিনবা ওম্বগী শক্তী পাইরবা চিকশিংনি হায়বা।

"… অহুগা নংদি মকমসিদা কারগী লৈরিবনো ?" চেরন্যাক্কা ডোলিন্নিকতা হংলমই।

"পান কর্নেলনা রা কংবা মতমদা লেপথংলু।" কেপতেন অহুনা লাওরকলমই। খোনজেল অহু তাংবদা ডোলজিক তপ্পা হোৌগৎলকলমই।

"নহাক মকমসিদা কারগী লৈরিবনো ? চেরন্যাক্কা অমুকা হন্না হংলকলমই। ডোলজিক্কা কর্নেলগী নিংথীজনা কোয় কোক্লবা মায়থোং, তক্ক তকনা লৈথংলিবা নাত্তোন যুমাংগী কোক অমা, উপ'লবা চুপীদা থেংলবা য়োংকী মাকংদা য়েংথংলমই। মতমসিদ, তদনাইরব রাখল অম ফাওরকলমই: মসিনস্তু থবক তৌ থবা য়াই।

। "মুখিদাংগী পুং ৮ গী মতুংদা সরক্ত চংলুকশিংমক ঐবু কার্দন," মকক্ক মাগী ৱাখলা কাওরকপা অহু "থংহৌ

কায়দোক্লখিরমই। মাটৈ থকসিদগী মতুংদা মপাক্লা লাংঙক্লবা অমদি অরাবগী লোয়নদা কর্নেলগী পাওখুম ঙাইরমই।

"মংদি অহিংদা করি থৌরক্লিবা ?"

"অহিংদা নত্তে, পুম্নমাংদনি, চাওরাক্লা পুং ১১ রোমগী ভালি।" ডোলিপ্সিক মহাক্লা খুমখিবা পাওখুম অদুনা মাবু থাদোক্লকনি হায়বগী থাজবা ৱারমই। করম থানজেঙ অমনা

"চংথোকউ।" হায়না লাউরকপদা মকল্লাক থক থক নিকলমই। ডোলিপ্সিক অকানবা, মহাক্কী জেকেট কাওথোকনমদুনা থোকখিরমই। কেপটেন্না মথংগী ৱাখৌদা ওনশিন্নদুনা ৱাহংলমই

কোর্চাগিদ্দী ইরোঙ্কী লোয়বদা ৱাহংগদবা নত্তী এইরমই। চংথরকলিবা থৌওং মহাক্তুদা মঙাক্কী পুম্না চমমদুনা তুমিন ফমদুনা লৈরমই। কেপটেন্না ডোলিপ্সিকপু চংলো হায়খিব অহানবমক্তদা, মহাক্কু ৱাথং অদু অমদি ডোলিপ্সিকপু থাদোকলে হায়বসি থাজব ঙমলমদে। করিগী মখোয়না মী খুদীংমকপু অসুম্না থাদোকলিবা ? পুম্নমক ওইরবস্তু ডোলিপ্সিক্কী ... ডোলিপ্সিক্লা হায়খিবনি মচুদ মহাকপু ফাবিবা অসি কাম্ফিয় খুগাইরুবগীদমক্তনি" অংদগীদি মঙোন্দা অনৌবা ৱাথল অম ৱাকায়রকলমই।

কর্নেলনা মমাংদা হংখিবদোনা ৱাজেংদা জেলটজরদা হংলকলমই। "নংথি করিনো ?"

শামকুকপা পুপা জ্বান মাংতুনা চম্মনরমই মরমদুনা খংহায় হায়দোকলকলমই:

"মখোয়না ঐবু মখোয়বু হন্দুনা থাংই হায়, তৌইঙম্মসং ঐদি মখোয়নদ হায়রিবদু করিনো হায়বা থংজদে।"

জেনারেলগী মমা চপ চুংথংলকলমই।

"মজুরি করিনো ? এজিটেশন ? মহাক্লু এজিটেশন তৌরিবদি করি মরমদনো ?"

জেলটিজর ৱাহং অদুদা চঙশিনবা মপাম্বোম অমি কপোক-লমই, "ঐহাক্তী থম্মদে. ঐখোয় হায়জবদি জিউ মীয়ামগী লমক নয়থাক্তি অম চিক আটঅদা পীননবা মখোয়না সহি থোয়বনি হায়জবনি ."

"করম্বা মথংগী পিটিসননো ?" চেয়ন্যাক অমমতং কেপটেন মখোয় "অনিমক্কী জলটয়রোমদা জেলটিজরবু 'কহনবগী লোয়মনা চংশিল্লমই ।"

"পোগ্রোম থিংবীনবা হায়জবগী পিটিসনী । মহাক্ক থংবী-রিসত্রুনি, ঐখোয় ভমথীরবা পোগ্রোম অম নংগ্রবনি । মরম না প্রজা অপুম্বা লোইনবা কীনরে ."

"মতু সরে." চেয়নাক্ক মরক থংলমই । ঐখোয়না যোংলবা জিউ. নঙোন্দা কৈদৌনদ্ত কাওবা ভম্মরোইত্রবা পিটিসন অম পীগনি ।" কেপটেনদা ওনশিল্লতুনা চেয়ন্যাক্কা হায়রকলমই: "মসি দি থমখো । মহাকপু হেড কোর্টরদা পু মকমতুদা ঐহাক মাগী হকথেংননা ৱা ভাংনগনি । ঐখোয় য়েংসি, অসিগুম্বা পিটিসন অসিগী মরুমদা শনা লৈবনো হায়বা ।" কর্নেল চেয়ন্যাক্কী ৱা ভাবদা জলটিঙ্করনা মকাক্ক হায়খিবা ৱা শেংদোক-পগী ৱাকৎনবা হোৎনজরমই ভৌইগুম্বাগুং কেপটেন অদুনা মহাকী নমগন্দা কম্মা শাগোল শাজৈ হায়থরমই ।

"তুমিন লৈয়ু, তুটি ।"

চৈনাখোম্না মহাকী মায়থোং চিথংলমই অদুগা মহাক কাচিন অমদা হন্দোকখিরমই । মচিনবান থক থক নিক্কা থমোইগী হিহিকনবা অদো থংলমই ।

অসুম্বা চংথরিৱৈ মতমদ পাভেল কমলম্বদগী হৌগংলমই । জেলটিজরগী মতুংদা যেঁৱারক গা চৈঃরিব বন্দী হায়বদু মহাক মত্তোমদনা ৱাইরে । চেয়ন্যাং পাভেলগী মমাংদা চপ লেপলমই, মহাকী মচুং কাওনা উবা ওমলবা অমুৎ মীৎসা মঙোন্দা মূলা য়েংলমই ।

"মশুদি মকমসিদা কয়ি তৌরিবনে' ?
পাভেল্ মহাকী পাওখুম শেম শাহনা নৈজরম্মী।

"ঐহাক্ত শাবল অমগী মশাল শাউন লৌনবা ককলুই অতৗদমক্তনি ?" মহাক্না থুনা থুম্রমই।

" কনাগী শাবলনো ?" কর্নেলনা হংলমই।

"ঐখোয়গী য়ুমগী মমাংদা কোসেক অনিথক মখোয়গী শগোলগা লোয়ননা লেপ্লমই মতুদা ঐনা অমনবা শাবল অমদগী শাউন মচেৎ অমা ঐগী খোঙ্‌প থুরা খানবা ককলুই। মতুদগী মখোয়না ঐবু মফমসিদা পুরকলিবনি।"

মহাকপু থাদোকহল্লগে হায়বগী কল্লবা আশা অমগা লোয়ননা মথা ভারকলমই। "ঐহাক্তদি মহ তৌবা য়াদে হায়বা থংজরমদে।...."

কর্নেলনা পাভেলদা য়ামনা তুকচবগা লোয়ননা য়েংক্লমই। "মসিগী কমান্দেন্ট অসিনা তৌরমলিবা পুম্নমক অসি, মহাকপু ফুদংকদবনি! য়েংঙু মহাক্না ফাগৎলমলিবা বন্দীশিংসিদা!" অসি হায়রগুনা মহাক্না খোঙলোমদা নৈথোকখিবগা লাওরক্লমই:

"নং নয়ুমদা চৎপা য়ারনি, অমগা নংগী নপাদা নংবু নহাক্না তৌরুরিব থবক অতৗদমক ফুননব হায়য়ু। চংখোকক্রো!"

অদু ফাওবদা পাভেল থাক থাজদনা লৈমায়দা শন্দোক্লনা লৈরিবা ডোলিম্নিকী জেকেট লৌখৎলগুনা খোঙলোমদা চেনখোকলমই। মহাকী থমোইগী মিহুলদি পোকশাররকদবগুম-দং দং চোংলমই। মহাক্না গার্ডরুম ফাওতুনা সমায়দা চংলিবা কর্নেলগী নাকন্দা মপান্দা চেন্থোকলমই। মীকুপ অমগী মতুংদা পাভেল অপিকপা ষ্টগী কোম্মোং লাম্থোক্লনা সড়ক ভারমই। মরাইবক থীরবা জেলটজরদনা ওাইহৌরে কাদা নৈহৌরিবা। মহাক্না কাগী অকোয়বদা অরাবা নংলবা মমিংনা কোয়না য়েংলমই, অহুগা অনিংবা অমগা লোয়ননা থোককমলোমদা খোঙকাপ থর

থাংলমই তৌইগুম্নস্নং মতমমহুমক্তদা সন্নি গার্ড হাউসতা চংলক্লবা অদুগা খোঙ থিংজিনখিরমই, পুনা পানশিনখিরমই খোঙ মনাক্ত নৈবা স্টুল অমদা কমথখিরমই। মপান্দনা কর্নেল চেরন্যার মহাক্ক পাংখোকচখিবা থবকশিংদা মদা মথক্তা পেনজরহুন কেপটেন্দা হায়রকলমই:

"ঐখোয়না মসুং চংহন হৌরম অসিদা রেংশিল্লর্গসি অকব অমনি মফমহুদা লৈরমলিবা কস্তব অমোংপা মদামহুগী মরমদ অমুক্তং থন্ন, কমান্ডেন্ট অহুবু ঐখোয়না হাপ্পা অনি বন্দী থমগদবনি। করে, হৌজিক্কী চংপগী মতম য়োরকলে।"

সার্জিয়েন্ট অমনা মহাক্কী গার্ডশিংবু মপান্দা খোমজিন্দুনা লৈরমই। মহাক্না কর্নেলবু বেক উবগা মনাক্তা চেনশিন্দুনা রিপোর্ট পীরমই. "পুম্নমক কনা মওং ভান লৈরে: পান কর্নেল।'

চেরন্যাক মহাক্কী খোঙগুপ বুট নাম শগোলগী খোঙনেত্তা নেংলহুনা মগা য়াংনা শাবল মগক্তা কাখংলমই।

শগোলগী থুক্তি পায়রহুনা কর্নেলনা সার্জিয়েন্টতা হায়রগী:

"কমান্ডেন্টতা হায়য়ু, মহাক্না পৈশিন্দুনা থমলগা অমোংপা পুম্নমক ঐমা শেংদোকলমগে হায়দনা, অদুগা মসিমক্ত হায়য়ু মতুংদা হৌকনা মফমসিদা তৌরমলিবা থবকশিং অসিগীদমক ঐনা মাবু হাপ্পা অনী গার্ড হাউস মনুংদা থমগনি হায়রন। মতুংদা লৈতৌরিবা বন্দী অহুগীদমক্তদি থুদক্ত মাবু হেড কাটরদা পুরকউ। মহুগীদমক গার্ডশিং তৈয়ারি তৌরম্লু।"

"য়াম্না ফনি, পান কর্নেল," সার্জিয়েন্ট অমনা খুমলমই, অদুগা সলাম কৎলমই। কর্নেল অমসুং কেপটেন শগোল থৌরহুনা পেরেড তৌখিবা অদুবু লোইশিল্লমলগা কাম্বারদা চংখিরমই।

পান্ডেল ভহানশা শর্বল অমা চোংলমই। মহুনা মরম শুইকুনা চোকথরহুনা লেপলমই। মখা অমুক তাথনা চংপা মখগী শান্জল মতোন্দা লৈরক্তরে। মরমদি অহুগুবা য়োংলবা,

শৱ্ব জিংথী হুংঙাইনা হোনবা ঙমত্রবা ষ্টোরক্লমগী শাৱংদ চাদ-
থক্তনা তুমিং থর লৈরুবনা মহাকী পাঙলগী শক্তি যাংহনগ্রে।
অসি মঙ্ডুনা মহাক চেনবা ঙমলমলবস্তু, কদায়দবু চৎলু-
গনি ? বুমদা চৎলুবগী বাকমদি পললুবগী থোইদোকনা
কাগ্রে। ক্রজ্জাকীদা চৎলুগদবস্তু কনাঙুম্বনা থংগ্রগদি ইমুং
অপুম্বদা কত্তবা, থুদোংথীবা থোকলকপা য়াই। পুম্নমক অসি
থনজিল্লুরগা মহাক করি তৌগদগে হায়বা থংলক্রে। মরম
অহনা পাঙল য়াঃওজত্রবস্তু, পুক্নীংগী শক্তি, লিন শীজিন্নত্তুনা
টাউনগী মতাইদা লৈবা মনা মশিং থাকম হিংথোলশিং অমদী
হিংথোলগী মনিং হেন্দোক্তুনা লম্বী থংদনা চেল্লম্মী। চোকথরবা
মহাকী হকচাংনা য়াংলেবা শম্বল অমদা ঙাথরহনা মাগী অকোয়বদা
কদোমদা চৎসিগে হায়দুনা পোশাকম থংদবগা লোয়নন্না
য়েংলমই। অদুবু, মহাকী অঙকপদি অদুগুম্বা য়াংলবা শম্বল
অদুগী মথুংগী হিংথোলদু শোরেস্ট বার্ডেনগী হিংথোল ওইরমই।
অসিগুম্বা মফমসিদা ওইরে পম্হংক্ষম লৈরক্রবা মহাকপু, চোকথ-
রবা মশাবু পুজবদা য়ারবা থোঙনা মহাকপু পুরকইবা! অদুগুম্বা
মখমত্তুদদি মহাক্না কৈদৌঙৈদস্তু লাক্লে হায়নদি থনখিদবনি।
অদুবু মতৌকরম্না মহাক্না মফমসিদা লৈরমলিবা? য়াহং অসি-
গীদমক্তি মহাকী থমোইনা অকবা পাউথুম অমগীদমক শেম
শারমদে।

অদুম ওইনমক মহাক ঙাইহাক্কী পোশাক্তুনা মথংগী থোঙ-
থাংগীদমক থদ্বা তারমই। মতমসিদা নীংশিংলকথি মহুদি
হিংথোলগী অয়োইবদা শঙ মচা অমা লৈ হায়বা। অদুগুম্বা
শঙত্তুগী মথুংদা মহাক চংদুনা লৈরবদি কনানস্তু মাবু থংবীররোই।
অসি থরহনা শম্বলগী মতোন্দা মথুং লামথংদুনা মশাবু চিং-
থংলগা য়ানা কাথংলমই অদুগা লৈমায়দা চোংথরমই। উশিংগী
মরক্তা লাম্না শেংদনা উরিবা কোরেস্ট বার্ডেনগী য়ুমদা য়ুনা
য়েংলদুনা, সমর হাউস তমনা চংশিন্নমই। অদুবু মহাক্না নীংবা

কায়খিবদি শঙ অহুবু কালেনথাগী মতমগী [illegible] ওইন-খ জিল্লধা অক্রর পাম্বী অদো হৌজিক্তি ইথুই থুইখিহুনা মকম অদো ইহাং হাংলম্বা অহুনি।

অহুদগী মহাক হল্লগে হায়না লেপলমই। মমাগী লৈরক-লমই, তৌইগুরম্লং মকাক থজিক্কং তপত্রে, মহুদি মহাককী ভুংদগী হুই অমনা অকিবগী মশক কংলবা খোঙ্লেম্বা খোংলক-লমই। মহাক কোয়রৈ লৈহুনা য়েংলমই — অকংবা উনানা ইচাই চাইনা তারবা খোঙ লম্বীদা চাউরবা হুই অমনা মল্লোং ল্লোমদা চুমত্রিং চুমনা চংশিল্লকপা উরমই। মহাকী তমথীবা য়াক্লা খোম্বাং য়ৈনা ছুংলকপা শব্দনা হিংখোলগী অচিকপত্র মাংহনখিরমই। চাউরবা হুই অদুনা মল্লোল তম্মা চংশিল্লকপা উবদা পাভেল মশাবু ঙাকথোকচনবা শেম শারমই। অহানবা চোংশিল্লকপমক্তদা মহাকী মখোঙনা হুইহুদা কম্মা কাউরমই। মতুদা হুই অদু চেনখিবদি লাইরহুনা অনিশুবা থুংচোংশিন অমগীদমক পৌরাংহুনা চোংশিনগদবগী লৈমায়দা কুনথখিরমই। মতমহুদা মহাকী তমথীরবা লম্বা ওইরিবা শাউরবা হুইহুবু কানবা থোংলবা খোঙ্লেল অমনা করম্বা নেহুথহনখিবগে হায়বদো, কল্লিনা করম্বা র হৈনা হায়দোকনি—অসিগুম্বা মহাকনা মমাংদা কয়ারক তাপ্রবা, পামজরবা খোঙ্লেল অমন—

"ত্রেসোর লাউ, লাউ, ত্রেসোর!" হায়না কৌরকখিদবয়া, অম্লুম্মা কৌরহুনা তোনম্মা লম্বীদা চেম্বুরকলমই। মহাকনা ত্রেসোরবু মঙকশমদা পাইহুনা চিংথোকলমই অদুগা শম্লল মম্নাদা লেপলিবা নহা ওইরিবা জুপাহুদা ওনশিল্লকলমই।

"নহাক মকমহুদা করি তৌরিবনো? নহাক হুইসিনা থীনা খোগাইরমগনিদা, ঐহাক লাকলম্ববসি লাইবক কবনি।" অসি হায়হুনা মহাক ঙাইহক্তং লেপলমই অদুগা ইজুক জুক্লা জুপাথ্রচাহুদা মুম্নঃ য়েংলমই। মখোয়গী হিংখোলদা চংলকলিবা শকথংদবা জুপামচাদো কয়াদা কোচাগিন মানগ্রবা। অম্লুমনা

মরুপকম্বা মুনবা ম্যেংবক্তা ময়ুদিবো লেংল্লকলম্মই।

" ভোনয়া," হৃপাবমচান্তুনা হুংশিনা কৌরকলমই। "নহাক ঐবু শকখংল্লবরনে ?"

ভোনয়া অনমনা থমোই শোকনা কৌরভনা মঙোনদা তাঁমনা চেনশিল্লমই।

"পাভেল, মহাক্লা ?"

ত্রেসোর মাগী লমীত্তুদা লাম্নগদবগী খুদমলবা খোংজেলগা চুংশিন্নবা মখাংলোমদা চোংশিলকই।

"ভপথো, ত্রেসোর, ভপথো।" ভোনয়াগী খুবাক্তা অমুক অনীরক্তুং কুইনা ভপথো হায়বগী মতাংগুম থাবদা ত্রেসোর হৈচথেং কংলবগুম হন্নোক্তুনা মথৈ মকারাংদা ওনশিন্দুনা যুম-লোমদা চংখিরমই।

"নহাক থাদোকলকলেকো" ভোনয়ানা পাভেলগী খুৎপু চেংপ'রনীকলত্তুনা হংলমই।

"নহাকনা থংইবত্তুনি ?"

"ঐহাক লোইরবা থংই," ভোনয়ানা হনাননা হায়রকই। খুলিভানা ঐঙোম্বা পুম্নমক হায়রবনি। অদুবু, নহাক মতৌ-করম্না মকমসিদা লাকইবনো ? মখোয়না নংবু থাদোক্লকপরা ?

"হোই, ভৌইগুম্না শোইখিবদগী থাদোক্লকপনি" পাভেল চোকথনা খুমলমই। "অদুদগী ঐহাক চেন্নকপনি। তৌজিক্তী মখোয়না ঐবু থীরমগনি হায়না খল্লি। অদোংনা ঐ মকমসিদা করম্না লাক্লিবনো হায়বা থংজদবনি। ঐহাক যাম্না চোকথরে মরমত্তুনা মখোয়গী সমর হাউস মখুংদা ভাইনাকং পোম্থাজগে," চংজ-মিৎয়েংগা লোয়ননা মথা ভারমই। পাভেলগী বা ভাবদা ভোনয়ানা মহাকপু মীকুপ অমা অনিদি হুকলেং লেংদনা ভুখিন য়েংলমই। মীকুপ থবগী মতুংদা হুজা ওইবী মাগী থংম্মাইদা খোমুংশিগী কল্লবা ঈচেল অমা চেনশিল্লকলমই।

"পাভেল, চাল্লখোইরবা, শুংশিল্লবা পাভেল," মহাক্কী খুং-শাবু মহাক্কী খোংজেলনী খুংশাশিংনা চেং পাইশিল্লমই। "ঐহাক নংবু শুংশিনে .... ঐহাক্না হায়রিবসিবু ভাত্রবদুগে চাহখোইরবা ঐগী থম্মোইগী লমখোইরবা, কক্সিদৌনা নহাক্না মতমডুনা চং-থোকউরিবনো? হৌজিক্কী নহাক ঐগী নাক্তা লাকলবদি, ঐনা নংবু মকম কৈদহ্ত চংহনরোই। ঐখোয়গী য়ুম কনাম্ত লৈতে, নহাক্না লৈনিংইবমথৈ কুইনা লৈবা য়াগনি।"

পাভেল মকোক হাইরমই। "মখোয়দনা ঐবু মদম্বদিদা কংলবদি! মত্তে, ঐহাক নংগী য়ুমদা লৈবা ঙমলোই।"

কুচাগী খোংজেলবা খুংশামা মহাক্কী অরাব' পুরবা খুংশামা চেংনা প'ইশিল্লমই। ভনৌরবী মীংসমামা তবং তবং য়েং-থংলকলমই।

"নহাক্না য়াত্রবদি ঐ নঙোন্দা অমুক হন্না কৈদৌউৈঙদহ্ত বা ঙাংলারোই। আর্টেমন্ত লৈতে, মহাক ইস্কোর্টনা তাক শেন্দুনা ঈঞ্জিন থৌত্রবনি। রেলরে মী থুগাইমক চহ্রবনি। হৌজিকপু কদায়দনো মংনা চংলগদৌরিবসিবু?"

পাভেলনা সুজাহুগী থম্মোইগী লাংতক্কুবা অহুগী শরুক য়াজরমই, অদুবু মহাক্না সুজাহুগী মকমদা খুদোং থীবা খোঙ্কজিল লাহবগী অক্সিবনা মরম এউত্রনা মহাক য়ারমদে। তৌইজ্ঞবস্ত্রং মতুম থর চ'রক-পক্রকজন, অরাবরু রাথম্মরকপা, অরাম্বা অমদি চোকথরকপনা মহুম ওইহুনা মীয়থম্বা য়াখিল্লমই।

মহাক্না ভ'নয়াগী কাদ চংহুন' সোফাদা কহলিউৈঙমতভদা চাকশংনা তোনম্মা হন্না মচানা অনুম্মা য়াথী শারবমই।

"য়ায়া, কোর্চগিন হৌজিক ঐগী কাদক লৈত্রে। মহাক ঐগী হ'ত্ননি, মহাক মিংশিংগীমিত্রা? ঐহাক ইবাগী মকমদা কক্সিন্ত লোৎনিহ্দে। মহাক্না খোলসেভিক লেপশ অমবু পা-লোকপদা ভেংবা'সুবগী মথক খ হ্নবনি। হৌজিক মহাক খোংজেলনী

চেম্নকপাদি। অদ্রাবদি মহাক্না হৌজিক চেন্দুনা মকম কৈদত্ত থুংক্নকম লৈতে।" মহাক্কী খোনজেল হিক-হিক্ক নীক্লকলমই। "ইমা, ঘুংশিব্রবী, চানবীগুনা মাবু মকম অসিদা মতম খর লৈবনবীবা য়াবীয়ু।"

মামা অদুমা ঘুংশিবগীদমক য়াজরবী ভমৌরবী মচাগী চংভবগী ইরাংবা লৈতেংলবা মীৎসনা অনিদা থুংশিনা য়েংলমই।

"কৈ, ঐনা করিম্ত থিংবা তৌদে, অদুবু কদাইদগী নহক্না মাবু থমগে হায়না নিংলিবা?"

তোনম্না হরাওজরগই।

"মহাক ঐগী কাগী সোফাদা তুমবা য়াগনি," মহাকনা লায়রমই। "হৌজিক হৌজিক্কী ওইনদি ঐখোয় পাপাদা করি' মতা লায়গদুসি।"

মহাক্কী মমা ইবেম্মনা মহাক্কী থিংসনাদা মুনা য়েংলমই।

"নংনা হৌজিক ইরাং লাংলিবসিবু মহুৎশিনমকতম্না?"

মমানা হংলকলমই।

"হোই, মানি।"

"অদুবু মহাক য়াম্না অপ্তাংমক্কী নত্রে।"

"ঐ খংঙৈজে ইমা," মমাগী য়াহংদা' তোকম খংঙ্গেদ্রুনা মহাক্কী খুংশানা য়াউজদা পাইবগুম নামবগুম তৌর্দুনা মখা তারমই। "তৌইগুম্মম্বুং অম্সুম্না মহাক নাম্বোরকল্লবদি মখোয়না মাবু কাপথ্খিবা তাবনি।"

সেকাটরিনা চিথাইকোন্দুনা কোর্চগিনমনা মাগী হুমদা লৈরবা অসিদা করি অহল্তা লায়বম খংদে। মহাকপু কাক্লবা, মচাম্নুপীনা মহোৎদা চানবমক ডাওজখিবা অমুদা, ভশেংনমক মহোৎনদা অবেৎপা পীরে হায়বা খংলমই। তৌইগুমম্বুং হোনবাদি য়াকম অতু মমানা য়াবীরে হায়বা খংলদুনা অতিথি অদুগী ঘুংভাইনবগীদমক খনজরমই।

"মামা, মহাক অহানবমক্তদা ঊরম্লগনি। ঐ মরুপী নমক কৌজিক থৌরাং তৌগে। মহাক মৈহুম উচোৎ শেংবা মীগী মতৌগুম ইমোং মোংলে। ইবংঙদবা কুইরম্লি।"

অসি হায়রবম্লগা ত্তোনবা ত্তহা ত্তকানা পাভেলগী ইরুজনবা ঙশিং শাক্নবা অমদি অশেংব ফি পীরুনবা চৎখিরমই। পুম্নমক থৌরাং লোইরবদা মহাক্কী কাদা চৎলমই অতুগা পাভেলগী খুদাং পাইত্তুনা ঊরুজকম কাদা থোইদোকপা হায় থোংপা ত্তোদনা পুশিল্লমই।

"নহাক্কী ফি-রোলশিং পুম্নমক ওম্না ত্তাবনি। সিদা নহাক্কী শেংননবা ফি লৈরে। নহাক্কীশিংতুদি নিংথক্তনা শুদোকপনা ফবনি। মতু শুদোকখ্রিবৈগুদা সিনা শেংননবা," মহাক্না চৌকিদা থমলিদা শংবানবা কলর পাংবা সেলর ব্লাউজ অমদি বেল বোটম খোংজাউ জুরা অমদ ত্তাকলত্তুনা হায়রমই।

পাভেল ত্তোনবাদা গুক্না য়েংলমই। পাভেলগী পুক্নীং থংলত্তুনা ত্তোনয়ানা মোমোন নোকলমই।

"ঐনা মতু মরাম মাইথুম উত্তুনা জগোই শাবগী কুম্মৈ অমদা অমুক্তমক শেংলিবনি।" মহাক্না ফি অত্তুগী মরমদা পাভেলগী চিংন মিৎয়েং কোকয়ম্লনা হোংনরমই। "মতু নহোন্দা চাগনি। থুরো। নহাকনা ইবংঙরিবৈগুদা ঐ চামনবা থর শীন্নাংগে।"

অসি হায়রম্লগা ত্তোনবা পাভেলগী কোংদোক্নবা ফি অমা কাওবা থনমদনা, থোঙ থিংজিল্লমলগা থোকখিরমই। ফি পীরমত্রবনিনা মহাক ফি শেংত্তনা ঊরুজ থুদেংদা অত্তুম কাথৎ-খিরমই।

পুংমুক্নী মত্তুংদা মমা, মচা অমদি পাভেল মখোয় অহুম চাকচা-শংদা চাক চামিন্নরমই।

চরাম্নরবা পাভেলদি, লাম্বল্লত্তুনা ত্তাব থোন ত্তাদনা চাক থাবৈজত্তন লৌহুনা চথোকখিরমই। অহানবদা মহাক্না ত্তোনবাগী"

য়ামা, য়েকটরিনা মিখাইলোভনাবু ইকায়রক্তুম ভোয়রমই অদুমু মহাকী থৌজাল হৈবগী মতৌ উবদ মহাকী পুক্নীংদা শুংশিবা পোকলক্নমই

চাক চাবা লোইরবা মতুংদ মথে'ম অতম ভোনরাগী কাদ পোম্থারমই। মতমদুদা ভোনরাগী মমানা হায়জবদগী পাভেলনা মহাককী থোকখিবা থৌদোকাশিংগী মরমদা হারী শায়মই।

"নহাক হৌজিক করি ভোগে হায়না খল্লিবগে?" য়েকটরিনা মিখাইলোভনা মহাকী হারী লোইগ্রবদা পাভেলদা হংলমই। হায়রদুদা পাভেল মিকুপ খরদি খুমকম খংদনা লুনা খল্লমই।

"অহানবদা ঐনা আটৈম উনগে হায়না খল্লি, অদুদগী মকম অসিদগী চৎথোকখিবা।"

"ভোইগুম্মন্নুং নহাক কদাইদ চৎকসি?"

"ঐনা খনজবদি উমনবঃ নত্রগা কাইভতা চৎলবা য়াই। হৌজিকঃকীদি ঐ ইশামক্ত কদাইদা চৎকদগে হায়বদু খংজদ্রি অদুমকপু. ঐনা হেক শুমলিবমথৈ মশমসিদগীদি য়াল্লিবমথৈ থুনা চৎথোকখিগনি।"

পাভেল অম্তুক থুনা খুদীংমক অসি ওন্নকনি হায়বসি খাজবদা য়াম্না হায়মই। ওসাই অয়ুক্তদা মহাক মোৎলবা বলোশঙদা লৈরদ্রি অদুগা হৌজিক্তা হলোশঙদগী নাম্ভোরক্তুনা শুংশিজরবী ভোনরাগী নাকলদা তরু তরুরবা কীকোমদুনা কম-লরবা, মসিমক মত্তোলদি কয়াদা মমল য়ামগ্রবা।

কয়াদা শুক্রবা পুম্লিগী মওন অমা ওন্নকলিবা, মহাকমা খনজরমই: করিগুম্বা মীকুপ অমদা অত্তিরা অসি অকিংগী মতৌগুম পুম্মম মমগুম ভোরমই, অদুদগী শুমিৎ থোয়ক্তুনা অমুক ইঙাল ভাবৈয়। মসিনা মহাকপু অমুক হন্না কায়বা য়াবগী তমথীরবা খুদম ওইরমগ্রবদি অসিগুম্বা মীকুপসিদা হিংলিবা হূপামচা শিংগী মসুংদগী খ্বাইদগী হেন্না হূংঙাইবা হূপামচা অমনি।

অদুবু মহাক্না মসিমক্তু থংলমই মতুংদি, অহুঙবা চাওরবা চিক্রবা য়ুম অদুদা সুংঙাইনা লৈত্তুনস্তু, মহাক পুরা খুদোং থীবদগী কোকলে হায়বদি য়াদে। মরম অদুনা মহাক মগুম অদুদগী চংখোক্‌খিগদবনি, মতুনা মফমদুদ খুদোং থ.ব পুরকলোই। অদুম ওইনমক হৌজিকমক্তা মহাক চংখোকখিগে হায়নদি খল্লি। মরমদি থৌনা ফয়বা পারিবালদগী ৱারী পাবদা কয়াদা পুক্নীং শুম্নাংগ্রবা! হৌজিক্তা মহাক্না থংলে মতুংদি মহাক্না মফম অমদগী মফম অমদা চৎপদা, লান্দাবা মতমদা কয়াদা ৱাবা পুন্স অমগী মপান তাংলমগদবা অদুগ পাভেল মহাক্কী তুপ্নগী মুমিৎ তারংনিদমক অহওৎ-অনৈগী অরাবা থাংলুবত্তনি। অদুগুম্না তেনগ্রবা মুমিৎ থরুনিদো, মতোম্দদি শাংলবা চহি মপুম অমা হৌগ্রবোই নিংই। নত্তে, মসিনা মাবু তশেং তশেংহল্লে মতুংদি মহাক হেরো অমা ওইবদা মতিক চাদ্রি।

"নহাক্না করিগী মরমদা খল্লিবগে? তোনয়ানা মত্তোল-লোমদা নোঙ্করত্তুনা, সুংশিরবী মীৎসনানা সুংশিনা য়েংলদুনা হংলমই।

"তোনয়া, ঐ নত্তোন্দা খ্রিষ্টিনাগী মরমদা ৱারী লীয়ুরা

"হোই, লীয়ু," তোনয়ানা তকশিল্লমই।

পাভেলনা সুংশিজরবী তোনয়াদা মহাক্না কা অমত্তা লৈ-মিন্নখিবী বন্দী খ্রিষ্টিনাগী অৱাবা ৱারী অদু লীরমই।

মহাক্কী ৱারী লোইশিল্লকপা মতমগী অচিকপত্নদা থড়াগী তেক তেক লাওবা খোনজেল হৌগংলকলমই "..........মসিনা ঐখোয়না মাবু উকৌবগী অরোইবনি," পাভেলগী খোনজেল তহিল্লরকলমই, লাইবক থীরবী অদুগী থল্লুবদা।

তোনয়াদি মায়থোং লুক্কুনা, মীংলু অনৌদা থুম্নজিবা পীরাং শিন্দুরকত্তনবা মচিবাক চিকশিন্দুনা থাংলুমই।

পাভেল, থম্মোইগী থাংগুমদা অরাবা থাংলিবী তোনয়াদা মুনা য়েংলমই। "ঐহাক নুমিদাংদা চৎগ্রগনি," মহাক্না লেপ-লনগুম হায়রকলমই।

"নত্তে য়ারোই, ঐনা নংবু লুমিদাংদা কদাইদগী চৎপা "য়ারোই।" অসি হায়রক্লগা তোনয়ানা পাভেলগী চপ য়ুংবা শম্লাংনবা মকোক্তা মখাক্কী থবা থবারবী, তাংনৌরবী খুৎশানা লুংশিনা নাল্লমই।

"তোনয়া, নহাক্না ঐবু তেংবাংবীয়ু। কনানো অমা স্টেসনদা চৎতুনা আর্টেমদা করি থোদোক থোকলিবগে হায়বা ঐবু খংহনবীয়ু। অদুগা সেরিওজাদা চে অমগতদি পীবীয়ু। ঐনা রিভোলবর অমা ক'ক মতমদা লোংলম্লি। ঐনদি মচু-গীদমক্তা চৎপা ঙমলরোই, সেরিওজানদি মচ লৌদুনা ঐখোয়দা পীরগা ঙমগনি। নহাক্না ঐগীদমক্তা থবক অসি তোবা ঙমগদ্রা?"

তোনয়া খৌগৎলমই।

"ঐহাক লিজা সুখার্কোগীদা চৎলগা মাগা ঐগা পুম্না স্টেসনদা চৎমিন্নগে। অদুনা নঙগী চেহ্ ইরো, ঐহাক মচু সেরিওজাদা পীরমগে। মহাকপু কদাইদা লৈবনো? করিগুম্বা মহাক উরবা মতমদা মানা নহাকপু উরবা পামলমলবদি নহাক মকমসিদা লৈ হায়বসি তাকথোকপা য়াগ্রা?"

পাওখুম পীদ্রিদ্রে মমাংদা পাভেল মীকুপ খর য়াফম অদুবু য়ুম্বা খল্লমই।

"মতোন্দা নোংমৈ অদু নখোয়গী হিংখোলদা লুমিদাং-য়াইরমদা পুরক্লুবা খর হায়বীয়ু।"

তোনয়ানা হন্নকপা মতম্মদদি লুমিদাং অদু য়াম্না থেংলে। পাভেল লুংঙাইনা চুমক্লনা লৈরমই। মখাক্কী মথুংনা পাভেলদা শোকলুবা মতমদা মহাক হৌগৎলমই, মমিৎ পাংখোরকপা মতমদদি লুংশিরবী তোনয়ানা মনাক্তা হরাউ মোমোম্না লুংঙাইনা লেপতুনা লৈরম্বা উরমই।

"আর্টেম মকম অসিদা হৌজিক থুনা লাক্লগনি। মহাক হৌজিক্তা হল্লকলমলি। লিজাগী মপাইবুংতোনা দায় পুবীদুনা মহাকপু পুংখাই অমগী মতম পীবীদুনা মকম অসিদা লাক্নৌরিবনি। ঈঞ্জিন অদু স্টেসনদা থামলি। ঐনা মতোন্দা

নহাক মকম অদিদা লৈ হায়বদি ঙমদবগী হায়রমদে। অদুগা ঐনা মঙোন্দা অরুবা রা অমা হায়গদবা লৈ হায়রমই। তো নহাক হৌজিক লাকলে।"

তোনয়া থোং হাংদোক্লবা থোঙদা চেনশিন্নখী। আর্টেম থোঙজিন্দা পুমঙক ঙক্লা, মশামকী মীৎপু থাজদবগা লোয়ননা লেপলমই। মখোয়না ঙাংন-শানবা রাশিং, দাইকংস নাচুনা ভুমিন্না লৈরিবা মপানা তাদনবা তোনয়ানা আর্টেমগী তুংদা থোঙ থিংজিল্লমই। থংনবা মিকুপ্তা, মতম মকম মরা থংদনা মাংখ্রবা, অমুক হন্না উগনি উরোই থংলুত্রবা মনাও মুপানা ইথা থাজদন মকমতুদা লৈরম্মুদ, অঙকপনা পুমপং পংথক্লবা আর্টেমনা মনাও মুপা পাভেলবু চংশিন্দুনা চেংনা কোনশিল্লমই, থপ্মোইদা মনাওবু মুংশিবগী ঈচেলনা ঙংদুনা লাওদুনা চেন-থরক্লমই অদুগা থোনজেল থোক্লা কপলক্লমই: "পাভেল, ইবুংঙো, ইয়াম্বগী পীক্লিবা পাভেল!"

অস্তম তৌদুনা, পাভেল হয়েংগী মুমিত্তা মকম অদু থা-দোকপা চায়ন থম্নরে। কাজ্জাতিন্দা চংকদবা ট্রেন অমদা পাভেল য়াওখিনবগীদমক আর্টেমনা ক্রুজাক্ত পাভেলবু শিন্নরে। মতম চুপ্পদা রা কয়া ঙংগনবা, ভুমিন্নত লৈগনবা, হরাও-মুংঙাইথোক্লন্দবা আর্টেম, মুমিৎ থরনি, মকম মরা থংদনা মনাওনা মংখিবগী তাথন্না ফুক্সংনখন্ন অদুগী রাংমদা মনাও মুপাবু অমুক ফংজবদা মশানা মশাবু কাওথোকচনা মুংঙাই-জরমই।

"অতুনা রাক্ষম অনি লেপ্লরে। হয়েং অমুক্তা পুং ৫ তাবা মতমদা নহাক ওরাল হাউসতা লৈগদবনি। মখোইনা গাড়ীদা শীঙ হাপলিট্টে মতমদা নহাক লিংশিন্নখোগদবনি। ঐ মকম-শিদা ঙাইহাক লৈদুনা নংগা রারী রাতায় শারগে থনবনি অহুম, ঐ হৌজিক অমুক্ত হনখিবা তারি। হয়েং উন্নসি।

অম´মশিংনা মকমসিদা লৈরমগুম্বা ঐখোয় খুৎলায় পায়বা ইসকে´াশিংনা ঙাক-শেন্দুনা চৎকদৌরিবনি।"

অদুম্বা রারী-রাস্তায় থর শায়রবা মতুংদা আর্টে´ম মনাও ঙুপাবু বাদায় পীরমলগা হল্লকলম্মই।

হুমিদাংগী অমম্বনা খোঙথাং য়াংনা চংশিল্লক্লমই, সার্গে খুনমক নোংমৈ অদু পুরদুনা হুংঙরগনি। মহাক্না সার্গেবু ঙাইবদা পোশাকম থংদনা ময়বা কাগী মচুংদা তাপথেন তাদনা হজং হন্দা পংচৎত চৎলমই। মতমদুদা তোনয়া অমম্তুং মমাদি ফোরেষ্ট রার্ডেন, মপাগী কাদা মপাগা লৈমিন্নরি।

সার্গে লাকলবা মতমদা মখোয় শম্বল ময়াদা উমরম্মই। হুংশিনরবা মরুপ অনিদো মথুৎ তিংথোক্লদুনা হরাওনা খুৎ শোক্লরমই। সার্গেনা ভলয়াবুসু লোয়নরকলমই। মখোয়না য়াম্না তপ্প', খোনজেলদা হৌদনা রারী শায়রমই।

"নোংমৈ অদুদি ঐ পুরক্লে," সার্গেনা হায়রমই। "নখোইগী মনিং অদুদি পেটলুংবা মীশিংনা থম্না লৈরে। গাড়ীশিং মকম খুদাংদা থারি। মকমদুদা মখোয় বোনফাইয়ার তৌরি। মরম অদুনা ঐনা নোংমৈ অদু লৌথনবা উকাবা ঙমদ্রে। মসি ইকায়রিঙাইনি।" সার্গে´না হুংঙাইতনা হায়রমই।

"অদুগী করি অমত্ত থল্লুগনু," পাভেলনা মহাকী হুংঙাইতবা অদুবু থেমজিল্লদুনা হায়রমই। "নোংমৈ য়াওদবা অসিনসু অকবা ওইবা য়াই। করিগুম্বা লম্বীদা মখোয়না ঐবু নোংমৈদুগা কোয়না ফাখ্রবদি মদুনা হেন্না ফত্তবা য়াই। তৌইগুম্বসুং, নহাক্না মদুবু থর লৌশিন্দুনদি থম্বীয়ু।"

মবাম্মীনা অদুম্বা বা ঙাংনরিদৈ মতমদা ভলয়া পাভেলগী মনাক্ত চংশিল্লকলমই।

"নহাক কৈদৌদৈ চৎকদৌরিবনো?"

"হয়েং নোং-ঙাম্লকপদা"

"নহাক্ত মতৌ করম্না নাম্বোকখিগে হায়না শিল্লিবগে? ঐখোয়দা খর হায়মু।"

পাভেলনা ৱাম্না থুনা লোম্না যাগী ৱাম্নী মখোয়দা লীরমই। অহুদগী মহাক্তা মাগী সুংশিজরবা কমরেডশিং অহুদগী কায়নরমই। মতমচুদা, মতম চুপ্পদা হরাউ মুংঙাইখোক্লভ লৈরবা সাইগ দো নাহনমখৈগা মান্নদবা মওংদা তুমিন লৈখিরমই।

"লাইবক ফবা ওইয়ুকো, পাংভেল, ঐখোয়বু কাওবীগনুকো," ভলয়ানা থম্মোই শোকলবা খোনজেল্দা হায়রমই। অসি হায়রমলগ মখোয় চৎখিরমই। মীকুপ অমগী মতুংদা অমম্না কৌবনা মখোয়বু য়োৎশিনখিরমই।

য়ুম মন্নুংদদি পুমচিক চিকলমই। পুংজাগী মশিংবু থিরিবা মড়ীগী সেকেণ্ড কাটাগী তেক তেক লাওবা খোনজেলহুত্তনি কাড়ুগী অচিকপপু থুগাইরিবা হায়ববু।

য়ুম মন্নুংদা লৈরিবা মী অনিদি অহিং অহু তুমগে হায়বগী বাথল লৈরমদে। করম্নবু তুম্বা য়'রুগনি, পুং তরুক তাবা মতমদা মখোয় কায়নগ্রগদবনি। অয়াবদি, হন্দক কায়নবা অসিদগী মখোয় অনি অমুক হন্না উনদবস্ত য়াই।

অচিকপা, অহাংবা মতম য়াম্না ফংলবদা, মখোইগী থম্মোইদা ওংহুনা লৈরিবা ফোংদোরবা ওমত্রবা ৱাহৈ লৌশিং লীশিংবু ফোংদোক্লগনি হায়ববু ওইখোকপ্রা? ইনখৎলকলিবা, নহা ওইবগী শায়বা ঈচেম্না হকচাং মনুংনরিবা, মশানা খংজগ্রবস্ত কামগী ঈহৌনা চোংলিবা মিহুলবু থুগৎহল্লকই, মতমচুদা নহাকী চামজরবী মুজাহুগী থাইন্দা নহাকী খুৎনা পাইক্লরবদি কিনবু নত্রগা চিংননবু ওইরবস্ত, নহা ওইবগী ঈচেম্না হেনখিহুনা নহাক শোয়দনা অয়োবী খোঙথাং থাঙজিনবা তাবনি। তমৌয়বী মাগী কাম ঈথক্লা অশাবা ঈচেল হাপলবা পাম্বোমনা নহাকী চুকশমদা কোন্দুনা মৈরি ফুদোংনরবা থোংলবা চিনমালনা নহাকী

কামগী মৈশাদা ইকুনা লৈরবা চিন্বালদা চুপ্লক্রবদা, থাগা থাগা খেংগায়-ভক্রবদা নহাক্না মতুদগী কেন্না মুংঙাইবা থম্মোই পেনজবা করম্বা মুংঙাইবা অমমুক মকম কৈদগী লৌরুগনি! হন্দক অমুক চুপ্লরকলিবা সিনা মুংশিনরিবা শাবী-শানৌ অনিসিগী অনিগুবা কামগী মশামনি। পাভেল, মহাক্কী পুন্সিদা মহাক্না চংচরুবা থাংগুমদবগী লমচং কয়াদগী কয়ারক ফুবীরকপগী চৈ-মাখোলদি মতিক চানা ফংগ্রবনি অদুবু অম্মম্না মুংশিজরবী অমনা থম্মোই য়াওনা কোনবীহুনা চুপ্লীবদি কৈদৌউৈগুদম্ম চুপ্লীখিদ্রি। মমা ইবেম্মনা মচা অমা ওইবগীদমক অতোপ্পা মুংশিবা অমনা চুপ্লীবা নঙনা। হৌজিকতা পুন্সি অসিনা মঙোন্দা পুন্সিগী তমথীরবা নাকল অমবু খংহনবীরে, অসিগুম্বা পুন্সি, অম্ভক য়াম্না মুংঙাইনিঙাই ওইবা অসি লৈরমগনি হায়রব: খংজরমদবনি, অদুবু মুংশিরবী মশানৌ মুপীমচা অসিনা তঙ্গীরে মঙোন্দা, অশেংবা মুংঙাইবা অদু করিনো হায়রবা।

পাভেল, মুংশিরবী মহাক্কী মুংশিরবী শম্লাংগী মনমনা মহাক্কী থম্মোইমুং ফাওনা লৈতেংনগ্রবোই, মৈ থান্দ্রবা, মম্লবা ওইদুনম্ম মহাক্নু চানবীহুগী মিংসনাবু তক্ক তক্না উবগুম তৌরমই।

" তোনয়, ঐনা নহাকপু অম্বক্কী মতিক মুংশিজে, নহাকপু মুংশিজবা অসি কয়াগী মতিক মুংশিজবগে হায়রবু ঐনা মদুবু কোংদোকচবা গুমদে, মতৌ করম্না কোংদোক্নদগে হায়বম্ম ঐহাক খংজদে।"

মহাক্কী মাঠা উক্ক উক্ক লৈবগুম তৌরমই। কয়াদা মুং ঙাইগ্রবা মহাক্কী খোংলবা নাল্লবা হকচাংসি .... তৌইগুম্মমুং নহা ওইবগী মুংশিনবগী মরি অসিদি শেংলবা থাজনফমনি।

" তোময়া, অসিগুম্বা লাম্হেংন অসিনা লোয়গ্রবা মভুংদা ঐহাক মেকানিক অমগী থবক ফংগনি, করিগুম্বা নহাক্না ঐবু

সুংশিরবদি ইচম চম্না শাম্নগে হায়বগী নত্তনা তশেংনমক মসিবু নহাক্তু লুথনা থন্দুনা ঐগী সুংশিববু মশ্না চেংফনব্রীরবদি, ঐহাক নহাক্তী হায়বা ইলবা নপুম্নোইবা অম শোইদনা ওইগনি। ঐনা নংবু কৈদৌঙৈঙদস্ত ফুরে'ই, নহাক্তী মাংনবা, শোম্নবা কৈদৌ-ঙৈঙদস্ত তোম্নোই, ম্নাশকইবসিনি।"

অমনা অমগী পাম্বোমদা ভুমখুন হুমনঞ্জবদি কত্তবা থোক্লকপা ম্নাই হায়না কীবদগী তোমম্নাগী মমানা মথোম অনিবু থাম্নদোক্লরমই পুন্সি চুম্নগী অমনা অমবু কাওথোক্লবা ঙম্নরোইদ্রবা থম্মোইগী লাংদাই কয়ামুক তাইশিম্নরবা মতুংদা শাবী শানৌ অনি অত্তু ভুম্নখিরমই। মথোম্নদা ভুমবা মতমদদি নোংঙানগদৌরে।

ম্নেকাটরিনা মিখাইলেভনানা পাভেলবু অয়ুক ঙত্তানা হৌদোকপীরমই। পাভেল ফমুংদগী হোগংত্তুনা ঈরুজফম কাদা ঈরুজত্তুনা মনাক্তী কিজোলশিং শেংচিন্দুনা ডোলিনিক্তী জেকেটনা মথক থংত্তুনা ফুরিং লিংশিল্লিঙৈ, খোড়ুপ বুট ভোংশিল্লিঙৈদা, মমা ইবেম্মনা তোনম্নাবুস্ত হৌদোকপীরমই। মথোম্নদা থুনমক অয়ুক্তী লৈচিন মরক্ত স্টেসন তানা চংলমই। মথোম্নদা উয়াম থমলিবা ম্নাডকা মনিঙ থংবা লম্বীদা অটেম উম্নরমই। অটেমদি থোম্নাংনা উ থম্না হাপচিল্লবা তেন্দর অমগী নাকন্দা মথোইবু ঙাইত্তুনা লৈরমই।

মপাঙ্গল চাওরবা ঈঞ্জিন অত্তু অশাবা মনিল মপৈ মপৈ কামথোক্লত্তুনা তপ্ন তপ্ন চংপা হৌরমই। ক্রুজাক্লা ঈঞ্জিন থৌফমদগী য়েংথোকরকলমই।

পাভেল, তোনম্না অমস্তং অটেমদা তহানবা বীদাম্ন পীরম্নগা ঈঞ্জিনগী ম্নোংকী থুংপাইকম বাম্নদা পাইত্তুনা কাথংখিরমই। মহাক্লা ঈঞ্জিন মথক্তগী হম্না য়েংথোরকপা মতমদা লম্নী অনিগী লাম্মো-ক্লফমদা মহাক্তী থম্মোই মিত্তারম্ন মুক্তি অনি থক উরম্নই—

রাং চাওরবা আর্টেমগী অকনবগী শক্তম্মরব য়ুর্ত্তি, অদুগা নৌরবী তোনয়াগী নিংথীজবা চিংলম্মবা মুত্তিদুনা মহাক্কী মাকখা লেপ্তুনা লৈবা। শিংলিবা লৌরি হুগা মালংনা শাওরংনম্ম মহাক্কী য়্রাউজগী কোনরবা কুমলমই, নিংথিজরবা শম্লাং শমহাঃ থুগাই-রমই। অচঙবা মুকাগী শম্লাংবু হুম্রগা মালংহুনা পাজেলগী লুরবা থম্মোই তগ্না মুংশিগী খাংঙমদবা মপাও পুক্কুনা হুমখিরমই। কায়নগ্রবা মশাবীদ্রবু চিংনা য়েংহুনা তনৌরবী মথুং খাঙংতুনা তপ্না তপ্না হাইরমই।

আর্টেম মীংচিন্না তোনয়াদা য়েংলমই। তোনয়াগী নীং-থিরবী মীংলুদগী পীরাং শিন্দরকদোরে কায়বা উরমই, মহুনা আর্টে'ম খর শাংনা কোল্লমই।

“মখোয় অনিমিগী মরক্তা কম্রিগুম্বা মরি অম শোইদনা লৈরম্রগনি,” মহাক মত্তোমত্ত হায়জরমই। “অদুগা ঐগী বাখল-দদি পাজেল অস্নুমক পীকলিবা অঙাং অমগুম খল্লি!”

রেলগাড়ী অহুনা কোনা অমা লৈশিনখিজুনা মখোইগী মীং-য়েংগী মাংম'লানগ্রবদা আর্টে'মদা তোনয়াদা ওনশিন্দুনা হায়-রক্রমই:

“ঐখোয় মরূপ ওইনম্রসিকো?” অসি হায়জুনা মথুং শোক্লরমই। মহাক্কী চাওরবা খুবাংহুদা পীকলবা তোনয়াগী খুৎশা হেম্না পিকশিন্না উরমই।

অথাম্নগী পাজেলবু পুম্বিবা রেলগাড়ীনা মাংনা চেনখিবগী খোনজেল তারমই।

তরেংশুবা মতাং

কাপ্পা অমম্বোমদি টাউন অদু লানগী খোংবাম্না কোয়-
শিন, খল্লোই-অথুক্কনা য়োংলি-তিথংগী মশক ওইরবা অরাবগী
লাংদা থুরমই। কুমিদাংগী মরায়দা লানগী অরা চৈথেংবদুনা
ভুমগ্রপা অয়ুক্কী মতমদা নোংমৈগী খোনজেলক্ত য়াহোনরমই।
অহিং মইম চোত্থরকলবদা অদুগুম্বা লানগী চরাং-খোইরাংনবগী
অরাংবা ঈরাং অদু নেমথখিগনি। অদু কাওবদা বোর্ডর
চাকপা সন্নাশিং অমগা অমগা য়েংশিন্নবদগী নোংমৈ কাপ্পবগী
খোনজেল্লা অহিংগী অচিকপপু থুগাইদে হায়বরা। নোং চাল-
লকপদা রেল স্টেসনগী নোংমৈ শরেং থমকমদা লাম্নাশিং মথৌ
য়াম্না চিন্নরমই। অচৌবা নোংমৈ অমগী অমুবা চিন্নোলদগী
য়াম্না ভয়থীরবা খোনজেলগা লোইমনা কাপথিরমই। মতুং
শেন্নবা মীশিংনা অতোপ্পা নোংমৈ মরু অমা অমুক ভবাননা
হানজিন্দুনা কাপ্পবা তোংনরমই। অদুগুম্বা থুকাংগুগী নোংমৈ
মরুনা লৈমায়দা তাবা খুদৌংগী পৃথিবী অসে থাংগুমদ্রেবগুম থক-থক
নিক্লমই। সহরদগী ভরন্ট অতুংলোম লাপ্পা য়েডশিংনা পাই-
রিবা খুঙ্গংগী লমদা, লোইনাইরবা খোনজেলগা লোয়ননা গুংহুনা
কাপলকপা নোংমৈ মরুনা লৈমায়দা তাদুনা, ঈশিংগী ঈফুংনা
কাপথংপগী মতৌগুম, লৈমায়দা কোম, কোম শেমলমলগা
লৈবাক মপৈ-মপৈনা অর্গ ভম্না পাইথংদুনা অহৌবা খোঞ্জেল্দুনা
খোঞ্জেল পুন্নমকপু নমহংদুনা পোকথাররমই।

খুঙ্গংগী মরায়দা লৈবা অহাংবা চিং অমগী মথক্তা লিরবা
পোলিস থোনাক্তি অমা লৈ। মতুগী স্থমায়দনি য়েডশিংগী য়েটয়ি
[কাপ্পবগীদমক নোংমৈ মরাম থম্ফম] খিল্লিবা। য়েটরী অদুগী মিলি
টরী কমিসায় কমরেড জামোস্তিন হৌগংলক্লমই। মহাক নোংমৈ
অমদা কৈগাক্লা য়োনথাংনদুনা ছুমলম্বনি। হৌজিক্কী, লুপ্পা

মাউজর য়ানব বেল্ট কাক্তিল্লগা পোকখাইগদৌরবা নোংমৈ মরুনা-পাইবা তারমই। অদুদগী স্ত্রমায় অদো মহাক্না চংলহুনা চাংলকপা খোনজেলনা নিল্লমই।

"হৌগৎপগী মতম ওইরে, কমরেডশিং।"

নোংমৈ শেন্নব কমরেডশিং অদো মখোয় মখোয়গী নোংমৈ-শিংগী নাকন্দা ,ভুমলাস্নদগী কমিসারনা হায়খিবগুম্না য়াম্না থুনা হৌগৎলমই। তৌইগুম্মস্থং কমরেড সিদোরচুকতি য়াম্না হৈনিংদনা মচক থাঙ্গৎলহুনা ভুমনিংলিবা মীৎনা কোয়রম্বং য়েংলমই।

"শাগুম্নশিংসে নোংঙান্দ্রীতৈনা অমুক হৌরকলেদনা, ওন্থোক্ক চুকচপ্রেদা, মখোং মরম খংদবশিংসে।"

মহাক্কী য়াঙাং তারগা ঙাম্মোহ্নিন নোকলমই। "সিদোচু'ক, লৈবাকমচা তাদবা, মীরক তিন্দবা হয়বহুনি মখোয়সে, নহাক ভুমনিংলমগনি ভুমনিংলমলোই হায়বকাক ইথন খন্দবা জাৎনি।" অদগীদি খুৎলাই পায়বা লাম্মীহ শাউনিংনা হৌগৎলক্রমই। মিনিট খরগী মতুংদগীদি মোনাস্ত্রিয়ার্ড অদুদগী টাউন্দা নোংমৈ কাপশিনবগী থবক হৌরকলমই।

স্থগর বিকাইনরিগী রাংলবা মৈথু থোককম মৈথু উংতোং অদুগী মথক্ক উপাক থারহুনা পেটল্যুরা অফিসার অম অমন্থং টেলিফোনলিঙ্ক অম ফমলি। মখোয় চিমনিগী মমুংদা য়োংকী কৈরাক অমদগী কাথৎলকপনি। অদুগুম্না খুদোং চাবা লৌবগী মীৎয়েংকম অদুদগী মখোয়গী নোংমৈ শেন্নবশিং অদুদা কাপকদবা মায়কৈ তাকলমই। মখোয়গী ফিলডগ্লাসকী মতেংনা টাউন অদুবু লাক্লোয় চনশিন্নকইবা রেড ক্রুপশিংনা লেংলিবা, তৌরিবা খুদীংমক উরমই। ঙসিদি তশেংনমক বোলসেভিকশিং অদো থৌনা অমগা লোয়নমনা চংশিন্নকলমই। মতমহুদা খুৎলায় য়াওরবা রেলগাড়ী অম মীয়াম্না নোংমৈ কাপশিনবগী মরক্ক পোতোলক্ক স্টেসনদা চংশিন্নকলমই। মহুগী তুংদা লান্দারক্লিবা

খোঙমী লাম্নীশিং উরমই। কয়ারক তম্না য়েঙ্ উ কাংবুম্না অকনবা নোংথৈ হুংশিংকী শক পাম্নবা লাম্না অমগা লোয়নন্না টাঙ্উন্দ অদুবু লৌনবা হোৎনবনি, ভৌইঙুমদুং পেটল্যুরা কাংবুনা চংশিল্লকপা অদুবু কয়থক থিংলময়ই। অথিংবশিং অদুনা লানগী লাংখোঙশিংদগী মৈবুল অমগী মভৌঙুম, অচৌবা লানকম অমগী অরোইবী পথেংদা অতিয়া শিনবা থুংনা ঙুং ঙুং ঙংলদুনা, লোইনাইদবা খোনজেলগা লোইনমা কাপশিল্লকলময়ই। মীওইবনা খাংবা ঙমলরোইদ্রবা নোংথৈ মরুগী নোং - হুংশিং অদুনা হুমলকপদা শিরবা হকচাংশিং লানকম য়য়াইদা ছন্দো-লমদুনা বোলসেভিকী লাম্নীশিং ভুংলোমদা হন্দোকলময়ই।

ঙসিদি টাঙ্উন্দা কাপশিল্লকলিবা নোংথৈগী লান অদো মমাংথৈঙদগী হেন্না কন্ন, লেম্না লৈতনা কাপশিল্লকলময়ই। হাংলবা অতিয়া নোংথৈ খোনজেল্লা লেম্না লৈতনা ঙংলক খোঙ্হাং মৈরকপনা থক থক নিকলময়ই। চিনি রিকাইনরিগী মৈথু উভোংগী মতোন্দগী য়েংলবদি নকাক্না শোইদনা উবা ঙমগনি বোলসেভিকশিংনা তপ্পা তপনা, থিংঙমদবা অমগা লোয়ননা লৈমায়দা শিং শিংভুনা মাংহ্রবা থৌনা অমুক হনজিন্নবা মাংলোমদা চংশিল্লকপা। কৌভিজ্জি রেল ষ্টেসন্দু মতুনা পুম্নমক মখোয়না লৌশিল্লে। মসিদগী পেটল্যুরা ভিভিজকগী থাজুনা থমলবা লানমী পুম্নমক বোলসেভিকশিংগা থেংগাইনবা থাজিল্লময়ই, অদু ওইদুনন্থ, পেটল্যুরাশিংনা মখোয়গী হোৎনবা লাল ওংবুদি থক মেনশিনবা ঙমলমদে। অদুদগী বোলসেভিকশিংনা লেপ্পলবা থৌনা অমগা লোয়ননা ষ্টেসনগা নক্কবা সড়কশিংদা মখোয়গী লানমীশিং চাইথাযরক্লময়ই, মতুংদা পেটল্যুরাগী অহুমশুবা রেজিমেন্টকী সিকাইশিং টাঙ্উনগী মতাইদা হৈকোনশিংদা, লৈকোল্লশিংদা, হিংখোলশিংদা লৈরমদগী তাংথাযরম্লময়ই। মখোয়-না অচৌবা থিবম অম অমুক পেৎজিনবা ঙমহ্রিদ্রৈঙদা বোলস-

ফিজকশিংনা শজিনগী লান তারদুনা সড়কশিংদা চংশিল্লকলমই মদুনা তুংদা লৈহৌবা পেটল্যুরা পিককেটশিংবু তানখায়রক্লমই।

কুরি অমত্তনা সাগৈ ক্রুজজাকপু, মখোই অমস্তং মখোইগী ইমুং মপুংগী মীশিং, নকুবা যুমলোয়বশিংনা লোংলরিবা যুমগী মথা থংবা কাদা তুমিন্না ইংথনা লৈহনুবা শুমলমদে। মহাকী মমানা মঙেন্দা ভাংজ শকচরিবশিং অহুগী রাংমদা ক্রুজজাক্লা চোং-চোং লাওরব, ইংলবা কাত্তুদগী কাথংতুনা মপান্দা থোক্লমই; মতমদুদা থুংলাই পুবা সগাইডাচনি কৌবা গাড়ী অম যুমহুগী মপা লাক্লোক্লুনা মাগী নাকন্দগী যাম্না তমথিনা নোংমৈ কাপ্লা, কাপলদুনা চংখিরমই। মহুগী মতুংদা মায়থিবগী অকিবনা হৈহংলবা পেংল্যুরা লানমীশিংনা ইচাই চাইনা চেল্লমই। মখোয়শিং অডুদগী লানমী অমদি সাগৈগী শুমায়রোমদা লিং শিল্লকলমই। মকমতুদা মহাক্লা যাম্না পাখং তহাননা মহাকী নোংমৈ মরুগী বেলট টুপী লৌখোক্লহুনা নোংমৈগা লোয়ননা তন্দোক্লমলগা শম্বল চোংতুনা চেনখিরমই। মহাক অদো চাক শংগী হিংখোল রাংমা লান্দুনা মাংখিরমই। সাগৈ সড়ক্লোদা মুম্না য়েংলমই। মতুদা মহাক্লা উরমই — পেটল্যুরা লানমী শিংনা থা নোংচুপ থংবা ষ্টেসনগী লম্বীরোমদা মখোয়গী মায়থিববু থুংলাই পুবা গাড়ী অমনা খোন্দুনা চেল্লখিবা অদো। টাউনলোমদা চংলিবা হাইরেহুদি মী অমত্তা চৎলমদে। ইচিক চিকলমই। ডাইহাক লৈরগা রেডকী লানমী অমা উরক্লমই। মতমদুদা মহাক মশা লৈমায়দা উপথদুনা পাকথরমই অহুগা লম্বীদা নোংমৈ কাপলমই। অতুগী অনিশুবা অমস্তং অহুমশুবা রেড আর্মি মথং মথং অহানবতুগী মতুংদা উরকলমই। মখোয়না পাকথদুনা মশা কোক্ষরকপ্ল নোংমৈ কাপলদুনা চেল্লকপা উরমই। পিথ্রাই মচুগী মায়খোংনবা, মথিং জৈগী মত্তৌশুম ডাংশং ডাংবা চিনা থুপা অম মোজাফুরিত অমগা মেচিনগন বেলট উহনগে, ওক্তবা অডাং! লাওনে, কয়ম্না লাক্লেংনগদগে হায়বহু

কারদুনা খুবাং অমিদা গ্রেনেট অমমম পায়রদুনা য়াম্না কয়া চেলকলমই। পুম্নমক অহৃগী মমাং থানা নহা ওইরিবা রেড আর্মি অম লাইট মেচিনগন অম পাইরদুনা লাকলমই। অতুম্না মাংজিন থাবা রেড আর্মিশিং টাউন্দা চংলকলমই। সাগৈদি হরাউ নুংঙাইবনা থম্মোই অথুক্না লম্বীদা চেম্মো-রকলমই অদুগা মহাক্ত হেক ওমজবথৈ কয়া লাওরমই:

"কমরেডশিং কুইনা থিংসল্ল!"

ইথ থাজদনা অতুম্না থোকখিরমই মহুদি মহাক্না হরাউনা চেম্মোরকপদুদা চিনা মুপা অদুনা খুচেপ কায়রমই। অদুগা চাইনিজ মুপা অদুনা মতোন্দা ওনশিল্লকলমই অহুবু সাগৈগী মারথোংদা মোমোম্নবা হরাউ নুংঙাইবগী ঈথিল উবদুদা মহাকী পুক্নীং শাথদুনা লেপলমই।

"পেটল্যারাশিং কদাইদা লৈ?" চাইনিজ অদুনা খর কুইনা ফোংদুনা ঙংলদুনা হংলমই। মহাক্না অদুম্না হংজরবস্থ করিগুম্বা ঈথক অমদা লৈখিবনা সাগৈ করি অমত্ত থোশা-রমদে। মতুগী মতুংতা পেটল্যারা লানমীমা হুম্মোকলগা নোংমৈ মরুগী বেলট অমদি নোংমৈ পাইরদুনা য়াড়লোমদা রেড আর্মিশিংগী মতুং ইন্দুনা চেনখিরমই। রেড লানমীশিংনদি থা-নোংচুপকী ষ্টেসন থুগাইত্রিবমথৈগী মমাংদদি মরাকপু থং লমদে। নোংমৈ অমদি নোংমৈ মক্ত পুবা রেলগাড়ীশিংগী লম্বী ককথংলবা অমদি য়েক্রবশিংবু তঙ্কলদ জানশিল্লবা মক্তুংদা মখোয় পুল্লপ পুনশিন্দুনা লেপলমই পোথানবমীদমক। মেচি-নগন পাইবা নহা ওইরিবা মুপা অদুনা সাগৈগী মমাঙদা চংশিল্লদুনা ওক্না হংলমই:

"নহাক কদাইদগীনো কমরেড?"

"ঐহাক টাউন অসিদগীনি। নখোয় লাকপা ঙাইবা কুইরকলবনি।"

অস্তুম্না মনা অম্তুগা য়ায়ী শাম্নবদগুদ' রেড আর্মিশিংজো সাগৈ'গী কোইশিল্লকলমই।

"ঐহাক মাবু থংই," চাইনিজ অত্তুনা অরানবা রুসিয়ান মরোন্দা হায়রমই। "মহাকনা কমব্রেডশিং কুইনা হিংসন্তু।" হায়না লাওথিখনি।" মহাক্না সাগৈ'গী লেংবান্দা সুংশিনা পোপ পোপ থারত্তুনা মোমোন নোকলত্তুনা মথা তারকলমই.

"মহাক বোলসেভিকনি, অফবা মীনি' ঐখোয়গা লোয়নবা য়াগনি।" য়াহৈশিং অহু তাবদা সাগৈ'গী থম্মোই হয়াউ মখোল হাপলমই। মহাক্না অত্তুগুম্বা মীকুপ্পু মতুংদা বোলসেভিক অমনি হায়ত্তুনা হয়াউনা য়াজরমই। অস্তুম্না, মহাক্না মখোয়গা লোয়ননা শজিনগী লান্দাদা ষ্টেসন অত্তু লৌশিল্লমই।

টাউন অরাংবা অম ওইরমই। অয়াবা থাংলুবগী চোকথরবা টাউনগী মীশিংনা, য়ুমগী মথা ইথং-থংবা কাদগী, কাশিংদগী খোক্লরক্তুনা কোম্বোংশিংদা লেপলত্তুনা রেডশিংনা টাউন্দা চংলকপবু য়েংনরমই। অস্তুম্না য়েংনবসিদনি, সাগৈ'গী মমা অমদি মাগী মচন শুলয়ানা সাগৈ' রেড লান্মীশিংগী মরক্তা চৎপা উরুবসি। মহাক টুপী উপক্তে তৌইগুম্মস্তুং লোংথৈ মরুগী বেল্ট অম কাই, লেংবান্দা রাইফল অম য়াল্লি।

এন্টোনিনা ভসিলৈভনা হায়কম থংদবমখৈ শাউমীংনা মথুৎ থাজংলমই। মরমদি মহাকী মচানুপা সেরিওজা লানথেংনবত্তুদা য়াংদ্রে। মসিগীদমক্তু মহাকপু য়ায়কপা তাবনি। কয়াদনো, মহাক্ন টাউন অপুম্বগী মীয়ামসিগী মমাংদা রাইফল অম পাইরত্তুনা পেরেড য়াওরিবা। মত্তু তুংদা খুদোং থীবা খোয়রুবগী মরম শোইদনা নৈরবনি। পুম্নমক অহু উরুরগা এন্টোনিনা ভসিলৈভনা তুমিম্না থাংত্তুনা নৈখোকপা ওমলমদে।

"সেরিওজা, মীকুপলিদা পুন্নমক খোয়কউ!" মহাকনা লাজয়রমই। ঐনা নঙোন্দা করমনা লমচংকদগে হায়বহু

ভম্বীগেনে !" অসি হায়রগা ভসিলৈজনা মচাবু পুথোকলক্লগে হায়বগী অনিংবা অমগা লোয়ননা সড়ক্কা থোক্লকলমই।

মতমসিদা, মহাকী সেম্বিওক্সা, মহাকী মচানুপা মহাক্কা কয়ারক হল্লা কুবাঁপ্তব, মীরামচুগী মমাংদুদা শাউনিংবা অমদি, ইকায়বনা মযায় ঈচপমুক প্তাংনা মমারোমদা ভমথীনা লেং-লকলমই:

"গা, গা লাউপক, সিদা লৈবিবসিনি ঐ" অসি হায়রক্লনা মীকুপ অমকাওনা শম্বুরমদমা চংথিরমই।

এন্টোনিনা ভসিলৈজনা শাউনা নাকল্লা লেপক্লনা লৈ-ফৌরমই। "হৈক, নহাক্কা কমাদা অদুম্না হায়ব ! কিক্রবদি মং মভুংদা যুমদ লাক্ক লাকউ থংগনি !"

"ঐ কদোইদ্রেদম্ব লাক্লরোই !" সাগৈ'না মমারোমদা ওন শিনবকাক ভৌননা লাউরকলমই। মচাগী রাইং ভাবদা এন্টোনিনা ভসিলৈজনা, মুংশিং-মুংশাগী চৈথেং ফংলবা, থো-ংলবা লাম্মীশিং অদুনা চংপ্রবা কাওবদা ভুমিন লেপ্তুনা মচানা চংথিবা য়েংদুনা লৈহৌরমই।

"কপকম্ব ইমা। ঐখোয়না নহাকী নচানুপা অসে কমি-সার অমা ওইহনগনি," হবাউ-মুংঙাইবগী কল্পবা খোজেল অম থোরকলমই। পুক্লীং শেনজ থরাই ভানা নোকপগী খোজেম্মা প্লেটুন অদু নিকলমই। মীরাম চংলিবগী মকোক থংবরোমদগী ঈশৈগী খোনজেল অম থোরকলমই:

> কমরেডশিং, বেক্সলগী খোম্বাং হৈরকলে
> লাম্বেংনবগীদমক থাজংলো খুৎলাই লেংবাম্বক্ক
> চংশিল্লসি ঐখোয় নিংথাজনগী লমদমদা
> লাম্বেংনসি চাওথোক্ল ঐখোয়গী লানকম্মদা

চংলিবা লাম্মীশিংনা অহৌবা ইনিল অমগা লোয়ননা ঈশৈ অদু য়াওশিল্লমই। সাগৈ'গ্ব মুংশিরবা ঈশৈদুগী খোম্বাং হাপজুনা মুংশিবা খোনজেল শকলমই। হৌদিকী মহাক্ক,

অনৌব ইমুং মনুং, মরি-মতা অম ক'লে। মহাক্না কংজরিবা মরি মতাশিং অদুগী মনুংদা অমদি মহাক্না পাইজরিবা নোংমৈগী শঙ্গিনস্থ অম ওইরমই।

লেজকজিন্সকি য়ুমগী কোন্থোংদা "Revcom" হায়না থাবা অথাবা চেগী সাইনবোর্ড মচা অমা থেংলি। মতুগী নাকন্দা অচৎ-অওক কনাগী পুক্লীং চিংশিনবা, রেড লানমী অমনা "নহাক রেড আর্মিগী য়াওরবরা" হায়না ইবা মমেক্ক মহাকী খুদোংন্থীনা থিনবা পোস্টর অম থেংলি। মরম অসিননি পোলিটিকেল ডিপার্টমেন্টকী মীশিংনা অহিং মুংথিল অনিদা অসিগুম্বা স ইবোর্ড অসি টাউনগী মফম খুদীংদা থেৎননবগীদমক থবক কম্না শুরিবা। হায়রিবা পোস্টর অদুগী মনাকতনি সেপভোভকাগী অওৎ-অনৈ থাংবদা রায়বা প্রজাশিংদা পীবা রিভোলুসনরি কমিটিগী অহানবা প্রোক্লেমেসন থেংলিব:

"কমরেডশিং! প্রোলেটরিয়ান ব্রূপ টাউন লৌশিল্লে। সোভিয়েটকী শক্তি অমুক হনজিল্লকলে। ঐখোয়না নখোয়দা শান্তি ঙাক্লবা য়াথংলি। মীহাৎপা গুণ্ডাশিং অদু টাউন্দগী তাম্থোকপ্লে, অদুবু নখোয়না মখোয়বু অমুক হন্না হল্লকপা পামদ্রবা, মখোয়বু মতম চুম্নগী ওইনা মাংহনখিবা পামলবদি, রেড আর্মিদা য়াও। নখোয়গী শোগৎপা পুম্নমক থবক শুবশিংগী শক্তীদা পীয়ু। টাউন অসিগী মিলিটরি অথোরিতি চিফ অফ গেরিসনগী মখুত্তা লৈগনি। মীচম প্রজাশিংগী শাসনদি রিভোলুসনরি কমিটিনা ভোগনি।

"সহি: ভোলিন্সিক,

চিয়ারমেন, রিভোলুসনরি কমিটি"

অনৌবা মথলগী মীশিং লেজকজিন্সকী য়ুমদা উরকলমই। ভম্বাংখক্ত মীশিংনা মখোয়গী মথবাই কাপ্থাক্লরম্ব'সিনি হায়দুনা ভাকপা ভমদ্রবা, ঐখোয়গী থম্মোইবু হুমদুনা পুখা ভমলবা,

মগুন লৈরবা বাংহৈ "কমরেড" হায়বদো হৌজিক্কী মকম থুদীং মক্ক ভানরকলে।

ডোলিন্নিক্কীদমক্তদি মতম অদো ভুম্বা চাবা ফংলমদে। মহাক রিভোলুসনরি সরকার অম লিংখৎনবা হোৎনবদা অস্তকী মতিক চিল্লমই। অপিকপা কা অমগী থোঙদা চে মচেৎ অমদা পেন্সিলনা "পার্টি কমিটি" হায়না থাবা কাগী মঙ্গুংদ থোইদোকনা মতম চুপ্পদা ইংজ-তপচবী কমরেড ইগ্নৈভেন্তা কমলি। ডোলিন্নিক অমস্তুং মঙোন্দা পোলিটিকেল ডিপার্টমেণ্টনা সোভিয়েট শক্তিগী মশাশিং শাগৎনবগী থবকশিং শিন্নরকপনি। নোংমা চোন্থন অফিস প ইরিবশিংনা টেবলথক্তা টাইপ নম্বগী থবক য়াম্না চিল্লমই। য়াম্ন লিংজেল ফবা, হৈ-শিংবা পাইজিককীনা কমিসারিয়ট অফ সপ্লাইজকী থবক শিল্লমই। হৌজিক্কী টাউনদা সোভিয়েটকী শকতী ফজনা শাগৎলে। পাইজিক্কী অহানবদা স্তুগর রিফাইনরিগী মেকানিক্কী তেংবাংবা অম ওইরম্বনি। মহাক্ক য়াম্না ভমথীবা, লেপলবা পুকচেল অমগা লোয়ননা বোলসেভিকশিংবু ভমথীনা ভুক্কচনা লমচৎপা রিফাইনরি মপুশিংগী মথকতা লালহৌরমই। রিফাইনরি বার্কশিংগী মিটিং অমদা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা ভীবমশিং পন্দূনা থম্মোই শোক্না য়াম্না য়োশিনবা মওংদা পাইজিক্কীনা বা ঙাংলমই।

"হৌগ্রবা মতমদো হৌগ্রে, কৈদৌঙৈদস্ত অযুক হননা লাক্ররোই," মহাক্না অস্তম্না রোসটমগী মপান্দা থুহম্না শুরতুনা পোলিস লোন্দা মহাক্কী বাহৈশিংগী শক্তী হাপ, মীয়ামগী পুক্নীং চিংশিন্দুনা ঙাংলমই।

"ঐখোয়গী ইপা ইপুশিং অমস্তুং ঐখোয় পুন্সি চুপ্পা পোটোকিশিংগী মীনাই মতিক চানা ওইরকলে। ঐখোয়না মখোয়গীদমক্ত কজরবা কোক্তুংশিং শাবীরি, মতুগী লমল শিংবা ওইনা ইলিংথৌ কাউক্তুনা ঐখোয়বু চয়া হেন্দুনা শিননবগী লাংদা থুহনবীরি।"

"চহি কয়া অমুকত্ত পোটৌকি কাউন্টশিং অমদি সান-শুক্তকো নিংথৌমচাশিংনা ঐথোয়গী ইথক্ত নেংথিগদগে? মকম অসিদা থৌনাকবা পোলিস য়ার্কর অমত্ত লৈরম্রা, মহাক অদুনা, মথোয়না রুসিয়ানশিং উক্রেনিয়ানশিংবু ওৎপশুমনা পোটৌকিশিংবু লৈথা ত্তাক্লগদবা? অদুগা হৌজিক্সা পোটৌকি মীনাইশিংনা থবক শুজবশিংদা অসিগুম্বা তোকত্তা অম শঙ্গোকলি মহুদি, সোভিয়েট পায়ারনা ভমথীবা লৈত্তাক শাসন অম চলাই-রকনি হায়না।

কমরেডশিং, অদো য়াম্না লুজদবা মীনম্বা অমনি। জাতি খুদৌংমকা থবক শুবশিংনা অসিগুম্বা মথলগী হৌজিকী নিংতম্বা অসে পামদোইদবনি; জাতি খুদৌংমকী থবক শুবশিংনা জাতি বীজাতি খাইয়োইদবনি। প্রোলেটরিয়ান খুদৌংমক ইচিন ইনাও ত্তাক্তনি।

অচৌ অশাংশিংগীদমক্তদি, ঐথোয়না মথোয়বু চিংথুর-গদবনি হায়বগী য়াথলসে নহাক্না থনজগদবান। অমুকন্থ মহাক্না য়োষ্টমগী ফিবান্দা মথুংনা কয়া শুথরমই। অদুগা মথা ত্তারক্লমই — "ঐথোয়গী ঈচিন ইনাওশিংবু অমনা অমগী ঈ ঈথেংনরিবসিবু কনাননো? শদাব্দী কয়ামুক্তগী নিংথৌশিংনা, অচৌবশিংনা পোলিস লৌমীশিংবু টয়কশিংগা লান্থেংনহনক্লি। মথোয়না জাতি অমগা জাতি অমগা লৈবাক অমগা লৈবাক অমগা থেংননবা ইনশিল্লি। থঙ্গবীহনা য়েংবীয়ু, কয়াদা য়াম্বা অবা-অনাগী মরম মথোয়না ওইরিব! অত্রুগুম্বা লাম্থেংনা, থেংনবা কয়াত্নুদগী কলেকপা কায়বনা কনানা কংলিবা? অদুবু, হৌজিক্তী অবা-অনা অওং-অনৈ ময়াম অদো লেপপ্রগনি। মরমদি শাগা পাংথক্লরবা, অবা-অনা কয়াগী হৌরককম ওইরিবা মথোয়গী মত্তমদো মসিনা লোইরবনি। বোলসেভিকশিংনা ক্রুর্জ্জবাশিংগী থঙ্গোইদা অকিবগী চৈথেং পীরবা থোল্লাও অম লাওরকলে।

লৈবাক খুদৗংমকী শিম্নীশিং, অমত্তা ওইনা পুনশিল্লো। অস্তুম্না থবক শুবশিংনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা ইচিন-ইনাও ঙাক্তনি হায়না খল্লবা মুমিংতুনা, মকমতুদা লৈরবনি ঐখোয়-গী অর'ন খুবম, ঐখোয়গী ভুংগী অকবা আশা হায়বদো। মরম অসিন কমরেডশিং, কম্যুনিষ্ট পার্টিদা হাওবীয়ু "

"নো'মদি শোইদনা পোলিস রিপব্লিক অম ওইরগনি, অদুগুম্না রিপব্লিক অদো পোটোকি হাওব্রবা সোভিয়েট রিপব্লিক ওইগনি মবমদি মখোয়গী মক ফুক্কংখিদুনা সোভিয়েট পোলেন্দগী মপু ঐখোয়না ওইরগদবনি। — ভ্রোনিক ভাঞ্জিকি মরাম খংলৗকো, খংবদ্রনে? রিভোলুসনরি কমিটিনা মহাকপু ঐখোয়গী ফেক্টরি অসিগী কমিসার ওইনা খাপপ্রবনি। কমরেডশিং, ঐখোয় করিস্ত ভৌরক্তে, করিস্ত ওইরক্তে, কৌক্তিকস্তু ঐখোয় পুম্নমক অস্তুম্না ওইগনি, ঐখে ময়ু মীয়ামগী মুংঙাইহৃমবগী মরম অম ওইহল্লবদি। ভৌইগুম্মস্তং চেকশিনবীগদবদি, অদুগুম্না কব্রবা অয়োংপা চুমশিং অদুদদি য়াশিং অসে থক ভাহনবীবা যাদে। ঐখোয় খুদৗংমক্তা থবক শুবশিংগী মফমদা থাজবা থমগদবনি, অদুগ পৃথিবী অপুম্বা লৈরিবা মী খুদৗংমক ইচিন-ইনাও ওইবগী য়ুমফম অম থোনগংফদবনি।"

হায়শিং অসে পুকচেল শেংবা অমদি থরাই য়াওবগা লোয়ননা অদুগুম্না চমলবা থবক শুব মুপা অদুগী থস্মোই-মুংদগী থোরকপা ঙাক্তনি।

নহা ওইরিবা ভাবকশিংগী থরাই য়াওনা থাগৎপগী লাও খোংবা কয়াগী মরক্তা মহাক্ত গ্রেট কোম'দগী কুমথয়কলমই। অহল ওইরবা থবক শুবশিংদি হ'য়শিং অদুনা অদুক কজহুনস্তু চিন কাংখোকপা চিংনজরমই। মরমদি কমানা খংগনি, হয়েং বোলসেভিকশিংনা টাউন থাদোকখিবা অদুগা লৈহৌরিবা মখোয়শিং অদুনা খুমাং চাওশিনবা হাহৈ খুদৗংগী লৗংখিজনা

হুদংপীরবা। হোই মহাক্না তমথীরব চৈকু কাঁসী সগাই অদুগী মাহোক্নখিব য়াই অদুবু মহাকী থবক্তী শোইদনমক মাংগ্রগনি।

মশা তনাপ তনাপ্না, ভীবম ককরব তরনোপিজকি খোলসেভিকশিংতুগী মীচং চংলিবা লমদমতুগী অমথক্ত ভাইরবা স্কুল ওঝানি। মহাকপু রিভোলুসনরি কমিটিনা লমদমতুগী ইঙ্কেসন কমিসার ওইনা থাপলে। রিভোলুসনরি কমিটিনা লৈরিবা মকমতুগী মায়োক্নবদা স্পিসিয়েল ডিউটি কম্পনিগী কাটর লৈ! কম্পনি অসিগী মীশিংনা রিভোলুসনরি কমিটি অসি-গীদমক্তন্স মথোয়গী তৌকম থোকপা মথৌ তৌরি। মুমিদাংগী মতমদা 'Revcom' গী চংকম গেটদা মেকসিম গন অম, শাংলবা লোংথৈম মরুগীবেল্ট অদু লোংথৈমগী ত্রিচতগী মাঙ্গহুনা তরারিদা লৈ। লোংথৈম পায়বা মুপা অনিথক মতুবু ভাক্তুনা নাকন্দা লেপ্তুনা লৈ।

কমরেড ইগেতৈভা Revcom গী অফিস চংপদা, রেড আর্মিশিং অদুগী মমুংদগী নহা ওইরিবা অমদা অন্নুম্না হংলমই:

"কমরেড, নহাক চহি কয়া শুরবগে?"

"তরাতরেং চংলকলে।"

"নহাকপু মফম অসিয়াইদগীরা?"

নহা ওইরিবা রেড আর্মি মুপাদো মোমোন মোক্লমই।

"অহোই, ঙরাংগী মমাং নাহল লাম্হেংনরিবৈ মমুংদগীত ঐহাক রেড আর্মিদা য়াওজবনি।"

কমরেড ইগ্নেতৈভানা কমরেড অদুগী মায়থোংবু মুন্না য়েংলমই।

"নহাকী পাবুংদি করি থবক তৌই?"

"মহাক ইঞ্জিন থৌবা মুপা অমগী ভেংবাংবনি।"

মীকুপ্তুদা ভোলিন্নিক ইউনিফোর্ম শেংপা মুপা অম লোয়-নয়দুনা চংলকলমই।

"নহাকহ মফম অসিদা লাক্লেদনা" ইগ্নেতৈভানা ভোলিন্নিক ওজশিন্দুনা হায়রমই, "ঐহাক্না, মুপা মচা অসি কোমসোমোল

ডিষ্ট্রিক্ট কমিটিগী চার্জ শিন্নবা ফংলে। মহাক মকমসিগী মীনি।"

ডোলিন্নিক্ত সার্গৈদ' মহাক ওইরেকো হায়বগী বাখল্দা য়াম্না থুনা ওনশিন্দুনা য়েংলমই।

" অহ, হোই — নহাক ডাখ রগী অহাং নত্রনে ? করে, চংশিললু থবক্তুদা অডুগ নকা ওইরিবশিংবু থবক অতুগীদমক্ত খোমজিললু " সার্গৈনা মখোয় অনিদা ডক্লা য়েংলমই। "ত্তোইগুম্মস্তং, কম্পানি অতুগী মরমদদি করম তৌবা ?"

" অচ'ফ য়াম্না ফরে, মতুদা ঐখোয়মক্ত য়াওগনি।" ডোলিন্নিক চংশিন্দুনা সার্গৈগী লেংবাল্দ' খুবাক্লা পোপ পোপ থারমই।

অতুদগীদি মুংমিৎ নিংগী মতুংদা উক্রেনগী 'য়ং কম্যুনিষ্ট লিগ কমিটি" শেমলমই। সার্গৈ, অনৌব পুন্সি অমগী ঈথক অমন' লমদমচুদা য়াম্না য়াংনা ছমজিল্লকলিবা ঈরৈ অতুগী পম্বেংদা যোরে। হায়রিব' ঈথক ঈরৈ অডুনা অশুক্কী মতিক কম্না ছমজিন্দুনা মহাক্কী পুন্সিবু মপুং ফ'না, মপুং ফৌনা থলহল্লে মতুদি অদুক নক্লববা মহাক্কী ইপুং মপুং ফাওবা কাও-থোকখবে।

সার্গৈ, মহাক হোজিক বোলসেভিক অম ওইরে। চামরক কন্না মহাক্লা মযুম্লিৎখাউপগী উক্রেনিয়ান কম্যুনিষ্ট পার্টি কমি-টিনা পীবা মহাক কোমসোমোল অমনি, অমদি কোমসোমো ল কমিটিগী সেক্রেটরিনি হায়বগী মহাক মশাবু শক তাকপা চে পুথাকলমই। কবিগুম্ব', কনাগুম্বা অমনা মসিগী মরমদা চিংনবগী রাকম থাজনলকলবদি মডুগীদমক্ত, মীংথিজনা ডুত্রবা ফিগী মোংমৈ মথুম মপুংদা শক্তি লৈরবা খুংশিরবা মরুপ পাক্তেলগী খুদোল মনলিচর অম মহাক্কী টুনিক্কী থাংগী পেটাদগী য়াম্বরি। হায়রিবা মনলিচর অদে, মতুনা খাইদগী কবা অপ তাকপীজাই ওইবা সার্টিফিকেটনি। খুংজাইডবদি, মতুবু খুদোল-নম্বকলিবা মরুপ পাক্তলুপকা মকম অদুদা লৈরমদবসিনি!

সার্গৈ থবক য়াম্না চিললম্মই। মহাক্কী মতম পুম্নমক Revcom না পীবা শিন্না পাংথোক্লবা হোৎনবদা লোইনবা চংথিরম্মই। উসিস্ত ইগ্নেৎৈভান বাবু ভাইরম্মই। মরমদি মখোয় স্টেসন্দা ডিভিজন পোলিটিকেল ডিপার্টমেন্টকী অফিসদগী রিভোলুসনরি কমিটিগীদমক থবক্লশিং, লাইব্রিকশিং লৌবা চংপা তারম্মই। সার্গৈ মহাক্কী বুলডিংদগী থোরক্লুনা লম্বীদা গাড়ীনা ভাইরিবা মফমচুদা য়াম্না থুনা চংলম্মই। রেলগাড়ী মমুংদা ওইরিবা হেড কার্টস এণ্ড পোলিটীকেল ডিপার্টমেন্ট অফ দি ফাষ্ট সোভিয়েট উক্রেনিয়ান ডিভিজন তানা স্টেসন্দা চংপা মতমদা ইগনেৎৈভনা সার্গৈদা রাহংশিং অসি হংলম্মই।

"নহাক্কী থবক করম করম চংথরি? হৌজিক ফাওবা নহাক্কী ওরগেনাইজেসন শেমগৎল্লিবরা? মতুংদমক্তা নহাক্না নহাক্কী মরুপশিং, থবক শুবশিং, থবক শুবশিংগী মচাশিংদা কোমসোমোলদা য়াওবীয়ু হায়না হায়জবা তাবনি। থুনমক ঐখোয়না নহা ওইরিবা কম্যুনিষ্ট কাংবু অমগী দরকার ওইর-কনি। হয়েংদি ঐখোয় কোমসোমোল লিকলেট অম লেংছুনা নমথোক্কনি। অহুপা থিয়েটর মনুংদা নহারোলশিংগী অচৌবা রেলি অম পাংথোক্কনি।

ঐখোয়না হোরেল পোলিটীকেল ডিপার্টমেন্টতা থুংলবদা ঐনা নহাকপু কমরেড উস্টিনোভিচতা শক্তাকহনি। মহাক নহা ওইরিবশিংগা থবক তৌমিন্নরিবনি।"

উস্টিনোভিচ চহি ১৮গী নৈশাবীনি। মহাককী শমলাং মুম্নক মুই অমদি তেম্না ককই; মহাক খাকীগী টুনিক ফুরিং অম লিংলি, খাংদা অপিকপা শাতনগী পেটী অম কাই। মহাক্না সার্গৈদা মহাককী থবককী ঔজিত কয়ামুক পীবীরগা লোয়নবা বাবুস্থ তেংবাংবীগনি হায়রম্মই। সার্গৈনা চংলম-লাইদা মহাক্না মতোম্না লাইব্রিককী অচৌবা ময়োম অম থবক্লশিং অমদি য়াম্না মরু ওইবা কোমসোমোলগী থবককী থৌরম পরেং

অমদি নিয়মশিং ইবা লাইরিক অমম্ব য়াওবা পীরমই।

মহাকনা মকম অহৈদগী ভুমিদাং Revcom দা হন্নকপা মতমদা ভলয়ানা মহাকপু মপান্দা ভাইহনা লৈরম্বা থেংনরমই।

"এহাক নশা নত্তোমতবু ইকাইজত্র।" ভলয়ানা ভাংলমই,

"অম্বমহায়না নহাক্না য়ুমদগী থাপ্তোক্লনা লৈথোকপসিগী অর্থ করিনো? ইমানা অহিং মুংথিল অনিদা মমিৎ পোম-থংপমথৈ কপলি। পাক্তিনা নত্তোন্দ য়াম্না শাওরে। মরম অহন মওং ভাদবা থংন-চৈনবা অম থোক্লরগনি।"

"নত্তে থোকলোই," মহাক্না মচনবু থেমজিল্লমই। "ঐগী য়ুম চংননবা মতম লৈত্তবনি তশেংনা লৈত্তবনি। ভুমিদাংদম্ব ঐহাক লাক্লোই। অত্তবু নহাক্না লাকলগসি ফরে, মরমদি ঐ নহাক্না বারী শানননিংই। লাকখো ইমুংদা চংসি।"

ভলয়া মবুংবু শকথংব বারমই। তশেংনমক, মহাক নীংথিজনা ওল্লমলে। মহাকী মায়থোংদা পুক্লীংগী শক্তীঅমগী মমি তারম্লে। মহাক্ল ফমথবগা সাইগেনা মচং ওইবত্তমক থন্দুনা ভাংবা তৌরকলমই।

"ভীবম অদো অসিনি, ভলয়া। নংস্থ কোমসোমোলদা য়াওব ভাবনি। নংদি য়ং কম্যুনিষ্ট লিগ করিনো হায়বা থংত্রি। ঐহাক্লা শিল্লিবনি মকম'সগীদি। নহাক ঐবু থাজত্রবদি মসি য়েংউ।"

ভলয়া মবুংনা পুথোকলকলিবা চে চাংদু নীংশীজনা পারমই অত্তগা মবুংদা চমম্ব-ভুকপগা লোয়ননা য়েংলমই।

"কোমসোমোলদা ঐনা করি তৌগনি?"

সাইগে মথুং ভিংথোরক্লমই। "নুপীমচা, মকমসিদা তৌগ দবা থবতৌদি বাংপা নাইদে, য়াম্না লৈ। ঐখোন্দা য়েংলকউ, ঐহাক থবক চিনমনথিহনা ভুমিদাং কাওবা তুম্বা শংজদবনি। ঐখোয়দা প্রোপেগণ্ডা শন্দোক্লব শিল্লিবনি। ইগনৈত্তেত্তাদা হায়বদি ঐখোয় ইকুই কুইদনা থিয়েটরদা মিটিং অম তৌগনি,

মত্তুদা সোভিয়েট পরাঙ্গী মরমদা রাস্থ ঙাগেনি। মহাকনা ঐস্থ মকমত্থদা রা ঙাংনবা হায়। মত্থ ঐঙোন্দা অশোয়বা অম ওইগনি, মরমদি ঐহাক রা করম্না ঙাংগদগে হায়বা খংদে। মরম অত্তুনা ঐ শোইরকনি, বুদ্ধি চোইরককনি। হৌজিকপু নহাক কোমসোমোল মাওবদা করি খল্লিবগে ?"

"ঐহাক করি হায়না খুমগদগে হায়বা খংদরে। ঐ মত্তুদা মাওরবদি ইমানা ঐঙোন্দা শোইদনা চৈরককনি।"

"করি'মত্তা খল্লুগন্থ ইমাগী মরমদা ভলয়া," সাগৈ'না ঙকশিল্লনই।

"মহাক্না পুম্নমক অসে করিনো হায়বা খংদবননি। মহাক্না চেকশিনজরিবা পুম্নমক অসে মচাশিংবু মনাক্ত লেংদনা লৈহৌংবদগীনি। মত্তুনা মহাক্না সোভিয়েট পবারগী ময়োক্ত থবক তৌবগী রাশমন্থ নত্তে। মত্তুগী ওম-তৈনবদা ঙাংজবগী রানি। তৌইগুম্নস্থং মহাক্না অতোপ্পা মীগী মচাশিংনা লাম্হেংনরিবত্থদা হায়রুবদি, মত্তুবু অকবা হায়বত্তুরা ? নিংশিংলিবা জুগ্রাইনা ঐখোয়দা করি হায়রম্মগে হায়বত্তু ? অত্থগা পাভেলদা অমুক য়েংঙু, মহাক্না লাম্হেংলবা অসিদা চংগ্রবস্থ মমাগী মরমদা খনবাদ কৈদোম্নুংদস্থ লেপত্তে। নহা ওইরিবা ঐখোয়না ঐখোয়গী পুন্সিগীদমক লাম্হেংম্নবগী করি-শুম্না খর তৌহৌনবগী ঐখোয়গী অধিকারগী মতমদো লাক্লবনি। শোয়দনমক্তী ভলয়া নহাক য়াদবা তৌরোইকো ? খল্লু, নহাক্না মুপীমচা নমায়বীশিংগা থবক তৌমিন্নবা, ঐহাক্ত ঐগী ইগুং ইমায়বশিংগা থবক তৌমিন্নব, মদো করাদা ফজগদবা। মসিনা ঐবু শমঙাংবা ক্লিমকাবু নিংশিংহল্লে ! ঐ ঙসিমক মাবু পুরক-কনি। ফরে, ভলয়া, নহাক করি হায়রিবনো ? ঐখোগী ইরকসিদা য়াওগঞ্রা নত্রগা মাওরোইরা ? য়েংঙু, সিদা অপিশকপা লাইরিক মচা অম লৈরে, মসিনা পুম্নমক অসিগী মরমদা

নঙোন্দা ভাকলগনি।" অসি হায়রগা সার্গেনা মাগী ফুরিং থাউদগী লাইরিক মচাদু লৌথোক্লগা ভলয়াগী খুৎতা শিন্নরমই।

"তোইঙুম্মসুং কৰিগুপা পেটল্যুবা অমুক লাক্লবদি ?" ভলয়ানা মখুংগী মায়ঙোন্দা মুনা য়েংদুনা অনেম্বা খোনজেলদা হংলমই।

মসিগী রাখল চিমদি কৌজিক কাওবদা সার্গেগী মফমদা কাওরমদবনি মরম অদুনা মীকুপ অমদি মহাক্না রাফমদুদা মুমা লল্লকই।

"থ্রাক অকৈজিংগা লোয়ননা মফমসি থাদোক্লুনা চৎখিবা ভাবনি," [illegible] "তোইঙুম্মসুং নহাক্কী কার থনগনি ? তৌই, [illegible] শুংঙাইহনরোই।" অদুদগীদি মহাক ভুমিন [illegible]।

"[illegible], ইম [illegible] কনা অমগ খংহন্দনা নংনা থ্রবু মতুদা মিং চনবীর [illegible]? নং অমসুং থ্রতমক ? মতুদা ওইরবদি থ্রন নংবু [illegible] তমগনি অদুগা মতুনা থাইনগী ফবা লম্বীসু ওহগনি।"

"ভলয়া. নহাক্না হায়রিবদু চুমই হায়না খল্লে।"

[illegible] কমরেন্ড ইগোইভেভা চংলক্লমই।

"মহাক [illegible], কমরেন্ড ইগোইভেভা। থ্রনা মঙোন্দা [illegible] তায়রিবান। মহাক [illegible] ওইগনি, তোইঙুম্মসুং নহাক্না [illegible] মকমদা শুংঙাইহনবা অমাদ [illegible] থোকহনগনি। মরম অসিনা থ্রখোয়না কনা অমত্তনা খংলোইদবা মগুংদা মাবু মীং চনবীর, খাওহনবা মাংলোইদ্রা ? হাক্না [illegible], থ্রখোয় টাঙন অসি থাদোককদৌরে [illegible]। থ্রকাক লাম্নীশিংগী লোয়ননা চৎখিগনি, তোইঙুম্মসুং ইমাদা অরাবা ওইকৌগনি হায়বসিদা ভলয়ানা কৌহবা শুমদে।"

ইথেইতেবা, চৌকী মপান্দা কমলদুনা সার্গেগী বাণিংবু মুয়া তারমই। "কোই," মহাক হায়রকলমই। "মতুনা থাইদগী অফবা থৌওং ওইগনি।"

টাউনগী মফম খুদোংদা থেংলিবা পোষ্টর-শিংদগী পাও কংদুনা লাকপা মহৈরোইশিংনা পিক থল্লবা হোল মমুংদু মখোয়গী লাও-খোংবগী অরাংবন ভুং ভুং নিল্লমই। টাউন রিফাইনরীগী শিপ্রী কান্নু অমা যম্ন খেংলি। তাবকশিং অদুগী মমুংদা মরু ওইনা মফমদুগী সেন্ট্রেল স্কুলগী, জিমনা-সিয়মগী ছাত্রশিংনা চংশিন্নগদোবা রেমপ্লক. অদুদগীদ মাটিং অদুনা হেন্না খোমজিংনমদে।

মৈমথংদা য়ুখল চিংথোকখিরমই অদুগা হৌজিক পুংওবন্ত ওইরিবা উয়েজড কমিটিগী সেক্রেটরি, কমরেড রেজিন প্লেট-ফোমদা থোক্লকলমই। তিগ্রবা ভাবকী মাংলীশিংনা অদু-গুম্না মথিক লেঙ্গা, উবাংদবা, মতাংগী পীকত্রুগা তুম্না মীদুদা হেংলকপগা লোয়নন্না মহাক্কা ওাংলকলিবা রা অহুবু পুক্লোং চংনা তারমই। মহাক্কা নৈনাক থুংনা কুপাশল্লকালবা লাঙ্গেংবগী ঈরাং অদু মীয়ামদা খংহনবগা লোয়ননা কম্যুনিষ্ট পার্টিদা নহারোলশিংনা য়াওবীনবা হায়রমই। মহাক্কা য়ায়া থং-হৈরবা, ওাংবগী লম্বীদা মতম কুইনা চংলকলবা, মশাগী রাখল রাকোংদোক লেঞ্জরনা রাজ্ঞাংবা মী অমগুম ওাংলমই। তৌইগুম্মন্নং মহাক্ক "ওর্থোদোকস মার্কাসস," সোসয়েল চৌভিনিষ্ট হায়বা রাহৈশং কা হেন্না শিজিন্নবনা অতাবা তাবকশিংনা। মহাকী রাফম অদুবু তাপ তাবা ওমলমদে। অদুমকপু, মহাক্ক বা ওাংবা লোইএদা মীয়াম্না মাবু হয়াউনা থাগৎলমই। মহাক্কা মথংদা ওাংগদবা সার্গেবু মীয়ামদা শক তাকলমলগা মাগী বা লোইশিল্লমই।

সার্গে মতুগী থবক অদুবু য়ায়া কৌজরম্না, অহুবু হৌজিক্কী মহাক তাবকশিংগা য়ায়গা মায়গা মায়োরবরে, সার্গে কবি

হায়না য়াহৌসিগে হায়বা ফাওবা খংজরমদে। ময়ম অসিনা মহাক প্লেটফোর্ম মথক্ত ইপা পাখংপা চময়না বানা লেপ্পুনা ঙাইহাক লৈরমই। মহাক্কী মতো অহুদা ইগ্নেটেঙ্কো কমকমদগী লোনা চিরোল ঙৌরমই: "কোমসোমোল সেল অম হাংবগী মতাংদা ঙাংঙু।"

য়াহৌদোক্কী, ঙাংগদবা য়াগী য়াকম খংলবদা সার্গে চুমত্রিং য়ারুদা চংশিল্লমই।

"করে, কমরেডশিং, হোজিক ঙাংখিবশিং ঙাবীগ্নে। ঐখোয়না কৌজিক ঙৌগদবা থবক য়াববু সেল অম শাগৎপনি কনা কনা মসিবু শোগৎকদগে?"

ঙিল্লিবা মীয়াম ভুমিন লৈখিরমই। উষ্টিনোভিচ সার্গেগী অশোয়বত্তুদা ঙেংবাংনবা চংশিল্লমই। মহাক্না হৌগৎতুনা মীয়ামগী মফমদা মতো করম্না মোস্কোদা নহারোলশিংগী অপুনব শক্তি লীংখৎপগে হায়বগী মতাংদা ঙাংলমই। মতমত্তুদা সার্গেদি নাকন্দা থৈদোক্তুনা চময়না লেপলমই। কোমসোমোল সেল অম শময়গৎনবগী মরমদা ঙাংলুবা মতমদা থোকলকলিবা মীটিং অত্তুগী ভাবকশিংগী মওং মতো অহুদা সার্গেদি মত্তুং য়ৌনা শাওরমই অত্তুগা ভাবকশিংদা শুত্তোক্তুনা য়েংলমই। মখোয়না [ভাবক] উষ্টিনোভিচকী য়াকমহু থানা ঙাগ্নমই। প্লেটফোর্ম মথক্ত য়া ঙাংলীবী অহুদা উশিংতবা মীৎয়েংনা য়েংত্তুনা জালিঙানোঙনা লিজ: সুখার্কোদা করিগুম্বা য়া থয় চিরোল ঙৌবা সার্গেনা উরমই। মমাংগী পয়েংদা সেনিয়র জিমনাসিয়ামগী সুপীমচাশিংনা মমায়দা পাউদরনা ঙোয়োক ঙৌনা, য়াম্না চিংলেম্বা মীৎয়েং য়াম্না অমগা অমগা ওনশিনত্তুনা চিরোল ঙৌনবা উরমই। প্লেটফোর্মগী কি শেংকম কা ঙাবা থোংগী কাচিন অমদা রেড আর্মি কাংবু অম লৈ। মখোয়শিং অত্তুগী মত্তুংদা সার্গে নহা ওইরিবা মেচিনগন পায়বা মুপাদো উরমই। মহাক ষ্টেজগী মপান্দা থাংগমদনা য়াম্না তুকচবগা

লোয়রনা' থাঁমাংদা মৈয়রগে মতাঙুম' ফিজেৎ তৈলতেংলখা, তৈল-ফেংলেৰী মখোয় অনি- লিজা সুথার্কো অমদি অম এঙমোঙশকায়া না কঁখোইগ' লোয়নরকপশিংগা কয়ি'মতা ইকাইবা খংদবমখৈ সুংঙাইনা ৱারী শান'ৱবা অহৱু য়েংলমই।

"মহাক্না ঙাংলিব' ৱাবু কনানস্ত ডাবীজে হায়বা খংলহনা মহাক্কী বাফমত্থুগা লোয়শিন্নমই অদুগা কমকমদা কমথখিরমই। মথংদা ইগ্রেইতেঙা ঙাংলমই। ইগ্রেতেভগী ইং ত্তপ্না ভাবকপু কয়িগুম্বা মঙং অমদা নমতুনা হাকনবা ঙমলবা, খোনজেল, অমদি মঙংমতোনা চয়াংনবা ভাবকশিংবু নমথরমই।

"কময়েডশিং" মহাক হায়রমই, "ঙরাং ঙুমিদাং কয়ি কায়খিগে হায়বগী মরমদা খয় থক্কবীনবা ঐহাক্না ময়ামদা খংহনজরি। ঐহাক্না থক্কইজ, মতুদি নখোয় খরদি, ইচম চম্বা লমলকোসিবু যেঙুনা লনা নহন লাগহৌ অ'সদা য়াওরকনি হ'য়গা।

অসিগুম্বা লম্বী অ'সদা চংলক্লবগীদমক খেঙ লাওনা হাংদোকলগা নখোয়বু ওকচরি। অদুগ অদোমনা অদোমগী মোং খয় ফোংদোকপীবগ ঐখোয়না ঙ কনীংই মরম অ'সন', কনাগুম্বন কয়িগুম্বা খরমং খোদোকপীগে হায়না নীংবীরবদি মকম অসিদ লেংখৎপীয়দুনা খয় ঙাংপীরনবা নিংশিং-জায়।"

অমুকন্তু হোল মন্নুংদু ইচিক চিক'খরমই। ঙাইহাক নৈরগা ভুংলেংমদগী খোনজেল অমনা ঙাংলকলমই।

"ঐহাকন্তু খয় ঙাংজবা পামই।"

"ওম মচাগী শাবামবা, মিসা লেঙচুকোব, সুপামচা অহুনা মীয়ামদা হাইকেং হাইকেং মীংচিনা য়েংলহনা খৈজ অমনা চংশিনকলমই।

"লম্বী অসিদনি," মহাক্না হায়রমই, "ঐখোয়না ৱোল-শেভিকশিংদু ভেংবাংগদৌরিবা। ঐ অম মঙ্গীদমক্তা নৈরে।

সেমি ওজাকানস্থ ঐবু থংরনি। ঐহাক কোঙলোয়োলদা য়াওরে।"

সার্গে য়োযোন নোকলমই। ভহাননা স্টৈজী মহারদা থোরকলমই।

"কমরেডশিং, অদোমনা থংবীরে।" মহাক্না লাওরক্লমই। "ঐহাকনা হায়জবতুনি, মিসা বেলসেভিক অমনি, মহাকপু পোকচবা মপাদো স্তইটচমেন অমনি, লাইবক থীবগী রেল-গাড়ীনা ভজুনা শিখিবনি। মরম অসিননি, মিসানা লাইরিক তম্বা ছুমখিদবা। অদুগা, অসিগুম্বা মতম অমদা করিগুম্বা থর দরকার ওইরকপা থংননবগীদমক মহাক্না জিমনা সিরামদা মহৈ তম্বগী কমবা নৈতে।"

মহাক্নী য়াভাবদা হোল মরুংতুদা অয়াংবা অম থোর-রকলমই। মশম নীংথিজনা হাংলবা নহা ওইরিবা মুপা অমনা মহাকস্থ বা ঙাংজগে হায়তুনা স্টেজ নিরকলমই। বা থর ঙাংজগে হায়কলিবা মুপাদো অতৈ কনাস্থ নত্তে, লমদমগী হিদাক শুংতুনা য়োনবা মুপা অমগী মচানি। মহাক জিমনা-সিরমগী ছত্রনি, মমিংনা ওকুসেন্ত কোই। ওকুসেন্ত মহাক্নী টুনিক ফুরিত মতোমত পাইবোই চিংবোই বা ঙাংবা হৌরক্লমই:

"ঐহাক্না থর ঙাং-শকচবা অসিদা শোইখিবা য়াওরবস্থ ঙাকপীগনি, কমরেডশিং ঐখোযবু করিগীদমক দরকার ওইবীরি বলো হায়বদো ঐদি থংজবা ছমদে। ঐখোয়বু য়াজনীতিদা য়াওহনগে হায়না থনবীরবর? অদু ওইরবদি করম্বা মতমদা ঐখোয় লাইরিক তম্বা চংকনি? ঐখোয়দি জিমনাসিয়ম লোইথোকপগী দরকার ওই।

মসিনা করিগুম্বা স্পোর্ট সোসাইটি, নত্রগা ক্লব কুম্বা অম ওইনা শিনবীবা ওইরবদি, হোয়, ঐখোয় পুনশিন্দুনা শাগবা য়াই, বাগী বাক্তাই শানবা য়াই, লাইরিক পাবা য়াই। মদুদি অফোন্না বারুম অম ওইরমগদবনি। জোইগুম্বুং য়ায়-

নিঙ্খীদা চংখ্রে হায়বদিগী মর্থদি তুবা ঐখোয়গী ফাঁসি শগাইনা
ক্যাম্পরগী দাইহ লৌবনি। ভাকপীগনি, কনা অমত্তনা মদি মাও
মাগনি হায়বা ঐ থাজবা তগদে।" ওকুনেভনা ৱোল অহুনী খৈত্নগী
কুমথরকপা মতমদ' ৱোল মহুংদা ভিমিবা মীয়ামদো য়া য়া
নোক্লমই অহুদগী ঝনাক কমকমলাংবা কমথখিল্লমই। মখংগী
য়া হু'ংগদবা মীশকতি নহা ওইখ্রিবা মেচিন গন শাইবা হুপাদো
ওইরমই। মহাক্কী টুপী লাইবকলোমদা খজিক্কং চিংখৎলুনা
অশাওবগী মওং অমগা মীয়ামদা য়েংলদুনা মহাক্না লাওরক্লমই:

"নখোয়না নো'ক্লিবদো করিগীনো, পুকচেল পীক্লবশিং!"

অশাউবনা মহাক্কী মশা থক থক নিকপগা লোয়মনা
মীৎসনা অনিদো মৈচ'ক ফনা চাক্লিবা কয়লাগী মতোওম,
খর ফুইনা হেন্দুনা ভাংবা হৌরকলমই:

"আইভান জার্কি এগী ইমিংনি। ঐ পীভং-পাভংলবা
লমজানি। ঐহাক ঐগী ইমা-ইপা কনানো হায়বা খংদে, অদুগা
ঐগী য়ুমসু লৈজদে। ইনাক খুনবশিংদগী ভল মচেৎ অম
নিহুনা লপীনা ঐগী য়ুম ওইহনা চারা হেনবগী লাংদা পুংজা
খুদীং থুহনা লম্বীসিদা চাওজরকপনি। ঐতাক হুই অমগী
পু'ক্লগা পাঙথক্লনা হিংলকপনি। গসিমদি ঐনা চাওখোকনা
কায়নিংই মহুদি- হুংঙ্াই-য়াইশবগী ১চা মশু নখোয়না অসিগুম্বা
পুক্লিগী অৱা-অনা অসে কৈদো'ঙৈম্ভ করিস্থ খঙবীরোই।
অহুদগী অসিগুম্বা অৱা-অনাগী মৈশালক্ত ওন থোইনা খাঙলিউ
মহুমতা সোভিয়েটকী শক্তি ল.ভুনা য়েড আর্মিশিংন, ঐবু
শায়বা মরুভুমিহুদগী লৌখংপীহনা চেকশিন্না থম্বীবি। মখোয়না
ঐবু মোকপীরি। মখোয়না কি-রোল পীবীবত্ত মতনা ইবা
পাবা তম্বীবি। মখোয়না ঐভোন্দা মরু ওইনা তম্বীরিবদি
মীওইব অম ওইবদা চংদবা য়াত্রবহুনি। মখোয়না মরম ওই-
হুনা ঐহাক বোলসেভিক অম ওইরকপনি—ঐনা চাওখোকন
য়ামুক্লি — মহুদি ঐহাক বোলসেভিক অম অহুম ওইগনি, শিরবা

কাওবা যোলসেঙ্গিক ওইগনি। লান্থেংনরিবা অনিগী মরমদা অমদি করিগীদমক্তা লান্থেংনরিবনো হায়বনো ঐথাক্কী মীংথিনা থংই।

লান্থেংনরিবা অসে লাইয়রবা মীয়ামগীদমক্তনি, থবক শুরুবশিংগী শিল্পীগী সরকার অম লোংখৎনবগীদমক্তনি। নখোয়না মফম অসিদা ফমদুনা খোনজেল হৌনা নোকনি। তৌইশুপ্পদুং টাস্ক অসিগীদমক কমরেড চানিনা লান্থেংন অ'সদা মথবাই বহিরদে ঈগী বলিদান কংথিগদা মহ নখোয়দি করি অমত্তা থংদবনি। মখোয়না চাক্কম থককম থংদনা মাংখিবদো "।" আক্তবা লংংা পীকপশুম জার্কিগী খোমজেল নোকলকলমই। "মখোয়না চাওথোক্লা ঐখোয়গী জুংও ইনবগীদমক, ঐখোয়গী মরুমগীদমক লানফমাসদ মথংগাই কংগ্রবনি — লমদমসিগী মফম খুদীংদ লানগম কয়াদা মী কয়ানা শিখ্রবনি অত্তগা নখোয়না মফমাসদা কয়াও মথোইহনজন নেংক খেত্তুনা লৈথোকনি।" "কমরেডশিং," হ য়রগা মতাক্ল থুনমক প্রেসিডিয়ম টেবলদা ওনশিল্লকলহই "নখোয়না মফমসিদা মখোয়দা অরেংদা য়া ফাংদুনা মতম মাংহল্লে" অহ্নদগী মতাক্লা হোৎলদা থুদেংনীনা থিল্লদুনা হায়রকলমই, "নখোয়না ঙাং শক্রিবশিং অহুবু মখোয়না থনবীরমগনি হায়রন খনত্রানে? নত্তে, থংবীরোই, মপুক থল্লবা মী অমনা চাকথাউ হাংলগ অমদা কৈকৌইত্তদসু কমরেড কৌরোই। মী অমথক্তনি মফম অসিদা ঐখোয়না ঙাংবা ঙাহুনা চংলকলিবা মথুগী সরুমদি মহাক চাজবা কংগ্রেবশিংগী মনুংদা মপুক হাপলবা অমনি, লমজানি, পীত্তং-পাত্তংবনি। কার অমত্ত থল্লুমত্ত" মহাক্না তিল্লিবা মীয়ামদা শাওনা ঙংল" কলমই, "নখোয় য়াওপ্রবসু ঐখোয় লেপলোই, চংশিনগনি। ঐখোয় নখোয়দা হায়জবা লাকপা নত্তে, নখোয় খুদীংমক মখোয়গী মফমদা চংখো, নখোয় খুদীংমক! মসিগী অমত্ত ঙাইয়ুবা মখোয়দা ঙাংনবগী, তাপ তাহমবগী তাক্লবগী লম্বীদি পাইথিবা

"ৌোংৈব অমিবু মবোল খোকহনবনি, মশিথকনা মচুগী পাওখুম পীগদবনি !" অদুনা, মীয়ামদা য়াংৈবী শাক্তু অমনা মীয়ামগী মফম কনহল্লমলগা, নাক মেং অনিমক্ত কয়'মকা মেলেনা চুমিন খোকথিরমই।

মহাক খোকপ্রবদা প্রেসিডিয়মদা কনা অমত্তনা মীটিংদুগী মাংব্রেমবশিদমক খোলত্তুদা লৈহৌরমদে।

"কয়াদ শাখিনা শোইপ্রবনো !" Revcom দা হন্নকপা মতমদা সার্গেনা মহাক্তু' তোঙখিবশিং অদু শোইরে হায়বগী য়াথলদা লম্বীদা হ য়রমই। "চার্জীনা তৌখিবসিদি, অকবনি। জিনমাসিয়মগী ছত্রশিংনদি ঐখোয় শাওহনবা নত্তনা কয়িন্ত তৌগুমখিদবনি "

"ওকৌতাই লৈতে," ইগ্নেতৈভানা সার্গেবু মমক থংচুনা হায়রমই। "মকমসিদা প্রোলেটরিয়ান নহা পাথং অমত্তম্ব য়াওদবনি। তিনমলিবা মীশিং অচুগী অয়াম্বনা পুকচেল পীক-লবা বুর্জুয়াশিংগী মচা' নত্রগা মকমসিগী বুদ্ধি লৈয়বশিং লৈবাক মচা ত্তাদবশিং চাক্তনি। মরম অত্তম' মহাক্তা সো মিলগী শিল্পীশিংগী মরক্ত, স্তপর রিকাইনবিগী শিল্পীশিংগী মরক্ত থবক তৌবা তাই। ওসিগী মীটিং অসিনা কান্নবা ইপু পূরক্তনা পুন্সি'ং মাংহনবদি নত্তে। নহ'কনত্ত খেংনরিমচুনি হাত্রশিংগী মরক্তগী অকবা কমরেডশিং খোয়কপা।" ইগ্নেতৈভাগী যাকম অদু উস্তিনোভিচ য়ানিংলমই।

"মরম অসিনা সেরিওজা ঐখোয়না তৌপদবা থবকনি," মহাক্না হায়রমই, "ঐখোয়গী য়াথলশিং, ঐখোয়গী যাকং খে'য়াওশিং অসি মী খুদীংমকপু থংহনবা তাবনি। অমৌবা খৌদোক খুদীংমক্ত পার্টি অসিনা শিল্পীশিংগীদমক য়াথল চংগনি। ঐখোয়না মিটিং, কনফরেন্স অমম্তুং কংগ্রেস তৌয়না কয়া তাবনি। মসিগীদমক্ত পোলিটিকেল ডিপার্টমেন্টনা কালেহাসী-দমক হোল অম য়েল ষ্টেসন্দা কাংলৌবি। ঐ-শাওমচিংবা

পুন্নোকপা, মেল-ক্লমক, মরিং ওয়ন্দিগী মপুক্তা, খুৎঙক্পগী অঙ-নবীদি, অমক, মতৌনক য়াম্বা, মতৌং তাদুনা মমরক্তগুমপা য়াওনবনি। নিংশিংঙীদু লেনিনগী কবি হায়রবা— ঐখোয়না মীয়ামশিংঙি, শুকনোমজবিবা থৌমী-শিংঙী মিলনবু লড়াইশিনদু। য়াওহনজিবমখৈ, ঐখোয়গী লানহৌসি, কৈনোটৈতুম্থু য়াম পাকপা ভমলোই।"

লুংথিলগী মরৈদ সার্গেনা উইংনোভিচবু ঙৈসন ভুমা থিল্লমই। কায়নরমদাই মতমদা মখোয় অনি খুৎ শোকনরমই। খুৎ শোকনবা অতুদা সার্গেনা উইংলোভিচকী খেংলবা খুমাং অমু, তশেংনমক খুং শোকপা হায়বত্তুগী চংশিনবা মতমদগী খর চোংমনা পাযরুনা থমলমই। মতমতুদা মহাক্কী মাইথোংদ শেংকাঙবা থম্মোইগী মমি অমনা থোইরুম ইংমোমোয়রকখি।

স'র্গেনা হায়কপা মতমদা মমুংদা মহাক্কী ইমুংগী মীশিং উরবা চৎলমই। মমুম য়োরবদা মমানা য়াম্না চৈতন্নবতু সার্গে ভুমিন লৈরমই, অদুবু মহাক্কী মপাইবুংঙোন্থু মমাগী মতৌঙম চৈবদা য়াওশিনলকলবদা সার্গে মহুগী মায়োক য়ারমই, অতুদগীদি ওখার ভাজিতৈলিভিচ খুদোং থীবদা ভারমই।

"তাবীয়, পাবুং, নখোয়না জর্মনগী মথকত অন্দলোন তৌরিঙৈদা, য়েলগী ঊনাক্তন থোকমদা সনত্তি অমবু হাৎলুবা মতমদা, পাবুংনা ইমুং মমুংগী য়াখল থনুখিত্রুবে। শোই-দনমক পাবুংনা থনবীরমগনি অদুবু, শিনমীশিংগী বাখলনা মরম ওইদুনা মতু পাংথোকখিবতুগা অমহানি। ঐহাকসু ইমুংগী য়াখল য়ামনা থল্লিবনি। ঐহাক নীংথিজনা থংই মতুদি, কবি-শুক্না ঐখোয়না চংথোকখিবা তারবদি, ঐহাক্না মরম ওইদুনা লথোক্ত য়ামনা অরাবদ্ত ফাওগনি। মখোয়দা অরাবা ফালনবগী মরক্ত ঐহাকনা ওইরবসু, ঐহাক্কী মুখসিদা ভুমিন কাংলোন্দুনা তৈঙ্ঙাকপদি পায়রে। পাবুংনা হায়রি তৌরিবা, লাংলিখশিনা কবিগীনো হায়বদি পাবুং থংবীত্রা? ঐহাকনা

তৌরিব থবক থুদি, অকবা থৱয়পীদবকনি। মতম খরদা পাম্বুংবা ঐবু চেঙুপা স্থীতগী হায়না নিংকনা থহংকা "ঐবু থবক থুদিবা পোৎশোকপীবুনা হেক্না কপনি। চংশিনশি পাবুং, ঐখোয় থবক অমি তৌশিন্নসি, অদু ওইরবদি ইমাগী ঐবু চৈবাসি হোৎকখিগনি।"

সাগেগী রা তাবদা, মহাক্কী মপাবুংগী শংবাননবা মীৎসনা অমুদি হন্নাউনা মোমোন মোকপত্থ উরগা মহাকপু থাজরে, খাজিংলে, মহাক্ক তৌরিবা থবক অসি অচৎবা লম্বীদনি হায়রবসি খংলমই। তাথুর ভজিলৈভিচ শান মথক্ত বানা লেংলমই অদুগা মহাক্কী তেল্লবা নংতোন স্থমাংগী কোই, থবাংগী চাং-লৈননবা কোই, মাপু মচু চংলবা রং, পুমনমকনা মোমোন লেংকলমই।

"কাংলুপকী রাখল নত্তে শম্ভু লৈরবরনে ইদ ওক্নবা অচাং নংবু? মংনা পাইরিবা নোংমৈ অদু উংলগা ঐনা নংবু কু-চৈবদগী তোকখিগনি হায়ন খংত্রা?"

তাথুর ভজিলৈভিচন অশুম্না মচাগী মকমদা চাং-চৈরবত্থ মহাক্কী চমম্নরক্কশিং অদুদি তশেংনা মাংখিরমই মদুদি, মহাক্কী খোনজেল অশাঙবগীমখি অমত্তস্থ রাওরগদে। মদুগী মতুংতা মহাক্কী থবক শুমনবদগী মকম মকম খুদোংদা তংলবা থুবাং মচাদা ভিংথোরক্লমই, অদুগা হায়রকলমই, "নহাক্না চথরিবা থবক অদো অদুম ফজনা চংথো, সেরিওজা, চংথো, নংনা চং-শিনবা মৌরুরবা থবক অদুদা ঐহাক্না অখিংবা পীবা পায়দে। তৌইশুম্নবুং, নংনা ঐখোয়বুদি থক কাওথোকনু, থরক থরক, করিওম্না অশংবা মতমদা চংলকউকো।"

ক্লুমিদাংলি। খোঙগী অহোংবদগী কা মতুংদা থারিবা ঐখোয় লৈরোল্লু লৈই মায়া কাওথোককুনা ক্যাখরকম, স্কিড়ীগী থাক্না কাখি। উরিমগী চাওরবা, পাকলবা চৈলগী নাকন্দা থারিবা থোক-থোক লাওবা ফিনা কুমরবা চৌকিদা মী মতাথক কায়ি। মখোয় অদুদি

কমরেড তোলিম্বিক, ইয়েনৈত্তা, চেতোপী তিক চিকোরেংকো, মহাক্কী শায়ভুগী কোয়েনেক চুশিপা কিশীকপী লিংয়েংপা লোয়নবা, মায়া বাং চাওবমা রেলগাড়ীগী থবক তৌবা শুভিক অমত্তং রেলবে মাতুভগী মনাক্তোন ময়বা ওকৈশকুকনি। মখোয় Revcom গী মীটিং অম চংথিন্নিবনি।

তোলিম্বিক মশা টেবল মথকত ডায়থবন্না কমরেড ইয়েং-নৈত্তা থানা য়েংলদুনা হংলদুনা কাযরকলমই।

"ক্রন্ট লাম্মীশিং চিমতাক পীনা তাবনি। বার্কমশিং চাদবা য়ারোই। ঐখোয়মা মকম অসিদা হেক লাকপগা মাম্না থুনা তুকাচ্চ'রশিংনা মখোয়গী পোংকী মমল হেনগংখ্রবনি। মখোয়না সোভিয়েটকী নৈশাস্থ লৌ হায়বা য়াদে। মকম অসিদা চংমথিবা শিন্তিন্নিবদি, ওলড জারগী নৈশা নম্রপা কেরেন্সীগী নোটনি। ভসিদি ঐখোয় মকম অসিদা মিটিং অসি চংথন্থনা পোংকী মমল লেপথোকপগী থবক তৌগদবনি, য়ারেপনগংবনি। ঐখোয়না নিংথৌনা থংই মতুদি শেনপোং চাম্নিব, পোংয়োমবগী কাময। কংলিবা মীওই কনা অমন্তনা পোংকী চপ চাবী অরেম্মা মমলদা পোং য়োন্দে হায়বা। ঐখোয়না অমুম্মা চংথন্নকনি হায়বা উবগী মখোয় মখোয়গী নৈশিল্পুনা থম্বা পোং থুদোংমক লোংখ্রবনি। মরম অসিনা ঐখোয়না অকনবা শাফু অমপা লোয়নমা খিজিল্পুনা মীওইবগী ই চুপলিবা মীশিং অতুদগী পোংশিং অদু মংকদবনি। য়াকম অসিদা য়ামন' কুম্ম মচা তানা নৈনবা অমদি ঐ:খোয় য়েংনবগী মতম নত্রে। বার্কমশিংবু কুইনা চন্না হেলহন্দুনা থম্বা য়ারোই।

কমরেড ইয়েনৈত্তানা ঐখোয়দা য়াম্না হেন্না চংশিন্নমবা থংহল্লি। মতুদি থম্মোই তয়াংবা, থৌনা নৈতবা মীদগী খো-মকপা বা ওইপনি কমিশুনা নথোয়না ঐচোম্না হংবীয়বদি। থৌজিক ঐহাক্না হায়জবিবা থাকম অসিদা থাযোথীবা তৌবীগদ্ৰ, তোয়া, ঐহাক ঐনা কমিগী মথমদা চাংলিবগে 'হাঁয়বহ্' মুম্না

থাইদে। " মহাক অম থংদে, অম থংদে, পুক্কচেন্দ পীকপা মু-যোংকনবশিং মচুগী বাখি মখো। ঐহাক্না চসি পাঙ অম কংই মহুখি, ইমুর কিপর, মোরিস জোনগী মুমদা অরোনবা কা অম তৈ হায়বগী। পেটলুয়রাশিং লাক্লিতৈগী মমাংদা হায়রিবা কা অহুম। অচৌবা চুকাম্পারশিংগী পোৎশিং মাম্না লোংথ্রবনি।" আসি হায়রগা ডোলিস্কিনা টিমোসেনকোদা অরোনবা রাকম অম য়াওবা মায়বা কাগীগী মীংথেং অমনা য়েংলকলমই।

"মহাকনা মচু করমনা থংলুই?" ডোলিস্কিনা চেকা-য়োমদা থাংজিল্লকলিবা খোঙথাং অহুম। অঙকপা অমদি লাং-ভক্লবগা লোয়ননা টিমোসেনকোনা হংলমই।

ডোলিস্কিক মপুক্লোংদা নোক্লহনা "ঐ লোইনা থংবনিনে, ইনাও। চিনজাক লোংলিবা সেলর অচুগী রাংমদা হায়রবদি মাসগী রাসি থমলগা মহাক অমসুং ডিভিজন কমাণ্ডরগী য়াই-ভরগ নবাননা সামোগোন লিক্লি হংখাই অম চৱাং থক্লো-খিবদো, মচু কাওবা ঐ থংবনি।"

টিমোসেনকো মহাকী চৌকিদা ডোলিস্কিকী রাহৈ অহুনা পাথংহল্লমই। মহাকী থাউথাংনরবা শকতম অচু ইকায়বনা অচাংবা ঊচেল অম শম্নোরকলমই।

"মদো মহাকী অকবনি" অনিংবদনা অঙকপগা লোয়ননা টিমোসেনকোনা হায়রকলমই। তোইগুম্বসুং ইগ্নেটেভাগী য়া-নিংবা, শুকতোকপা মিংথেং অচু উবদা মহাক মথা তারমদনা তোকখিরমই। "শক্তি লৈবা জোইনয় অসিগীসু মশাগী ওইবা চেকা লৈজৈ" —(Cheka—১৯১৭ ১৯২২ দা লৈরম্বা রুসিয়াগী অরোনবা পুলিস) মহাক মতোমত — Revcom গী চিয়ামে'ন্দা য়েংলহুনা থনজরমই।

"সার্গে ক্রর্জক্'না ঐতোন্দা হায়বনি," ডোলিস্কিনা মথা তারকলমই। "মহাক্না ইমর কিপর অচুগী মিক্রেসমেন বাবনা থকক তৌবা মী অম থংথৈ। কদে, মুপাবচা সার্গেনা পুক্লাক্লিশিং

অতুগা ওঁইদগী খঙৈনি অহুড়ি, ঐৗোকনা মথোঈনা কায়কায় ওঁইং রিবমথৈ লোইবা অহিনবমথৈ লোং পীবা ওঁইং। ঐৗোজিক্তা সাগৈ'না ত‍‌শৈংন' সেন্সর [কা] অহুগী মরমদা লিংথিজরা থংলে। কারিবা থবকশিং অসি ঐৗোজিক ঐৗোগদবনি। ঐৗোজিমক থবক অতু চথৌ অক্তাংশিং; টিমোসেনকো, সাগৈ' পুন্না চৎলু। করিগুম্বা ঐখোয় লাইথক করবদি ঐখোয়না শোইদনা লিম্না-শিংদ অমদি ডিভিজন্দা চিক্লাক পীবা ঙমগনি।"

পুংখাই অময়োমগী ভুংদ থুংলাই পাইবা হুপা নিপালগা ইমর কিপরগী যুমদা চংলমই। হুপ অনিন মপাক্না খোঙ-চাকপা ওইনা লৈতৌরমই।

মখিক নেগড নক্তনা মশা লোয়বা, মপুক চাওবা, নেম্বগা চাওবনিন' বেরেল অমগী মতোওম মতুম তাবা, তপং তপংবা খোঙদানবা, যুমহুগী মপু, চপ যুংবা চাংশং চাংবা শমলাংগা যাম্না নোঙ্লুক্রা, ঙক লোয়', চংলকলিবা অনৌবা মীশিং অদুগা উনরমই।

"অসিগুম্বা, খেংলবা মতমসিদা করি পাম্বীবগীনো, কম রেন্ডশিং?" মহাক্না যাম্না নোঙ্লুকপগী মওং উৎচনিংলবম্ব, খোম্না করা হংলকলমই।

যুম, জোনগী মতুংদা তহা তহানা লিংশিল্লকপা জোন জোন লাওবা কুরিংকী কিজোন্দা, টিমোসেনকোগী টোর্চ লাইটকী মৈতাল' তথক তথক্লা মহাকী মচা কুপীশিং লেপলি। থংনমা কাংগী অহা তহানা কি-শেংচিন্নীবী মপোপ মতাংদু কবী জোনগী কুপীগী চাংবা, অমদি শামিন তাই।

"যুম অসিদা ঐখোয় করিগুম্বা থর পীবা লাক্লিবনি।" টীমোসেনকোনা শমনা হেক্তা হায়রমই। অদুবা হানবক্তা নমমেক্তশিংনো- যুমহুগী মখুংদা যাম্না চেকসিন্না, ইঁকি খুদৌংগী যুমচুনক 'কীকাই' ।অবাক্না উনা চাওরবা কাদা হাম্না পৈথিরা, লৌক্তি কুরাকুম, কোয়-লীক গমকম কাশিং অমদি চাওর-চাওনা

কাগশিং 'লোইনবা হাকচা চেকশিনবা মথি ঙম্বা লেপ্লমই। তৌইত্তুমশং অসুক চেকশিনা থিরবা কাওবদা মদুগুম্বা অরেঙ্গা সেম্বর অহুনী পুগম অমত্তু মংলমদে।

চাকশং কামনী থর লাওক্ক পিকলবা কা অমনী মচুংদা মীনাই মুপী নৈশাবী অম মঙ্লোন ভাবমথৈ তুমলমই। মহাক্ক অঙ্কী মথিক মুংঙাইনা তুমলমই মচুদি কময়েত্তশিংনা কা মখুংদা চংককপদো ভারমদে। সার্গেনা মহাকপু নীংথীজনা হৌদোকলমই।

"নহাক মপামসিদা থবক তৌবরা?" সার্গেনা হংলমই। তুম্নীংবনা মথিৎ চকক চক্কাইনরবী মুপীমচা অমুনা মহাকী কংপুম মরেংখান ফাওবা চিংথৎলমই অদুগা মচুনা মহাক্কী মমায় ভঙ্গা কাপাশক্লকালবা টোংচগী মৈত্তালনা ভনৌরবী তুম্ন-নীংলবী মীসন শিংবু ভাকথোকলমই।

"হোই," মহাক্না খুমলকলমই।" অদুগা নহাক্কী কনাদো?" সার্গেনা মহাকপু মশক ভাকলমই অদুগা কি লেৎচিম্দুনা কা অত্তুদগী থোকখিনবা ভাকলমই।

হাংলবা চাক চাকম কাদা, শাওনিংবা অমদি অকিবা মকম মরাং থংগ্রবা জোন, টিমোসেনকোনা বা হংলি। মচুদা অকি অথং অমদি পাথংলবা ক্রুপাত্তুনা অশেংবা করাবু লোক্তুনা থুমি।

"নথোরনা ঐ-ভান্দগী করি পাম্বিরবগে? ময়াম্না লেংবী-থিবা অদু নত্তুনা ঐগী অতোপ্প কা অতৈ অম অমুক লৈরবনি। ঐহাক্না হায়জরিবা ময়াম অসে অচুম্বা ভাকনি—মথোমগী মতম অমুম্বদা মাংলনবনি। হোই, ঐ মতম অমদা ঐগী অহৌবা কৈ অম লৈরমই। অদুবু হৌজিক্তী ঐহাক মাইরবা মী অম হায়রবদো ওইরবনি। পেটলুরা মীশিংনা লোইনবা মুলবীপ্রবনি অদুগা ঐখু হাংতোকপীগদৌরমলবনি। ঐহাক মোভিয়েটকী শক্তী লাকপদি থোইদোক্লা হরাউনৈ, অদুবু ঐহাক্কী হেক [illegible]জবিবা হায়বদু ময়াম্না থেংনবীরিবা [illegible]।" অদি হায়রগা

মথাকী শুমোংগ শেংখ ফৌনবরা শাখোংদা মখিং কুপ্লাক্লমই, অহুম ঊ-কাপবা, ভাংলেন অমাংবা চেকা কিংকী মাখোয়গী সার্জেন্দা, সার্জেন্দগী মথকী লিলিংবা য়েংলমই।

টিমোসেনকো মচিন চিকশিনদুনা অবুকন্থ মখা তানা হংলমই।

"নহাক থায়দোক্লোইকো, হৈ ? ঐহাক অথোইবা ওইনা নতোন্দা য়াথংলি মহুদি, সেমগৎ অহু কপাম্না নৈ হাবনা তাকই।"

"ঐখোয়গী চানবা ক'ওবা লৈজরবনি, কমরেড অফিসার," ইমর কিপরগী মুপীনা কপলীংবগী খোমজেন্দা হায়রকলমই। "পেট্রোগ্রাদশিংনা লোয়নবা পুথৌগ্রবনি।" মহাকনা বা অসি হায়বদা কপ্পনবা হোৎনরমই। অহুবু অয়েঙদা ফ্ররমই। কপ্পু হায়বা য়াবথদে।

"নহাক্কু নখোয় চাবা হেলি হায়রি, অদুগা মীনাইদি লোইরি," সার্জেন্না মখা তানা হংলমই।

"মহাক মীনাই অম নত্তে। মহাক লাইরবগী মচানি। ঐখোয়না মহাকপু থম্বা বাদি মহাক মকম কৈদঙ্কু চংজকম লৈজক্রবনি। মতুদি, নখোয়না মতোন্দা হৈবোয়রগী থাগনি।"

টিমোসেনকোগী থ'ংনবগী শক্তী যাংখিরমই। "ফরে, ফরে," মহাক্না লাউরক্লমই, "হৌজিক, হৌজিকমক থবক থুনা চথরগনি!"

মোংগোলকলমই, অহু কাওবা থৌবগী থবক অদুম চৎথরি। পুং ১৩ চুম্না কনা থিরবগী কাপিন্থ কামজরবদা টিমোসেনকো খিবগী থবক অহু তোকনিংলমই। মতমতুদা সার্জেন্না মহাক্কু হাংদিনা মীনাই লৈপথাগী কা থাদোকলমদাইদা লৈশাবী অতুনা লোনা সার্জেন্দা হায়বা তাবমই, "চাকশংগী লৈরং লৈবা কাগী মতুংদা চংহনা য়েংবীয়ু।"

মিনিট অরাগী মতুংদা কমিসার যেয়েন অমগী মহাক মচেৎ অম কককাইবা মতমদা মতুংদা য়োক্কী থোংশাংজে।

মুদ্রীপি' পুং ,অমগী ,মতুংদা টৌন অদি চম[illegible] [illegible] [illegible]
প্রিকায়ম মঙ্গ্রা ঐরকিপরগী মুমলগী খোংখো[illegible]। হৌজিকা
মীয়ক্কা ,কোং লিন্দুনা হরাউবা লাউরক্লা [illegible]। ঃ ঃ

মেরিম্ম, মাকোক্তলেক্তনা কোচা শিনা ,[illegible] মাঙ্গ শাখা
শুম্ফিং ,অমদা, মতুংগী পোং মরোম অমগা মশুমদা [illegible]।
আর্টেমনা মমাগী মকমদা পাভেলদা করি খুদোংথিবা থোক-
খিবগে হায়বগী মরমদা বায়ী শায়মই। মচাগী পাও তাবদা
মচাশিদমক থনজরবা মম,দো থম্মোই পোক্কা খুদাংগীক্ষরমই।
মমা অম ওইবগী পুক্সিদো অর্থ য়াওদবা, ইহাং হাংবা অমদি
অরাবুনা থল্লবা হায়বহ ওইরমই। মতম থরদি মহাক থবক
থীবা তারমই। মতম খর থবক পীরম মতুংদা রেড আর্মিশিংগী
কি শুবগী থবক তৌরমই। রেড আর্মিশিংনা মহাকীদমক
পৈশা লৌজনা সিকাইগী চেং পীবীরমই।

নোংমগী মুংবিলদা মহাক্কা থে ংনাউগী মপান্দা আর্টেমগী
খোঙথাং মখোল মম। হৈদগী হৌনা অমদি থুনা লাকপা
তারমই। মহাক্কা খোঙ ইন্দুনা হাংদোক্করমই অঙ্গা থোঙ-
জিন্দগী হায়রকলমই: "ঐহাক্কা পাভকাদগী ফংবা চিঠি অম
পুরকলে।"

"মুংশিরবা তাচৌ আর্টেম, পাভেলনা চিঠীগী অকানবমা-
অস্থমা হৌরমই। "ঐহাক মুংঙাইনা লৈত্রবস্থ হিংদি হায়-
বকাওবদি মকাকপু থংহনজনিংই। ঐগী কৈগন্দা নোংবৈ মক
অমনা পানগ্রে অদুবু, হৌজিক্কী অনাবা অদুগী ফগংলকলে।
ঐগীদমক বাবীগম্‌, তাচৌ-ঐহাক মরগনি। তাকমগী
অনাবা কঙ্কনা থোকলকলবা মতুংদা হুটা ফংবা য়াই, মতমহুদা
ঐহাক মতম থর মুমদা থোরকনি। ঐ চিঠি অসি ইমাগী মকমদা
পুরকবদি হোংলক্রবনি। কমরেড কোটোভসকীনা কমাও তৌবা
বেক্তমবিভিন্নগেডতা ঐহাক য়াওরে। মহাক্কী মরমদা তাচৌকন্থ
তাবীয়মক্লগনি। ·মহাক, মহাককী থৌনা রুপগীদমক মখিং ·

[illegible] পুখিনা. মকাইতুনা ৎযৌনা কর্কমী [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] ৎবংহৈবেক্ট ৎযেৎবামী ইকায় খুৎলো। চোঝো, ইমা ৎবোৎখিজ কাওবা মুৎনা "মমাঙ্কিদা"? [illegible] হক্কৎবদি, ইমাগী অকওবা মচা ৎঈবা [illegible] খুৎশিবগী পাওদম অমি ৎযাবু। ঐঁহাক্কু মহাক ওইনা ইমা অমদি তাচৌবা কংলিবা অমাবশিং অচুম্বমক মনাওবু থাকণীদু।" মহাক্না মনাও খুপা পাভেল।

"চাচৌ, চানবীদুনা কোরেক্ট বার্ডেনগী খুৎনা চংশীদুনা চিঠীসিগী মরমদা মথোমদা পাও খর তৌবীয়ু।"

মেরিয়া মাকোভস্কেয়না মচাখুপা পাভেলগী চিঠি পাবগা ৎতোৎনবী থম্মোইদগী মশাং ম ইত্রবা শিবাংবা চিঠিগী মথক্ত তপ তপ তাবমই। অচুমু, অমুমা পাভেলনা চিঠি থাবকলবমু, তাওরবা পাভেলনা মহাক্না লৈরিবা তাকক থাসা মচুগী খিকানাদি ইরক্তে।

গাটৈ, স্টৈশনা লৈবা "Agit prop Div. Pol Dept."
হায়না থাবা গ্রিম মেলকে কোচ তা তোয়না চংপা খুপা অম ওইরকলমই। এজিটেসন অমদি প্রোপেগন্দা কোচকী কম-পার্টমেন্ট অমদা উস্টিনোভিচ অমদি ইগ্নেতৈভনাগী ওফিস লৈ। কমরেড ইগ্নেতৈভনা, মচিবান্দা চুরুপ চপ্লুনা মহাক্না লাকপা মতমদা কংলিংবা লোকলমই। মখমদি, কোমসোমোল সিটিগী কমিটিগী সেক্রেটারি অসি রিতা উস্টিনোভিচ কা তপেংনা মরুপ ওইরকলে। মদুগী মথক্তা স্টেসনদগী লাইরিকশিং, থবরশিং [illegible] শাংলবা তাবুংদা পুন্সা চংশিনবা মতমদা মহাক্কী থাক-[illegible] [illegible] পেরুজবগী লাবন্দগী [illegible] [illegible]। খুদিং খুদীংদা ডিভিজনেল পোলিটিকেল ডিপার্ট-মেন্টকী [illegible] [illegible] শিনী [illegible]," [illegible] [illegible] [illegible]। চুকোভ [illegible] এজিট [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পোস্টরশিং [illegible] [illegible]

মাকখগী থামগৎনবা লৈমম্লা মোংবগী মচুংদো পুং ২১ থক ওইরি। মহাক্নী মচুংঙ্গ হাপা নম্বা মুক্ত অমনু মীংথম্লা খবৰগীশিং, পাও-চেশিং, লিফলেটশিং, প্রোক্লেমেশনশিং লৈরা লৈবা মুবেলগী মতৌগুম থাদোকখি। মৰমদি ক্লক অদো [illegible]।

মোংবগী হুদিদাং থাইরমদা সার্গে হায়রিবা হৌল মচুংদা চংবগী পুনেংহোবা থং কনলমই। মহাক্না মকমথুদা রিতা অমুদি হেন্ত থাদি কাংবু অমা লৈরগা থেংনরমই। হুদিদাং থেংনবদা পোলিটিকেল ডিপার্টমেন্ট স্টাফশিংনা লৈরিবা মকমথুদা [ষ্টেসন] মহাক্না রিতাগা মহাকী রুম ষ্টেসন কাওবা চংখিররমই। লৈখাদা রিতাগী মকথদা মহাক্না খংহৌদনা হায়রমই:

"কমরেড রিতা, কারণ নো ঐহাক্না নংভু মতম পুন্দা [illegible] ?" অদুগী মহাক্কী মথং তাবমই:" নহাকা লৌরনা লৈমিরবাগী অসুক্কী থাতক হুংহাই মঙ্গাদ, নহাক্না উমরুববা মচুংদা ঐহাক্না অশুবা থাদি, ঐহাক পোত্থবা ঊমদি লৈরা তৌদনা খবক্কী শুবা ওমপানি হায়না।"

মহাক্কী ব হৈ তাবদা রিতা লেপখিরমই।

"হৌজিক বাকর্থ থাসীদা পুক্নীং চংবীয়ু, কমরেড ক্রন্ত্রাক," মহাক্না হায়রমই, "ঐখোয় বাকঁম অম হৌজিক মর্কমসিদা রামন্দি মচুনি, নহাক্ক থাঁসত্তবা শৈরেংগী অখোংঅমেং থাহৈ ঐতোন্দ কৈদৌইতেন্দ্রু চাংলকয়ু, ঐ মচু পাম্মে।"

সার্গে, ষ্কুল উমলিবা মুপামচা অমদা ওখানা চৈথকপগী মতৌগুম ইকাইথনা মখায় ঊচপমুক চাংশিনমই।

"ঐগী বাকঁথ অইনা করিনু থকায়বা পীদে, মহনা করিনু কোংবোকত্তে," মহাক্না খুমলমই "ঐখোয় মকপানি হায়রুনা ঐমাং 'থনটৈ'.... — — — কাউকর্ম রিতৈলুসনবিগী মরং মথাং ঐহাক 'করিবুই হায়থিদেনা, হায়রিবরসে ঐবু ? মদে, কমরেড 'অইসৌতিচ' থৈ নতৌনা বা অর্থতনু হায়রবোই।"

অদি হায়রমলগা ভহানবা কাহনবগী থুংশোক্লরমলগা, চাউদ-লোবদা চংথিরমই। ঝুমিং অহূনগী ঝুমিং কয়ানিমূক সাগৈ স্টেসনগী মমাক্তা চংলমদে। কয়িত্তুবা মতমদা ইথ্রেক্তেতাগা লাক্লমব হাবরস্ত মহাক থবক মাপ চিন্নি হায়বগী মরম পীক্লবা মাবমদে। ভথেংলবক মহাকী তৌপসবা থবক মাপা লৈরমই।

নোংমগী ঝুমিদাংদা, ঙ্গগর রিকাইনরিদা ঝুমিদ-অমাংগী থবক পূবগী কম পাইরিবা কমরেড গুভিক্কা পোকশিংদ। অমাম্বা ভাবা লমবী অম কাওক্লুনা চংপা মতমদা কমাঙুমবা অমনা কমরেড গুদিক্তা নোংমৈ কাঁপলকলমই। মহুনা মরম ওইহুনা খিজিনবগী থবক চপ্পরমই। খিজনবা অহুদা অয়াংবা থুংলাই থম অমদি স্ট্রেটস হায়না থংনবা পিল স্তুভসকি ওর্গেনাই-জেসনগী চে চাং থরম্ভ কংলমই।

অহুদগী Revcom গী অকিসতা মিটিং অম তৌরমই। মিটিং অহুদা যাওরিবা উন্টিনোভিচনা সার্গেবু নাকল অমদা পুখোক্লুনা য়াম্না ভপ্পা খোনজেলদা হায়রমই: “নহাকী লৈবাক-মচা ভাদবা, কমদবা মওং অহুনা নংবু য়াহনে, য়াহক্লরা? নহাকী লমাইগী রাকমনা নহাকী [লৈবাকী] থবক্তা অপনবা পীরক্রা? অঙ্গমা তৌরোইদবনি, কমরেড।”

অদগীদি সার্গে অমুক হন্না ত্রেন রেলবে কোঃচক্তা চৎপা তৌরমই। ভিষ্টক্তি কনকরেকসতা মহাক য়াওবগা লোয়নবা ঝুমিং মিনি চুপ্পা চংথাথবা অকনবা শাক্তু পিরিবা হিবেটতত্তু মহাক য়াওরমই। হয়নি শুবা ঝুমিংতা কনকরেক ডেলিগেটশিংগা লোয়নবা ত্রুরেলগী বাংমদা লৈবা অক্লদা ভুংথিল অম অমত্থং অহিং অম, যৌভিক কাওবদা নিংতম্বা লৈরিবা পেটক্যুবা অকিসার ভারতুনিবা শুচিংবা শুঙাশিংগা লাখেংনরুমই। মহুদগী হল্লকপদা মহাক ইথ্রেক্তেতা উমবা চংলমই। মকমহুদা কমরেড উট্টিনোভিচস্ত উমরমই। মাইহাক লৈরগা মহাকনা উস্টীনোভিচবু মহাকী মুম স্ক্তৈসন কাওবা পিলবা চংলমই।

নুংগোম্বা অসি থাংদোক্লমদাই মতমদা সার্গে উট্টীনেজিংকী খুৎশা চেংমা পাইশিল্লমই। উষ্টিনোভিচ শাওনা মহাক্কী খুৎ চিংথোকখিল্লমই। অমুক হন্না মুকত্ন সার্গে এজিটপ্রোপ কোংচত চৎপা লেপ্লমই। লোয়নন্না রিত্তাবুত্নু উবা লেপ্লমই। কপ্পায় কাওবা মহাক্না লেপ্পুবগে হায়বনু থবক লৈরবা কাওবদগী মহাক চৎলমগে। করিগুম্বা মতমদা রিত্তানা মহাক্কা চৎলিবা লমচৎকী মরমদা শন্দোক্লু হায়রনবা হংলকলবদি মহাক্কু অমুক্কা শন্না হেক্ক খুমগনি, নহাক্কা রাজ্জী শায়কবগী নচোন্দা ছাং-লুবগী কায়বা করিনৈ? নহাক্না ঐখোন্দা লৈবাক মচা ভাগবা, চাওখৎতবা মী নত্রগা শিন্মী কাংলুপ্তা চিরোন তৌবা মী নত্রগা করিগুম্বা অমগুম্বা ঐগী ইরাল শিবা।"

ককেসিয়ান রেড বেনর ডিভিজন পুবা রেলশিং ষ্টেসন্দা থৌজিল্লকলমই। কুচু মুবা কমাণ্ডর অহুমথক Revcom দা চংলকলমই। মখোয়গী মরক্তগী মরেপ বাংবা, মশা তবা তবাবা লুপাগী ময়েক য়েকপ পেটি কাবা মুপা অম ডোলিমিকী কাদা চংলমই অহুগা গাড়ী চাবগী চক্ক পীয়ু হায়বগী দাবী অম থাজৎলমই। "হোজিক রাকম আসদা নেংনসিত্তাই করিগুম্বা লৈতে" মহাক্না শন্না হেক্ক হায়রমই, "ঐহাক চক্কশিং অদো কংদবা য়াদবনি, মরমদি ঐখোয়গী শগোলশিং অসি চাদবনা শিগদোরে।"

মরমসিগীদমক্ত সার্গে, রেড আর্মি অমিগা চক্ক কংমবা থীনা থাখিরমই। মখোয়না অমুম্বা চৎপদা খুজং অমদা কুলাক-শিংনা মখোয়গী মথক্ত লান্দারমই। লান্দা অসিদা কুলাকশিংনা রেড আর্মি অমহু অহুবু মারখিবা পীহুনা মীতুংশিগী বাংমদা তমথীনা কুপৎশীল্লমই মখোয় অহুমবু পোয় পিকেন্টস কমিটি মীশিংনা টাউন্দা পাত্তীনা থিল্লকলমই। অহুমগী খুৎনাই পায়বা

ডিটেচমেন্ট অমা হায়রিবা খুন্দগী মমতুনা থাম্লমই। মখাক্তী মুমিংতা চক পীখিরমই।

ইমুং মচুং রাম্লমগনি হায়বগী বাখলকাক ইথম খল্লমা সার্গেই মহাকী মখা লপতক্রিবা কাওবা ইস্পেক্তোরগী নৈরমই। মহাক্না হৌবদুনা ইস্পেক্তোরগীদা নৈরিবৈদা রিতা সার্গেই নাক্ত লাকলমই অদুগা মহাক মখাগী মক্না কাওবা অদুগা তোউরবা ইন্সপেক্টরনা মওংদা অহানবা ওইনা রিতানা মহাকী তনৌরবী খুৎশানা সার্গেই খুৎত মায়া থোং-নৌনা ফুংশিনা নানবীরমই।

নোংমগী মায়া শাবা মুমিদাংবাইরম অমদা এজিটকোচতা রিতা উমবা চৎলমই। মহাক্না রিতাদা মরুপ পাভেলগী চিঠী অমা পাদুনা তাহল্লমই অদুগা পাভেলগী মরমদা বাবীস্ থাম্লমই। মহাক্না চৎলমদাইদা মবেং শুপকৎলদুনা হায়রমই "ঐহাক উমংদা চৎতুনা হায়রিবা পাভেলদা ঊরুপউসিন্না হায়না খল্লি।"

রিতা থবক তৌরম্লগী য়েংখৎলক্লমই। "ভাইবতুং ভাইখো, ঐস্মু নহাকা লোয়ননা চৎকনি।"

হায়রিবা পাং অদুগী ঊশিং অদো অমুকী তরু তরুই অমদি মিংশেলগী মতৌগুম্বা লংই। মহাকী লংলবা লুখ্ লুখ্ শারবা ঊশিংদা পুল্লৌং হুনিঙাই ওইরবা তদেক তদেকপা ঈথক্না নৈতেংই।

"ঐহাকপু লমীদা ভাইরম্মু, ঐস্মু মকমদুনা চৎকদ্রি" রিতানা হায়রমই।

সার্গেই থোঙ মনাকী মুজাও অমগী মথক মুমিত মমায় ওনখৎলদুনা কমলমই। মহাকী ভুংদগী রিতানা ঊশিংদা শায়বগী খোনজেল তারমই। মতমদুমক্তদা ঊশিংগী মরক্তা তোনিয়া ভুবানোভ, নীংখিকনা মীলিটরি অফিসারগী ফিজেৎ শেৎলবা, নায়বা শাউনগী পেটি কাবা, মশিং নাইব্রবা ষ্ট্রেপনা নৈতেংবা অমদি লংলবা খোঙচুপ খুরাই কাবী তোয়ম্বা মখা নায়বা, হেংবদা নীংখিকবা শকম ওইনা উরবা, এজিটরেলগী

মিলিটরি কমিসার চুজানিনগা থুংবা থুংবা কোংশিন্নদুনা লাকপা উরমই। মহাক তোমবাগা য়াম্না চিক্না য়ারী শান্নরমই।

সাঁর্গেনা তোঁনবাযু উবমন্তদা থংলমই, অরমদি নোংম মহাক্না মরূপ পান্তেলদগী চে অম পুরকখিবনি। মখোয়না নকশিল-লকপগা নোম্ননা তোম্বানস্থ মপোম্দা মুম্না য়েংলমই। মহাক্নস্থ মহাকপু থংবগুম তৌরমই। সাঁর্গেনা পান্তেলগী ইকোন কোয়া কংবা চিঠি অড় লৌথোক্লদুনা মহাকী নাক্ত চংশিল্লমই।

"মীকুপ অমথক্ত কমরেড, ঐনা মহাকী মরমদা থজিক্তং পনবা চে অম পুরকই।" তোমবানা কোংশিন্নরিবা মহাকী থুং অড় লৌথোকলদুনা চে অড় লৌরমই। মহাক্না পাবা মতমদা পাঁকলবা চে মচেং অড় মহাকী নৌরবী খুংশাদা তানকলমই।

"মহাকী মরমদা অনৌবা পাওদি নৈত্র?" মহাক্না চে অড় সাঁগেঁগী মফমদা অমুক পীরদুনা হংলকলমই।

"হৌভিকমকী ওইনদি নৈকদে" সাগেঁনা খুমলমই।

মিকুপ্তুদ, মুংমচাশিং রিভাগী থোঙ্গুপনা নেংথাইরমই, মহাক নৈ হায়বা থংলমদবা চুজানিন তোনয়দা নোনথদুনা "ঐখোয় চংখিবনা করনি" হায়না হায়রকলমই।

তৌইগুম্মস্থং, রিভাগী ফাগী ওইনা গাংলকপগী থোনজেম মহাকপু থামলমই।

"কমরেড চুজানিন! মখোয়না নংবু মুমিং চুপ্না রেল-গাড়ীদা থীহৌবনি।" চুজানিননা রিভাদা পঁমজদনা য়েংলক্‌লমই।

"থম্বীক্লগনু," মহাক্না লুদবা খোনজেলনা হায়রকলমই। "ঐ য়াওরবস্থ মখোয়না থোকপা শিনজগনি।"

রিভানা তোনয়া অমস্থং মিলিটরি কমিসার অহনা চংখিবা য়েংলমই। "কামত্ৰবা মী অসি চংহনখিবগী মতম হেয়বনি।" মহাক্না হুংশিদনা হায়রমই।

চাওরবা উয়ুং পাবীগী মথোং দোংলবা উপাশিংদো ম্যালংবশ্রা-
ছুম্না, উয়ংদে' মখোল লোনবগুম তৌরকলে। খুম্না ঈশা-
ঙগী মুংশিরবা মনমত্থু মালংবা হুনহুনা পুরককলমই। স্যার্গে
ঈরেইরগে হায়না লেপলমই। মহাক্না ঈরোইবগী মফমকলবা
মতমদা রিত লম্বীদগী পংলাপ লাগুনা উকোক অমগী মথক্তা
কমতুনা লৈরমই। মখোয় অনি উমংগী অমুংদা য়াবী পায়
শারতুনা কোটরমই। অত্তমমা চংশনা উমংগী থাম্না নাপী
হৌবা লমহাং মতেক অমদা পোপ্পারমই। মকম অদো য়াম্না
চিকই। উয়ুং পাঙ্গীশিংনা মুংশিংকী ঈপোমদা অমগা অমগা
ওনশিন্নতুনা য়ায়ী শায়রমই। রিতা যোল্লবা নাপী মথকতা
মহাকী থুংনা কোকী মথাদা যোনথাংনতুনা লোংনা হিপলমই।
মহাকী নীংথিজরবী খে'ঙ, অকোংপা খোঙচুপ বুটকা য়াংলবা
নাপী মরক্তা লোংথিরমই। সার্গেনা রিতাগী নীংথিজনা
কোহলবা খোঙচুপতা য়েংলমই অদুগা মহাকী খুনিংদা হোরবা
বুটতা অমুক য়েংলমই। অদগী নোকলকলমই।

“করিগীনো নহাক্না নোকইবনু ?” রিতানা সার্গেদা হং-
লমই। সার্গেনা মহাকী বুটতা মথুং থিল্লতুনা—“অসিগুম্বা
বুটশিং সিগা ঐখোয়না করম্না লাম্হেংনগদৌরিবনো ?”

রিতা মতুগী পাওথুম পীরমদে। মহাকী চীন্দ নাপী
মনা অম শায়রতুন, মহাকী য়াথলনা করিগুম্বা অম মুম্না
থল্লমই।

“চুজানিন পাংদবা কম্যুনিষ্ট অমনি,” মহাক্না মমৈথংদা
হায়রকলমই। “ঐখোয়গী পোলিটিকেল ৱার্করশিং কাপী হুপাই
তৌনবা মতমদা মহাকনা পুমনমক্কী হেন্না য়াম্না থনবৈ।
মহাক ঐখোয়গী পার্টিদা য়াওবা য়াম্রোই”…. …। লাম্নকম-
গীদমক্তদি, রিবম অদে য়াম্না লুরবনি। পুম্নমক অসিগী মমাংদা
ঐখোয়গী লৈবাক্না য়াম্না শাংবা অমদি অমগীরবা কম্নকম
অম থেংনবা তাংবনি,” মহাক চক্রিহাক্তং লেপলমই অদুম্না মথা

তাবক্লমই, 'খঙ্গেখোর 'খাইবগী, মোংমৈগী, অনিথক্কী ওইবা লাক-পেঙেম্বা তাবনি: সাহেব'ণ কোকমোমোলগী শরুক থবি খোক-পগী অম লাক্কীবা চংলগনি হায়না মেচেল কচিটিনা লেপ্লখিবা খাগেপ অক্লুগী পাও তাক্লবরা? মতাং অসিদা নহাক্লা ঐহোন্দা হংলকদি সাহেব, ঐখোয় মকম অসিদা কুইনা লৈরমোই।"

রিতাগী খোমজেন্দা অনৌবা খোনথাং অম থাওরকপা উবদা, তাবিব: সাহেব ইঙক 'হুকলমই। মহাকী মীংথিরবী মূরবী মীংসনাবা মহোৎসা হেনলগা, হাংলব' খুংশিংকী ঈপোমদা 'খুংতাইনা পোথাক্লুনা—মহাকী মীংসনাসি মীংশেনগী মতৌগুম তরু তরুই, হায়জনিংবনি, অদুবু মহাকী বাখলগী মওং অদু উবদা মশাবু মতম চানা চেকশিনজরমই।

রিতা হৌনংলকলমই। অদুগা সাহেবদা হংলকলমই, "নহাক্কী রিভোলবর কদাইদা লৈব্রে?" সাহেব নিংঙমদবগা লোয়মনা মহাকী পেটিদা মাবমই।

"কুলাক কাংবুত্তুনা ঐহোন্দগী লৌব্রে।" রিতা, মহাকী টুমিক্কী কুব্রিংবাউদা মথুং থিংজিন্নমই অদুগা লংলবা অতোমেটীক পিস্তোল অম পুখোকলকলমই।

"উমুং পাবী অসি উবরব্রা, সাহেব?" মখোয়মা লৈরিবা মকমতুদগী চাওরাক্লা খোঙকাপ ২৫মোম থাপ্লা লৈবা উমুং পাবী অমগী কোন্থুনা হায়দোরকপা উশ: অমদা মহাককী মোংমৈগী মতোন মুরমই। খুংলাই অদু মহাকী মীংকী মপা কাওবা থাজংলগা নিশান ইথা থাদনা কাপখিরমই। উশাত্তুদগী কারবা উ মকু মচেং-মচেংনা প্রোক্রোপ প্রোক্রোপ তাবক্লমই। "উমত্রা?" মশাবু পেনজরত্তুনা অসুম হায়রগা অমুকক্ষু কাপ-খিরমই। অমুক হয়া অমুক উকু মচেং মচেংনা নাপীগী লৈমায়থক্তা প্রোক্রোপ প্রোক্রোপ তাবকলমই।

"লিবা লৈরে, সে," মহাক্লা পিস্তোল অদু সাহেবদা লোক-থবগী মীরোক অমগা লোয়ননা পীরমই। "নহাক্লা কবি তৌবা উমলে হায়বদু হেরনি।"

সার্গৈ অহনবক ক'প্তরী মতুংদা 'থাং লোৎখিবরকী' হায়রিবা লোমুক মীংকক্ষা লোইক্লরমই। "মহাক্না কপ্পা-তোৎকখি হাপ্পা খরুক্কনি।" হায়বা পিক্টোমা লৌরম্না খক্নমই থাক্নো কুপ্পরমই হৌদরারখক্না। মহাকী মিংথৌরবী, নিমিক্লবী খাউনা খক্ক মহাক্কী টুমিক্না চেক্কা কাপ্পি তোংইঙুরুং ঐপোয় অংখি।

"সার্গৈ," মহাক্না খোং-নৌমা কৌরক্লমই "চৎশিন্নকও।" মহাক মাখী মনাক্তা চংশিল্লমই।

"অশিবা থক্তা লেংখৎলু, কৰাদ শংবাকনা উকিবা। মহাকী মীংত অক্কুবী শকুমি। মশুদি কক্তে। মখো লোংখী মখোক্কবনা বাউথাংনেগদবনি, মরমদি — শংবাকনবা হান্নবদে মচু অম ওইবদা নৌমল্লি।" অসি হায়রগ' হিক্তাবা মহাকী খোংদবী খুবাংদা সার্গৈগী মিংথৌরবা কোক্ক চেংপাইনহুনা শঙলাংদক্ক খুংশাশিংনা শুক্ক শুক্ক নৈরহুনা ঊখি মখোম চুপ্পা মহাকী মোলবা চীনবানবু মিংথৌনা পেক্ত্রীমখৈ চুপলমই।

থা অনি হৌরক্রে। বসন্ত লাকলে।

অহিংগী অমম্বনা ভাইবক্ক কনা থংহন্দনা চাউরবা উজাক্-শিংবু ফুপশিন্নকলমই।

ডিভিজন হেড কার্টস'গী তেলেগ্রাফিস্ট তেক তেক মথলিবা টেলিগ্রাম মেচিন মোরস তা লোত্থরমই অহুগা লিমগী মত্তোঙুম পিক্লবা হিবোম্না মরি মরি চংহুনা মহাকী খুংশাশিংগী মথাক্তা টেলিগ্রামগী রাইহ, ডোটশিং, ডিমাসশিং অমদি ক্রেকশিংবু রাইহদা ওনথোক্লমই।

"চিক অফ স্টাফ কা'স্ট' ডিভিজন কোণী টু হিমাযে'ন Revcom সেপত্তোঙকা। টেলিগ্রাম অসি কংবগা পুং তমাগী মতুংদা টাউন্দা লৈবা পুব্লিসিক্লে ইনষ্টিটুমনশিং পুমনমক হোংদোকখো। টাউন্দা খেটাপ্লিয়ন অমথক্কং কমাণ্ডর ক্রক্ক লেক্কুরগী হেড্‌-মেন্ট ইন কমাণ্ড ওইনা থমলগ্‌। ডিভিজন হেড

> কাট্রেস'ঃ পোলিটিকেল ডিপাটমেন্ট অমদি মিলিটারি ইন্সটিট্যুসন পুম্মক থাহানচেম্ভ ষ্টেসনদা লোকেন-শনবনি। মাখং অসি পাংখোকপগী রিপোর্ট ডিডিকন কুমাওরদা তৌ।"
>
> "সহি"

মাখং অসিগী মিলিট তরাগী মতুংদা মোটোরসাইকল অমা কনা অমম্ভ চংম্লবা, টাউনগী লম্বীদা মহাকী মমাংগী মৈতোম্ম অমম্ভু মম্মম থাম্মহনা খোৎরকলমই। থুক, থুক লাও-বা খোমজেলগা কম কম্মা ছংলহনা Revcomগী কোমেংগী মন্তাইদা থামলমই। মোটোর তোংলকইবা মুপা অম্ভু তহান-না Revcomগী চিয়ারমেনগী কাদা চংলমই অদুগা টেলিগ্রাম কোপী অম্ভু চিয়ারমেন তোলিনিস্ত পীরমই। খুদক অহমম্ভদা মকম অদো থবক শিন্দোক শিনজিন, পোৎ হোন্দোকপগী থবক মাম্মা চিম্নমই। স্পেসিয়েল ড্যাটি কম্পানিগী মীশিং পরেং লেম্লমই। পুং অমগী মতুংদদি Revcomগী পোৎ চৈবা শিক শিক থম্মা হাপ্লবা গাড়ীশিংবা, পোত্তোলসকা ষ্টেসন্দা রেল দাবাশিংদা পোংশিং হাপচিন্নবগী, টাউন কাওহনা চংলমই।

সার্গে টেলিগ্রামগী মরোল খংলবা মতুংদা মোটোর খোঁবা কুপাহুগী তুংদা চেম্বোরকলমই।

"নহাক্ক ঐবু ষ্টেসন ফাওবদং থীনথীরখা মাপঞ্জ, কমরেড" মোটোর খোঁবা কুপাহুদা হংলমই।

"তুংদা নম্নুকউ, চেংনদি পাইমুকো"

৮৫খিপদবগী রেলগাড়ীদা শমজল্লবা এজিট কোচ দাবাদগী খোঙকাপ থরদং লাম্মাদগী সার্গেননা মিতাম্ভু উরমই। মহাক্ক চংশিন্নুনা মিতাগী লেংবান্দ তপ্প পাইরমই। খুংশিজম্বী মহাকী লাক্কা লেপ্পুবা লেন্দো শকউ মবস্থ, মহাক্ক মাদা হুংশিজবদা চান্নজরবা কমিওবা পোৎশক অম মাংপ্রগদোরবওম তৌরমই। অদুবা কামল অসিগা ঊরোইদনা সার্গেনা মিতাগী মংমদা লোম্মা পুকমেন পাওমেন্নমই :

"ঙ্খুংশিন্নবী কমযেত রিক্ত, কায়নগ্রনি ? 'ঐগোম্ব কাঙি-
ঙুবদা অমুক উয়নিকো।"

মতাং 'অসিদা শংগৈনা' রাজবিধনি, মংথোইনুংবী মৌ-
মকপা পীরাংনা মীংলু থুমলকনৌবিবহুনি। মরম অসিনা মহাক
খুদক্ত চংথোকনিংবনি। অদুওইত্রবস্মু, কায়নরবদাইগী তেনবা
মীকুপ্তুদা মীংলু-পীরাং-পীরাক্কৈ হায়হনবু মপানৌম্বু অদুম
থমলদ্বা ভাত্রা? বা ভাংগনি হায়বগী বাথলপাক ইথম
থন্দনা রিভাগী থুবাং অনিবু মারে হায়রকন্ত্রিবা কাওবা চেংনা
পাইশিল্লমই।

অবুক্তদি স্টেসন অদো, তরক তরক পুমচিক চিল্লমই।
ইকোন কোমবা রেলগাড়ীনা কায়নরসি হায়বগী মতাপ্তম
হুইসেল থোংলকলমই, অদুপা চংখিরমই। কংলবা, মজাম-
মপাল মচুনরব উনাশিংনা মালং মাগী শাহুমদা উপাশিংবু
হাংহল্লমলগা লৈমায়থক্ত কেম্রকলমই। অস্তম্না কেম্রকলিবা
উনাশিংবু মালংন লম্বীদা থরো থরো ওম্মুন হুমহুনা পুরমই।

সার্গে, রেড আর্মিগী অচৌবা কোট শিংলহুনা লেংবান্দ
মোংথৈমরুগী কেনভাস বেল্ট মানহুনা রেড আর্মি কাংবু
অমগা মুপর রিকাইনরিগী মায়োক্নবা লম্বীগী থাইনকম লাল
থোক্লমই। অস্তম্না পোলশিং চংশিল্লকলমই।

এন্ডোনোম পেত্রোভিচ মহাকী মুমলোমব, ভেরাজিম
নিওনৈভিচকী থোঙদা থিল্লমই। মখি মহোন শেংচিন্ত্রিবা
ভেরাজিম থোঙদা মতক থিন্দোক্লহুনা হংলকলমই।

"মখোইনা শেংদোরক্লি।"

ভেরাসিম নিওতৈভিচ মহোন্দ থবাই বাবগা লোয়ননা
ফেলকলমই;

"পোলশিং অহুনা করম্বা মথলগী মার্কা থেংগে, মহাক
থংথীত্রা?"

"ঐঙ্গা থরজবদি মকোক অমগা পানবা ঈপন মার্কা
থেংলি।"

মথাক্তদি মুখাক্ত অমসু কথাইগী বেলকুমমোগী এক্তো-লোক্ত পেক্কামিকমা কিশুমংগনা লোয়নমা মকোক হোৎনজুনা মংলমই।

"মখোয়গীদি মরুমা শরথনি," মখাক্তা মীমুপ অম অনিয়োম থজুরব অমুক্তুমা হায়খক্তুমই। "মখোয় থৌজিক্ত লৌগংছুনা চংলিয়মি। অদুবু অনৌবা লাকলিবা মখোয়িগীশিং থজিগা চানমবু হোৎনবা মখাক্তী কোক থরদি থাই চিনথা অামি।"

য়েচিকনবগী খোমজেলনা অচিকপগী মকক কাওজুনা চংলক্তলমই। ষ্টেশনগী রেলগাড়ী হুইনেনগী খোমজেল অম তারকলমই অমুগা মকমক্তুমক্তুদগী নোংমৈ কাপ্পগী হুং হুং হংবা খোমজেলনা নীনকলমই। লুমলবা নোংমৈ মক্তুমা হুরেং লাওবা খোমজেলগা লোয়নন থংনা অতিয়া থক্তা চুমজিং পাইথংলমই অমুগা শুগন মিকাইনমিগী থাংথগী লপী মথক্ত তারমই মক্তুমা সড়ক্তী মাকক্তা হৌরিবা উ মচা মচাশিং অমদি মাপীশিংবু শংথামবা মৈথুগী মপৈ মপৈনা কুপশিন্নজুনা মৈথুনা অতিয়া তক্তা পাই-থংলমই। অমুক্ত মতমদিদা, হপোরকলিবা য়েঙ্গ অাথি মুপ্প চুমিমা, মুংশুক মুংজাননা মভুং হমা হমা য়েংজুনা চংলমই। মুংশিরবী, মাগী হৌরকফম টাউন অমু থাযোক্তুমা চংলবনিকো হায়না হেক থনজিলমুমদা থংকৌথমা মার্শৈগী থক্তাইদা পীরাং শিন্দুরকলমই। অমুবু, মমারবা কমরেডশিংনা থংথিদনবা লোমা হায়কেক্তুং কোইক্ত কোইক্ত য়েংলমলগা তদনা পীরাং-পীমুংলমই। মার্শৈগা হেক থংনমা মাকক্তা মশা শানা থাংথা লো মিলদা থমক শুবা এক্টেক ক্লাপোটোমকি, মহাকী খুদোম্বীনা পায়রিবা নোংমৈগী রিগবদা থমলজুনা চংলমই। এক্টেক মুংশুক মুংজানা চংলিবা খোংচং অমুদা খোইদোক্তা পুক্তীং মুপশিনবা উরমই। মহাক্তা মার্শৈদা য়েংলমই অমুগা লাওরকলমই:

"মখোয় লাক্তুগনি অমুগা ঐখোয়গী মীশিংদা ওংলকগনি, মক্ত ওইনা ঐগী মীশিংদা, মরমদি ঐখোয় পোল ওইবনা

